সেক্সপিয়রগী

ওথেলো



সমরেন্দ্র

ওথেল্লো

(ভেনিছ লৈবাক্কী 'মুর')

(*Revised Edition*)

হন্দোকপবা —

চোংথাম সমরেন্দ্র সিংহ

Published by :

CHONGTHAM JOYKUMAR SINGH

Keishamthong, Imphal.

1st Edition : 1964

2nd Edition : 1997

মখুম য়েক্‌পা : থোইদিংজম তোম্বী সিংহ

Price : Rs. 90.00

Printed at Iboyaima Printers, Lokiaobung, Imphal - 795 001

ৱাহৈ খরদং

লোন অমদগী অতোপ্পা লোন অমদা অনুবাদ তৌবা হায়বা অসিমক অৱাযবা নত্তে। অদুগা ইংরেজী লোন্দগী, মদুসু সেক্সপিয়রগী ইংরেজীদগী, মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা অসি ঙমখৈ লৈতনা অৱাবা থবক অমা ওইজখি। লাইরিক অসি অনুবাদ তৌবা তৌগৎলকপদা ওঝা অমনা ঐঙোন্দা তাকপিখি :– "Translation হায়বসিদি Where two languages and two cultures meet ওইগদবনি"। অদুবু করম্বনো মসি ওইহনগদবা ? ইংলিশকী সমাজগী চৎনবী ব্যবহার, মাগী লোনচৎ অমসুং সংস্কৃতিগা ঐখোয় মণিপুরগীগা করিমত্তা মানদে। অদম ওইনমক মণত্তা হায়খ্রিবা motto অসি কায়হন্দনা লাইরিক অসিদা যাদিরমখৈ সেক্সপিয়রনা ইরম্বা original অসি শায়হন্দনা থম্বা তেংনজাব। কারণ্নমা যাদ-যারক্লবা, মৈতৈ সমাজদা নকপা মতিক চাদবা রাতি বাত্তা যাঙরক্লবরতদা চানবা শেমদোকচে।

উইলিয়ম সেক্সপিয়র, ভারতকা কালিদাসকী মরুপগুম্বা, কবিশিংগী মরক্তা লাইপোকনি। মাগী ড্রামাশিংগী ফজবা পুম্বা অদু অনুবাদ তৌববা লাইরিক অমদা লেংদনা থম্বা ঙম্বা হায়বা অসি ওইথোকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। সেক্সপিয়রগী ড্রামাশিংদি চুম্বতা ড্রামা নত্তে, a piece of art নি; তশেংনা হায়ববদা অনুবাদ তৌবা যাবা পোৎশক নত্তে। অফাওবা সেক্সপিয়রগী ক্রিটিক্ অমনা হায়বমই :– "It is time every-body realise that Shakespeare cannot be translated only another Shakespeare can translate Shakespeare "

অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবা মৈতৈলোন্দা সেক্সপিয়রগী মপুংফাবা লাইরিক অমত্তা থোরক্তবা উরদা, মণিপুরগী নৌনা মহৈ তমখৎলক্লিবা নহাবোলশিংদা সেক্সপিয়রবু মশক তাকপা ওইনা অমসুং মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কৈদা পিক্লবা contribution অমত্তা ওইবরসু যাগদ্রা নীংজদুনা "ওথেল্লো" পায়খৎচখি। লাইরিক অসি ইং শোক ১৯৬১ দনা ইখ্রবনি তৌইগুম্বসু

ফোঙবগী খুদোংচাবা ফংদদুনা হন্দক ইং শোক ১৯৬৪, Shakespeare Quarter Centenary গী উপলক্ষ অসিদদা পুথোকচবি।

লাইবিক অসি ইনবা হোৎনবদা মক ওইনা - শ্রীযুক্ত অশাংবম মীনকেতন সিংহ, শ্রীযুক্ত মৈত্রম বীব সিংহ অমসুং শ্রীযুক্ত বাজকুমাব শীতলজিৎ সিংহ - ভদ্রলোকশিং অসিনা যাম্না মতেং পাংবিখি। কবিগুরুগী মতমদা ঐগী ৱাখল্লা লাম্বা ফংলক্লবা মতমদা ওঝাশিং অসিগী মতেংনা লংলা লংজিল ওইজখি। মদুগীদমক মখোযগী মফমদা পুন্সিগী লম্মল তোল্লবনি।

লাইবিক অসি পাবিবিবা ইবুংঙো ইবেম্মশিংনা কবিগুরুগী মৈতৈবোনগা চুনদবা ৱাহৈ-ৱাতা; লানখিবা কয়া থেংনবিবা অদু তাকপিবকপদা অমসুং লাইবিক অসিগী improvement কীদমক suggestion পীবিবকপদা হবাউ হবাউনা লৌজগনি অমসুং মথংগী Edition দা শেমদোক্লবা লাক্লজগনি।

কৈশামথোং
তাং ১৮ / ১১ / ৬৪ ইং

সমরেন্দ্র সিংহ

অনীরক শুবা ফোঙবা

ইংশোক ১৯৬১ দা থবক পায়খৎপা হৌবগা ইং শোক ১৯৬৪ দা "সেক্সপিয়রগী ওথেল্লো" গী অনুবাদগী লাইবিক অসি ইহান হান্না ফোঙজখী। চহি ৩৩ গী মতুংদা অমুক হন্না অনিবক্ শুবা ওইনা ছাপা তৌদুনা ফোঙজবি। শুপ্নতগী অমুক হন্না ছাপা নমথোকপা মক্তি নত্রে। অহানবা ফোঙবদা য়াওখিবা অবানবা কয়া চুমথোক্নুনা, কবি কবিগুম্না মফমদা বাইহ পবেং কয়া পুমহোং হোংদোক্নুনা অমুক হন্না অনৌবা বাইহ কয়া শিন্দোকপসু য়াওরে। পুমনৌ-নৌনা অমুক হন্না অনুবাদ তৌবগা মান্ননা পুথোকচববনি।

ঐগী লাইবিক অসিগী অচৌবা অশোয়বা খবা পুকচেল শেংনা ঐংখোন্দা তাকপিবকপাদি প্রোফেসর চোংথাম মণিহার সিংহনি। ঐনা ভদ্রলোকী মফমদা পুন্সিগী লম্মন ভোর্নাশিনজরে। অহানবা অশোয়বদি বানানগী অকাম অপাংগী মরমনি। মদুমা চুমথোকহল্লে। খ্বাইদগী মমল য়াম্বা পাউতাক্তি – ঐনা হান্না ইবস্ন ড্রামাগী মক ওইবা চরিত্রশিংগী মমিং মৈতৈলোন্দা ইবিবা উচ্চারণশিং অদু লাক্লে হায়না প্রোফেসর মণিহারনা তাকপিখী অমসুং "ENGLISH PRONOUNCING DICTIONARY" by DANIEL JONES, Late Professor of Phonetics, University of London – লাইরিক অসি নৈননবা হায়খি। হায়রিবা Dictionary অসি নৈনকবদা ঐগা অবানবা অদু মশক শেংনা উবকখি। ভিসাংমোনা হায়না উচ্চারণ তৌগদৌবা ওইরমল্লে - অসুম্নদি দেক্লদিমনা হায়গদবনি। মতৌ অসুম্না লেংচারগো নংলমল্লে বোংচরিবগা হায়গদবনি, ইয়াংশাগী মহুত্তা ইয়াগ; ব্রেবানছিওগী মহুত্তা ব্রেবানছিবনি; এর্মিলিয়া নত্তে, ইর্মিলিয়া হায়না পাগদবনি ... আসনচিংবা।

অসি নত্তবা লাইরিক অসিগী মশাদা অশোয়বা কয়া য়াওরমখিগনি। পাবীনবশিংনা তাকপিবকপগী মতু, ইন্না মথংগী খুৎনমদা চুমথোকচগনি।

মেরা পূর্ণিমা,
তাং ১৬ / ১০ / ১৯৯৭

সমরেন্দ্র

ড্রামাদা য়াওবা মীওইশিং

১। ভেনীছগী নীংথৌ।

২। ব্রবান্‌ছিয - সেনতকী অহঙ্গা অমা।

৩। রাজসভাগা অহঙ্গা অনি।

৪। গ্রেসিয়ানো - ব্রবান্‌ছিয়গী মনাও।

৫। লোডোভিকো - ব্রবান্‌ছিয়গী মনা মচা অমা।

৬। ওথেল্লো ভেনীছগী লান্মীগী জেনেরেল, পুকচেল চাউবা 'মুর' অমা

৭। কেছিও -- ওথেল্লোগী মখাদা থবক তৌবা লেফটেনেন্ট অমা।

৮। ইয়াগ – ওথেল্লোগী ফিবান পাম্বা অফিসার।

৯। রোডেরিগ – ভেনীছগী ভদ্রলোক অমা।

১০। মোন্টেনো – ওথেল্লোগী মমাংদা ওইবম্বা সাইপ্রসকী গভর্ণর।

১১। ক্লাউন (Clown) – ওথেল্লোগী মনাই।

১২। দেজ্‌দিমনা – ব্রবানছিয়গী মচানুপী, ওথেল্লোগী নুপী।

১৩। ইমিলিয়া – ইয়াগগী নুপী।

১৪। বিয়াঙ্কা – কেছিওগা নুংশিনবা নুপী অমা।
(জাহাজ হোনবা, পাউপুবা, ঈশৈ শকপা, অহুম-অথৌ অমসুং মনাই মশর্লাশিং)

মফম ঃ ড্রামা অসিগী অহানবা অঙ্কনা ভেনীছদা; অদুগী মতুং তাবকপদগী লোইবা ফাওবনা সাইপ্রসদা লৈবা হিথাংফম অমদা।

মতম ঃ খৃষ্টাব্দ ১৫৫০, মে।

ওথেল্লো

(ভেনিছ লৈবাক্কী 'ম্যুর')

অহানবা অঙ্ক ঃ

অহানবা উৎপা

মফম ঃ ভেনিছ; অহিংদা লম্বেল অমদা।
(রোডেরিগ ১সুং ইয়াগ চঙলকই)।

রোডেরিগ — তোকও,
ঙা'মতা ঙাঙবীরনু ঐঙোন্দা,
য়াম্না শাভীনীংই ঐহাক;
ইরন্-ইথুম পুম্বা ঐগী
নপোৎকুম ননীংতৌনা শিজিন্নবিবা ইয়াগ,
খঙলবা ফাওবদা থৌরাং'সি [১]

১। ওথেল্লোনা দেজদিমনা চেনবা

তাক্তবা নঙনা ঐঙোন্দা।

ইয়াগ — ঈশ্বরনা খঙগনি।
অদুবু হাযজদুনসু ঐনা ফনা
থাজবিবরোই নঙনা ঐবু;
থৌদোক অসিগী মবীদা ঐনা,
শর্মিন্ খজিক্কং ফংগ্রবা হান্ননা,
নঙনা ঐবু তুকচ্চবা যাই।

রোডেবিগ — হাযবদাই নঙসু
নুংশিদে তুকচ্চে মহাকপু।

ইয়াগ — ঐনা খজিক্লো হার্যাজিন্নখ্রবা,
যাই নঙনা তুকচ্চবা ঐবু।
সহর অসিদা লৈবা
মচান তোঙবা ফম্নাইবা অহম্না
তশেংবর্মাক্ত ঐবু মুন্না খঙদুনা
মাতক চবে খন্দুনা -
মশা মক্তা চঙ্‌দুনা হাকথেংননা মখোন্দা,
লৈশি লৈথোনবগা লোয়নানা, হাযজকই হায়্লায় ঐবু,
লেফটেনেন্ট ওইনা মহাক্কী।
অদুবু নাপন্না মযাই কাববা মহাক্না,
নীংথীবা রাতানা থল্লবা,
মিলিটরীগী রাইহে কয়া অকিবা ফংনা থেংলবা,
শাংলবা তর্ক কয়া তৌদুনা,
রাকোই শুদুনা লৈবক্মী।
মমৈথংদা,
ঐগীদমক্তা রা নোম্বীবিবা মীশিংদুনা
হাযজবা পুন্না অমত্তা তাবীদনা,

১। ওথেল্লো

হায়নকই মহাক্না ঃ
"অওইবনি, লেফটেনেন্টদি ঐহাক্কী
খন্দুনা লোইখবে হান্নবা ঐনা"।
অদুবু -
কনাগো মহাক্ অদুমক্তি ?
অঙ্কদি খবদং খঙ্জবা
ফ্লোরেন্সদগী লাক্পা মাইকেল কেছিও কৌবা,
কনাগুম্বা মীতোপ অমনি:
শকহেনবী লিন্দাউবী অমা লৌকবদগী
মপান্সাদ্ মাঙদৌববা নিপানি মহাক্তু;
মপান্সিসিদা কৈদৌনুংদা অমুক্তং ফাওবা
লান্না মযামবু লূচিংদুনা লানফমদা
চংলবা নৈত্রা মহাক্না,
খংদুদ মহাক্তু, জ্ঞান যাওদবী নুপীশাবি অমগুম,
মতৌকবম্না শেমশাক্নি হাযবা
লানফমদা লাম্নীশিংবু ঃ
খঙদে মহাক্তি লাইবিক্তা তাকালবা
লালগী লালওংদুদগী হেন্দোক্তুনা;
মদুদি রাজসভাগী অওম্বা শিংসু
মাগী মাগী ফিজেৎ নৈতেংলগা
ওয়াঙবা ঙমই অদুম্মক্ মাগুম্না নীংথৌনা হৈশিংনা;
লালগী লালওংগী মবমদা;
- কান্নদবা ব্রাবেম পংঙাঙ্ ঙাঙ্বা
থবক্না কবিসু পাওথোকপা ঙমদবা -
লোইজবে অসিনা মহাক্কী গুন
লাম্নী অমা ওইনা;
তৌই 'মসুং অথৌবা,
খনজ্রে অদুম্বা মহাকপুনা লেফটেনেন্ট।

অদুগা –
সাইপ্রসতা, বোডস্তা, অতৈ অতৈ লাংফমদা,
খৃষ্টানশিংগী লম্দা, ধর্ম্ম চত্তবশিংগী মবক্তা,
থেংনখিবা লানফম খুদিংদা
লাম্মী অমা ওইনা ঐহাক্তা
হৈ-শিংবগী খূদম'দু
মামৈংমক্তা উখ্রবা অদুগুম্বা ঐবু,
কৈসু লৈতবা নিপা হিসাব সুবা অমনা,
পন শাদুনা থৎখ্রবা।
চৈতেক্ থাদনা মশীং থীবা যৌনা হৈত্রিবা
মহাক অদুনা ওইখ্রে লেফটেনেন্ট মাগী[১]
অদুগা ঐবুনা -
য়েংবীযু মসিবু তাখ্রববা কবিগুম্বদা।
– মৃবসিগী ফিবান-থৌগল (Ancient)[২]।

রোডেরিগ – ঈশ্বরনা খঙগনি; ঐ ওইবম্লবা,
নহান্না লৌবান মাগী মথ্বায।

ইয়াগ – হোয় অদুবু .....
চেন্দনা হিংদে, উপাই লৈতে;
হৌজিক্কী মতমদা চাকর্বা তৌবগী
তুক্কচববা মওংনি মসি, মদুদি -
হাযজ চৎচবা কনবা মী,
নুংশি নুংশিবা খন্দুনা,
কাহল্লে ফমথোন;
মাঙখবে থায়নগী মতৌ -
মকোক্ অদুগী তুংদা
মাগী মথংদুনা কাজবা।

১। ওথেল্লোগী
২। লানফমদা ফিরান পায়দুনা চৎপা মী

অদুনা হৌজিক্তি, অঙৎম্না, খনাবগী নত্রক্লা
মূর্বাসনু কনম্না,
নুংশিফম থোকপগে এনা ।

রোডেরিগ - এংখান্দা অদুম তৌবনা,
কৈডৌনুংদা ওইরোই মাগী মনাই ।

ইয়াগ নঙ্গোন অহৎম্না, তগদবীসো ঙথাংগা,
এনা মাবু শাম্নবসে,
মংগী ভাইবান এনী, মাবু মাহৎনবা শিংবা ;
এখোয় মাপম খুদিংমক
যাবা নত্তে মপু ওইবা
মদুগা মপু খুদিংমকপাপু, যাবা যাবু মক
মকুতেন তিংনা তশেংনা, মতম্দি
লাকপু, কা হৌবা মখৌ খঙলবা
অদুগা মতমচিন্নগী খাদংগা খুকই লৈগাদবা লৈতবনা
মানাই কয়া কয়ান
মানাই ওইবদুগা পামদুনা
মক তখোম অমগাদমক মাগী মবুংতা অদুবু
লোধা অমসেম সেবা তৌখি তৌহনম্নগা
মহৌ ওইবকুনা মচমদা তাম্নোকাপিবকপা চত্তনি ।
অসুম্বা শঙলবা মীনাইশিংসে,
মনম তৎনবা যৌনিংই এদ ।
আমি নতবা অতোঙ্গা
লৈবি মীনাই ভাৎ অমা
মখোয়দুনা উৎলি মগানখোংদা
যাম্না মখৌ নঙবা, তায়না ইনবা
অদুগা খল্লি থমোইনুংদনা
মশাগী ওইজনবা পাম্নেতা:
উৎ চাইবি মখোয়না মীপুম খুদিংগা মিতা,

উহল্লি শেবায়না
মবুংঙোদুবু সেবা তৌবা ওইনা, নীংথীনা,
তশেংবদি হোৎনবি লোয়া লোয়া,
মশাগী মহুম ফানবা।
অদুগা মশাগী শেঙ্গাউ চোল্লবা,
মাগী ফুরিংখাউ তোঙলবা কান্দা,
হাযবা য়াবে মখোয়'দু
মশানা মশাবু শেমজবে।
অসুম্বা মখলগী মীতাসিনা
মথীবোং খব মপাল্লি;
অদুম্বা মীশিংগী মনুংদা
খঙ্গে ঐসু অমনি হাযনা॥
মবমদি অঙম্বা,
ঐনা 'মূব'[১] অসি ওইরম্লবা,
চিংনবা লৈতে —
নংসি বোড্রেরিগনি হাযবদা চিংনদবগুম
ওইবম্লোই ঙসি ঐনা ওইবিবা ইযাগ'সে॥
ঐনা মাবু খনবদি, ইশা ইথম্তবু খনজবনি;
ঈশ্বরনা মসিগী শাক্ষীনী,
ঐনা মাবু খনবদি নত্তে নুংশিদুনা মহাকপু
নত্রগা ইথৌনি খন্দুনসু মদু,
খনবনি মাবু থোইদোকপা মবম অমগী;
উবগা নখোয়না ঐগী মপানথোংগী থবক্,
খল্লি নখোয়না —
পৃকচেল শেংনা ইকাই খুম্নবা উৎলি হায়না
মূণ অসিবু ঐনা,
অদুবু কুইদ্রে, খঙলনি যাম্না থুনা,

১। মোরোকো দেশদগী লাকপা কুচু মুবা অতোনবা জাৎ।

উৎ্থোক্লনি মপান্দা ইশেং-শেংনা
পূকনুংদা ফুমলিবা ঋখল'সে ঐগাক্কী
পঙ্খবা মী ফাওবনা খঙনবা।
হৌজিক ঐ'সে, ঐ নত্রবনি ॥

রোডেরিগ - টাম্বানজাউ 'মৃব' অসিনা
হৈজববাদ অসুন্না থবকশিনবা,
ওইগবা কযাদা যামথ্রবা লন-থুমগী মপূ।

ইয়াগ - কৌথোকউ দেজদিমনাগী মপাবু,
হৌদোকউ মহাকপু ভূম্বদগী;
লীযু ওথেল্লোগী খোঙ্গুল,
মাংহল্লু মাগী নুংঙাইবা পূব্বা,
পাউজেল্লু লম্বী খুদিংদা
আইন থুগাইবা অমনি হাযনা মাবু,
শাউহল্লু নুপীদুগী শাগৈ-নাতৈবু
লৈজববসু মহাক্লা'
মহৈ-মবোং চুম্লবা নুংশিৎ শেংলবা মফমদা,
ওৎহল্লু মহাকপু অনাব ওইনবা
মহিক চেল্লবা হয়িংশিংনা।
লৈজববসু মহাক্লা নুংঙাইনা,
হাপাচল্লু খবদং চিংনবগী শকাক,
মদুনা মবম ওইবদনা -
নুংঙাইবগী তঙাং-তঙাংবা
গুলাব লৈবাং মচুদো মহাক্কী,
এইফেৎ তাইখিনবা খঙ্হৈদনা ॥

বোডেরিগ - মাগী' মপাগী যূম অসিদা লৈবে।
ঐ মহাকপু লাউনা কৌগেকো।

১। ওথেল্লো। ২। দেজদিমনাগী।

ইযাগ - উম, কৌ, লাউনা কৌ মহাকপু,
কংনা মী তাববা সহবদা
কনাশিন্না অমনা নোকশিন্দবদগী
আহংদা মৈ চাকপা উবদা
অকিবা অমসুং তানকপা খোঞ্জেলনা লাশিংগুম
লাট নখ্রসু।

বোডেবিগ - হো ব্রবানছিয, ঈকাইখুম্নবগী মখক ওইনবা ব্রবানছিয

ইযাগ - হৌশংলো, মকপা খোকলো,
হো ব্রবানছিয! হুবানবা! চোংলো! হুবানবা চোংলো!
নংগী নবন নথুম, নচা-নুপী,
নযুম নাকৈ অমখা মংশিল্লু!
হুবানবা চোংলে! হুবানবা চোংলে!!
ব্রবানছিয [illegible]

ব্রবানছিয - অসুক উকনা যংনা কৌবিদুনু
কনা মকমগানো? কৈদৌবনো অদুদা?

বোডেবিগ - অসুক নংগা ইমুং মনুংগী মী পুম্নমক শুপা ইম দা [illegible]?

ইযাগ - নহাক্কী থুমনা থোংজাউ পুম্নমা লোল্লবরা?

ব্রবানছিয - কৈদৌবনো, কারগীনো নখোযনা মসু হংলিবা?

ইযাগ - ঈশ্বরনা থাওগানি অহুম্না, নংগীদা লুট চংহনবে।
লাকউদো!
অঙম্বা গাউন[1] অদু লিংশিনবিবগা খোকাপনবকও,
কাযবে নংগী থম্মোই মচেৎ মচেৎ,
মাংখরে তংখাই অমদি নংগী থরায,
হৌগাংলো হৌজিকমক, হৌদাকলো শাবক খাংদুনা,

১। গাউন ঃ ফি মথক্তা লীংনবা অচোনবা ফুরিৎ

ভূমখুন হুল্লবা প্রজা খৃদিংবু,
নত্রবদি ওইহল্লনি সোইত্তান অদুনা নহাকপু
লমজা শাবাগী মবুধৌ,
হৌগৎলো, ঐনা হায়বি'সিনি হৌগৎলো।

ব্রবানছিয় - কবিনো, নখোযবু নশাগী বুদ্ধি, জ্ঞান পূম্বা মাঙখ্রববা ?

রোডেরিগ - থোইদোক্না ঈকাইখুন্নববা অঙম্বা ! ঐগী খোঙ্গেল অসি খঙদ্রববা ?

ব্রবানছিয় খঙদে, নহাক কনানো ?

রোডেরিগ - ঐ রোডেরিগনি।

ব্রবানছিয় - নঙবুনা থোইনা চঙহন্নীংখিদবে ঐগী যূমসিদা ঃ
ঐনা নঙবু ঐগী যূম-যাদা
কাত্থ-কাবন্ চৎলবনু হায়খ্রবা নত্রা ?
ঐনা শেংনা হাযবদু তাবে নঙনা -
থাজবোই ইচা নুপীসি নঙোন্দদি;
অদুগা হৌজিক অমুক্
নথিবোং পিক থন্না চাশিল্লগা,
মযাই কাববা যু অদু কা হেন্না থর্কচিল্লগা,
অঙাওবা অমগুন্না -
ফত্রবা ৱাখল্ কয়া পুবদুনা
লাকাল নঙনা ঐগী ভূম্বা থুগাইনবা।।

রোডেরিগ - অঙম্বা ! অঙম্বা ! অঙম্বা !

ব্রবানছিয় - অদুগা নঙ্ মসিমদি চপচানা খঙলিগনি
মদুদি ঐনা ওইবিবা ফম্ অমসুং ঐগী
মচাং ফত্তবা অাসনা নঙগী অসিগুম্বা
লমচৎ অাসিগীমদক্ নঙবু অৱাবদা তাহনবা ঙমই।

রোডেরিগ — অমুক্তা তপথবিখো, পূকচেল চাউববা অঙম্বা !

ব্রবানছিয় — কবিবুনো নখোয়না ঐঙোন্দগী লুট তৌখবে হাযবিববো ১
মসি ভেনিছ সহবনি। ঐগী যুম অসি নাইতোম তাবা
লৌতাংশং নত্তে।

রোডেরিগ — থোইদোক্লা ঈকাইখুম্নববা ব্রবানছিয়,
পূকচেল চম্না অমসুং থম্মোই শেংনা
লাকচবনি ঐ নঙগী ননাক্তা।

ইযাগ — ঈশ্বরনা খঙগনি অঙম্বা, অঙক্পা মীনি নঙসে,
নঙগী ফনবা ব্রা তাক্লবসু,
তাকলিবা মী অদুনা নঙনা তৃক্কচবা ওইবর্বাদ
লৌদে নঙ্দি পাউতাক্ অদু।

ব্রবানছিয় — নঙ্ অসে ফৎত্রবা ডাকু অর্মনি।

ইয়াগ - নঙ্ অসে . . . . . আ . . . . . সেনতব অর্মনি।

ব্রবানছিয় — মসিগী মতিক চাবা চৈবাক্ নঙ শোযদনা ফংগনি,
বোডেবিগ, ঐনা নঙবু নশক্ মুন্না খঙই।

রোডেবিগ — অঙম্বা,
পূম্নমক্ হবাউনা ফিগাউ শানা য়াজবি।
অদুবু হায়জবি নঙোন্দা,
নীংথীববী নজাইবেম্ম'সি নঙ্গী,
ঈচিক্ হল্লবা নোংযাইগী মতমসিদা,
খূৎনেক্তা চৎপা হিবোই অমা নত্তনা,
মনাই মশল্ কনা য়াওদনা,
ঈন্দ্রিগী পেন্নবদা থিববা 'মূব' অসিগী
কম্থানববা শেগাদা চেৎনা কোনশিন্নবা,

১। সেনতব ঃ ব্রায়েনশংগী মীওই অমা।

থোকহল্লকইবসে মপান্দা,
অঙম্বা নঙগী থৌবাংবা ? নঙ নশানা য়াববা ?
— য়াবগুম্নদি উবি —
মসিবু হান্না খঙলম্লবা, য়াবম্লবা নহাক্না,
য়াম্না লঙ্জবে ঐখোয়না নঙগী নফমদা।
তৌইগুম্বসুং নঙনা মসি খঙলমদ্রবা,
হায়বি ঐগী থমোইনা —
লান্না চৈবীবে নঙনা ঐখোয়বু।
হৌন-লমচৎ পূম্বা লংথোক্লুনা,
ঈকাই খুম্নববা অঙম্বা নকাদা,
থক্ থনবীগনু ঐনা অকাযবা চৎলে হাযনা।
ঐনা অমুকসু হন্না হায়জবি,
নঙগী য়াথং য়াওবমদ্রবদি মদু,
নঙগী নচা ইবেম্মনা
মপাগী ব্বাবক্-চৈবাক্ নম:থক্লুনা
অবানবা, অকায়বা লমচৎ চৎলে;
মবমদি কোয়না চৎপা যুমলিংদবা,
মীবাল মচা অমগা মহাক্না,
লৃহোংবগী থৌবিনা পুন্দুনা,
কৎথোকখবে নৃপা'দুগী মফমদা লোইনা,
মশাগী লৈজবম্বা নীংথীবা মশক মগুণ,
ভক্তি অমসুং মবন-মথুম।
চঙদুনা যেংবীযু হৌজিকমক্, য়েংবীযু চুমই চুমদে,
কবিগুম্বা লৈবম্লবা মহাক্না[১] মাগী তৃমফম কা-দা
নত্রগা নঙগী যুম অসিগী মনুংদা,
অবানবা লম্বীদা লমজিংবগীদমক অঙম্বা নঙবু,
হাপ্পীযু ইকোক্থক্তা লৈবাক'সিগী চৎনবী দণ্ডি অদু॥

১। দেজদিমনা

ব্রবানছিয় — কনা লৈ ! মৈ অমা চুখৎলু !
মৈবা অমা পীয়ু ঐঙোন্দা !
হৌদোকউ ঐগী মী পূন্বা,
থোকলিবা অৱা থৌদোক'সিগা,
যাম্না মান্নবি ঐনা মঙদা উখিবা'দুগা;
ও ! শুমদেক্লুনা লোইবে ঈশাসে খল্লুবতদ!
মৈ ! কনা কনা লৈবগে, মৈ থাঙ্গৎলো !
(থোঙনাউদা মঙক লিৎথোক্লুনা ৱা ভাংলম্বন্দগী ইনুং চ ঙ্খিবা)

ইয়াগ - বিদায়, ঐ চৎলগে হৌজিক্তি,
সবকাবগী চাকরী তৌকবনা ঐনা,
শাক্ষী ওইবসে 'মূর' গী মাযোক্তা
— ওইবসু তাববনি সিদা 'সুম লৈববদি -
কয়া চুমদে অমসুং নুংঙাইবোই;
মবম্দি —
ঐ মুন্না খঙই ভেনিছ লৈবাক্;
থৌদোকসিগীদমক্ মহাকপু ' চপখভুনা
নাকোং ৱাই চিলহল্লবসু খবদং,
থবকমক্ তোকহনবদি তৌবোই, মবম্দি : -
হৌজিক শোক্লবা হৌখ্রবা সাইপ্রসকী লানফমদা
শোযদ্রবনি মহাকপু সেনাপতি ওইনা থাবা;
ফনা হোৎনদুনসু ভেনিছ সবকাননা
ফংলবোই তাঞ্জাসিদা
মহাক্লুম্না মতিক চাবা অতোপ্পা লুচিংবা অমা,
মযাম অসি খল্লুবগা —
নবক কোমদা লাক্লবমুক্, তুক্লচববসু ঐনা মাবু',
হৌজিক্ হৌজিক্কী ঐগী ঈশাগীদমক্
উত্তবা যাদে মপাঙ্গোংদা মাবু নুংশিবা,

১,২ । ওথেল্লো ।

ত্তশেংবদি ঐনা তৌবিব'দু তাংনি।
মাবু২ শোয়দনা থেংনগে হাযববদি,
"সেগীটাবী" কৌবা মীথুংশংদা
নঙনা হৌদোকলিবা মীযামশিংসি পুদুনা,
থিবা লাকপীযু মহাকপু';
মফমদুদা লৈবমগে ঐহাক মাগা লোযননা,
মবমসিনা, কাযনবসি হৌজিক্তি।

(ইযাগ চৎখিবা)

(দলান্ মখাদগী তুম্নগী পোষাক শেত্তুনা ব্রবানছিয় অমসুং মৈবা পাযবা মনাই মশলশিং থোবকই)

ব্রবানছিয় মখোয়না পুবকপা ফৎত্রবা পাউসে
ওম্বোক্লা চুমখবে ঃ মহাক' চৎখবে লৈবনদবে।
অহল ওইবকপনা চোকথববা, পোত্থাফম লৈত্রবা,
লাক্কদৌবিবা ঐগী পুন্সিসিদা,
থোক্কদৌবিবা থৌদোকশিং'সে
ওইগদৌবি থম্মোই কাযবা ঙাক্তা,
বোড্রৌবগ, নঙনা মাবু কদাইদা উবম্বগে ?
ও ! তোনম্রবী নূপী !
'মূব' গা লৈহৌই হাযবা নত্রা নংনা ! (বোডেঃ দা)
অসুম্বা থৌদোকসি উবগা
ঐগী ইচানুপী দেজদিমনানি হাযবদি
কবম্না খঙই নঙদি ?
মহাক্কি' হাযবদি কবম্না খঙই নখোয়দি ?
ও ! নমথাক্ তৌবমলে মহাক্লা ঐবু
ব্রাখলনা লাম্বা ফংদ্রবা তমথিবা মওংদা।

১। ওথেল্লো।
২,৩। দেজদিমনা

কর্বি পাউ চেল্লকই মহাক্কা[1] নঙোন্দা ? (বোডেঃ দা)
মৈরা খবগা চমখৎলু !
হৌদোকউ ঐগী শাগৈ-নাতে পুন্না !
মখোয় অনিবু লুহোংখ্রবরা, নঙ খঙববা ?

রোডেরিগ — অশেংবনি, হোঙখ্রে অঙম্বা।

ব্রবানছিয় — হে ঈশ্বব !
করম্না মহাক্কা মপাল থোকখ্রিবা ?
ঐ মক্কী ঈনা কয়াদা থীনা
নমথাক্ তৌবম্লবা ঐবু।
মপা ওইবা পুম্নমক !
ঙসিদগী হৌনা, কৈদৌনুংদা থাজকনুকো
মচা নুপী ওইবীশিংগী থম্মোই,
মখোয়গী মপাম্বোংগী শাজৎ লমচৎপু উরগা।
লৈতববনে অসুম্বা পোৎশেম-যাদু,
নুপীমচা ওইবীগী অশেংবা পুকচেলবু
শেরান্নবা বাখলদা পুরকপা ঙম্বা ?
নঙনা লাইবিক লাইশু পাবদা
থেংন-লাক্লখিদব্রা, রোডেরিগ,
অসুম্বা পোৎশেম থৌরাংগী মরমদা ইবা ?

রোডেরিগ — থেংনজখ্রে, অঙম্বা।

ব্রবানছিয় — ঐগী ইনাউ নিপাদু কৌরু'সিদা।
ও ! নঙোন্দা থাজরম্লবদিকো মাবু ! — ,
খরনা মায়গৈ অসোমদা
খরনা অতোপ্পা মায়গৈ অমদা চৎলু।
নঙ খঙবরা, মহাক্কা 'মূর'গা
পুন্না কদাইদা ফাবা ফংগনি ?

১। দেজদিমনা।

রোডেরিগ – ঐনা খঙ্জে থিবা ফংগদ্রা হায়না,
চানবিদুনা নহাক্না
মতিকচাবা শত্রি খরগা লোযননা
অঙম্বা নশামক্ লেঙমিন্নরবদি ঐখোয়গা।

ব্রবানছিয় – ঐনা হায়জরিসিনি নঙোন্দা
চৎপীয়ু মীয়ামসিবু লমজিংদুনা।
য়ুম খূদিং চত্তুনা ঐনা য়েংগনি, অদুগা
অযাম্বা য়ুমদা চঙবগী অধিকাবসু ঐগী লৈ।
কনা কনা লৈ ? খূৎলাই খবা লোয়নবকউ !
অদুগা অহিংদা থবক পুবা পুলিস
শবসু লোযনবকউ। চৎলু, পূকচেনফরবা বোডেবিগ ঃ
নঙগী লমন মতিক চানা শিংগনি।

(ময়াম্মক থোকখিবা)

অহানবা অঙ্ক ঃ

অনীশুবা উৎপা

মফম ঃ ওতোপ্পা লম্বেল অমা।

ওথেল্লো অমসুং ইয়াগ; মনাই ময়ামগা মৈরা পাযদুনা চঙলকই।

ইয়াগ – ঐনা মী কয়াবু হাৎলুববসু লানফমদা,
ঐগী পাম্মী ওইবগী শিনফম্না যাদদনা
যাজদে ঐগী থম্মোইনা,
হাৎলগে হায়না শীংলগা
মী অমবু হেক হাৎপদি ঃ
কবিগুম্বা মতমদসু ঐঙোন্দা লৈফম খোকপা,
'ফত্তবা' হায়বা গুণ অদুমা
পূমবাৎ বাৎলবনি ঐঙোন্দা ঃ
কযাবক্ হয়া খল্লবনি ঐনা
থাঙনা থিনগে হায়না মাগী' মবুক্তা।

ওথেল্লো – মদু তৌদবনা ফৈ।

ইয়াগ – হুন নত্তে অঙম্বা, মহাক' মচিন্থী,
মোৎখ্রবা, খোয়দৌশিকপা ৱাঙাংনা
ইবুংঙোবু হন্দুনা ঙাংই, অদুবু –

ঐগী খব লৈজবিবা
খাণ্ডবা কনবগী শক্তি অসিগী মতেংনা,
হাত্তদুনা লৈরি মহাকপু
ঙসিফাওবা ওহ্মোক্লা ৱানা।
অদুবু, ৱা'মত্তা হংজগে, অঙম্বা ঃ
লুহোংবাদুবু পাঙথোকখ্রবরা হৌনবী নীয়ম কায়দনা ?
মবম্দি, অসিম্দি কাউবিনু, অঙম্বা,
ফম্লাইবা মহাক অদুদি, প্রজানা য়াম্না যাবনি.
তৌবা ঙম্বা শক্তিদি মহাক্কী
চাংদম্নবা য়াই নীংথৌ মক্সু;
সেনটর ময়াম-লক্তগীসু,
শরুক অনী তেম্না পাঙ্গনবনি মানা,
লাউথোকপা ঙমই মহাক্লা, নংগী লুহোংবদু –
আইনগী মতুংইন্না কাযবে হায়না;
নত্রগা হোৎনরক্কনি ঙম্বামখৈ মানা,
অপনবা অমসুং অৱাবা পীনবা নংঙান্দা,
আইন্না য়াবগী মনুংদা।

ওথেল্লো – তৌজসনু মহাক্লা হেক ঙম্বমখৈ থীনা,
সিনেট অসিগীদমক্ ঐনা তৌখিবা থবকশিং
অদুগা ঐগী ইথক্লা থাংগৎলিবা ৱাকৎ –
চাংদম্নবদা অনীসি
থোইনা লম্বা হেল্লি, ঐনা তৌখিবা থবক্লা।
মীনা হৌজিকফাওবা খঙনদবি -
অদুগা অসুম্বা তাঞ্জা অসিদা
ঈশা থাগৎতুনা ঙাংবদি চাউথোকচনীংঙাইনি ইযাগ --
ঐনা খঙহনগনি মীপুম তিংনা,
নীংথৌগুম্না ৱাংলবা শাগেদগী হৌবকপনি ঐসে
যেংনবদা ঐগী ইতিক্ ইগুণসিগা

থোইনা মতিক চাদবা নত্তে,
ওসি ঐনা ওইরিবা অৱাংবা ফম অসে;
অদুগা 'সিমসু খঙউ, ইয়াগ —
ঐনা নীংথীরবী দেজ্দিমনাবু নুংশিরমত্রবা,
অদু ওইরবদি —
সমুদ্রগী ইরোননুংদা লোত্তুনা লৈবিবা
লনগী মপৈ অসি পিগে হায়ববদসু
ঐগী য়ুমলিংদবা অয়েৎপা লৈতবা,
ইনিং ইখা তৌরবা ঐগী পুন্সিসিদা,
য়ুমপানবা অমগী তৌফম থোকপা থৌদাংনা
কৈদৌনুংদা খুরৌ থাংহল্লমলোইদবনি।
য়েংউ, করিগী মৈঙাম্মো অসোমদগীসে ?

ইয়াগ — মখোয অসি তূমলুবদগী হৌগত্তুনা
নঙবু থিরক্লবা মাগী[১] মপাবুং অমসুং
মাগী মরুপ-মপাংশিংনি। মনুংদা লেঙশিনবনা ফর্বনি।

ওথেল্লো — ঐ চঙলোই; মখোয়গা থেংনখিনি।
ঐগী তৌবা ওস্বা শক্তি, ওইবিবা ফম
অমসুং মক্সবা থমোই অসিতনা মরম ওইবদুনা,
মায়োক য়াবা ওমগনি নীংথীনা মখোয়গা।
লাকইবা অসিবু মখোয়রনে ?

ইয়াগ — জানুসনা[২] শাক্ষী, নত্তমাল্লে।

(কেছিও গা ফম্নাইবা খরগা মখুত্তা মৈবা পায়দুনা চংলকই)

ওথেল্লো — মখোয়শিং অসিদি নীংথৌগী মনাই অমসুং
ঐগী লেফটেনেন্ট কেছিও নি। মরুপ মপাং পুন্নমক !

১। ডেজদিমনা
২। মমায় অনি পানবা গ্রীকী লাই অমা।

নখোয়গা গুসি অহিং উম্নবসি য়াম্না নুংঙাইরে।
করি পাউ পুরকপগে ?

কেছিও – সেনাপতিবু ইনীংথৌনা সনা পূক্লিং য়াম্না তানা নীংশিংবিবকই। সনা য়াথং পুজবকই, থীন্দনা হৌজিকমক সনা মাঙদা কাবিরক্লবা।

ওথেল্লো – নঙনা খনবদা কবিগী ওইরমগদগে ?

কেছিও – সাইপ্রসদগী কবিগুম্বা পাউ অমা লাকপ্রা –
ঐনা অসুম খঞ্জবদা ?
হায়রপ লুবা থবক মাল্লি মদু;
পাউ পুবা কয়ামরুমসু মথং মথং থাগ্রে জাহাজদা,
গুসি অহিংসিমক্ বাজসভাগী অগুম্বা পূম্বসু,
তুম্বদগী হৌগৎলুনা ময়াম পূল্লগা
গুম্না কানখবে সনা কোনুং তম্না।
ইবুংঙোবুসু থীন্দনা কৌরু হাযনা থারকপনি;
শঙ্গাইদা থিবা ফংদ্রবদা,
অগুম্বা নঙবু থিকনবা সিনেটনা
থাগ্রবনি অতোপ অতোপ্পা মী কাঙলুপ অহুমসু।

ওথেল্লো – নঙনা ঐবু থেংনবসি ফরেদা;
ঐ য়ুমদা সুপ্নগী ৱা'মত্তা হাযবমখিগে
'দুগা চৎমিন্নরসি নখোয়গা লোয়ননা। *(থোকখিবা)*

কেছিও – অগুন্না, ফীবাল থৌগল্ !
মহাকপু' কৈদৌরমলিবনো 'সিদা '?

ইয়াগ – অশংবদা হায়গেকো,
গুসি অহিংসে মহাক,

১। ওথেল্লো।

সনা-লুপানা থল্লবা জাহাজ[1] অমখক্
ঈলায-লায়না লোক্লে কংফান্দা।
ঙসি মহাক্না লোকলিবা মনাসে
আইম্না অকায়বা লৈতে হায়ববা –
মহাক মপুন্সি সিমগী হৌবে।

কেছিও – ঐ ভাব তাবা ঙমদবে।

ইয়াগ – মহাক লুহোংলে।

কেছিও – কনাগা ? *(ওথেল্লো থোবকই)*

ইয়াগ – মেবীনা[2] শাক্ষী, মহাক্তি . . .

(ওথেল্লো থোবকপা উদুনা মখা তাদ্রে, অমসুং মখান্দা ওননিন্দুনা)

. . . চঙবীবকউ সেনাপতি, লেঙবা য়াবগদ্রা ?

ওথেল্লো - যাবে চংমিন্নবসি নখোযগা।

কেছিও অতোপ্পা কাঙবু অমসু অঙম্বা নহাকপু থিবা লাকলে অসিদা।

ইয়াগ – অসিদি ব্রবানছিয়নিনা। সেনাপতি খূকউ শেনবীযু। মহাক্না লাকলিবসি অফবা মান্দে।

(ব্রবানছিয়, রোডেরিগ অমসুং অঙম্বাশিং, মখুত্তা মৈবা অমসুং খুৎলাই পায়বকই)

ওথেল্লো – কনা কনানো, ঙাইখো।

রোডেরিগ – অঙম্বা 'মূর' নি অসি।

ব্রবানছিয় – লোইশিল্লো হুবানবা অসে।

১। অর্থাদি ডিজদিমনাবু।

২। Virgin Mary

(ব্রবানছিযনা লোযনবকপা মাযম্মা মায়কৈ মাবদ কোযাশন্দুনা থং শংপা)

ইযাগ - হৈ ব্রাডেবিগ, লাউ,
নঙনা ঐগা লাম্বা তৌসি।

ওথেল্লো *(মীযম্দা ওনশিন্দুনা)*
নখোযগী লংলবা থাঙশাঙশিংদো, থাঙখুমদা হঞ্জিল্লো।
অহিং লীক্লানা চোক্তুনা কোল্লিং কাননবনি অবেম্বদা,
পৃকচেল চাউববা অঙম্বা!
খুৎলাইগী মতেং লৌদ্রবসু
মহল ওইববা নঙগী চহী মতাং অদুতনা মবম ওইদুনা
তেন্না সন্মান যংগনি নঙনা ঐগী ইফমদগী।

ব্রবানছিয হৈ পৃকচেল যত্রবা হুবানবা,
কদাইদা থৈদুনা থমখ্রে নঙনা ঐগী ইচা নুপী'দু ?
পৃকচেনচুমদবা পাপী ওইবনা নঙনা,
ভু'ওইল্লে মগাকপু পোৎশেম-যাদু তৌদুনা ঃ
তত্তনা হংলি ঐগী থম্মোইনা
পোৎশেম যাদুনা মাবু ফাবা নত্রবদি,
কবি মবমগীনো —
মাগুম্বী পৃকচেল তপ্পী, চঙখানবী,
মতমচুপ্পদা হবাউ মোমোনতা নোকচবী -
যম্বানবগী রাখলসে হঙ্গোইজখিবনা,
লৈবাকসিদা লৌববা মবল লৈববা, শকহেল্লবা
মাপুম খুদিংগী পাম্নফম ওইববা
পাখং কযাগী হাযববদাযাও'
মপৃকচেন ওনদ্রবী ইমোমনা,
চেকশিন্না থমখ্রবা ঐগী ইযুমদগী,
নুংশিবদি লাযবদনা হেক যেংবদা

যৌনা অকিবা শকফম ওইরবা অমগী
হামুক্কুম মুরবা শেগাদা চেনশিনখিদুনা
ঙসি ঐবু মীপুম খুদিংগী নোক্নফম ওইহনবা ?
ঐগী অচুম অরানদি, লেপ্পীসনু
সংসারদা লৈরিবা জীব পুম্বনা;
মীপুম খুদিংনা তাবদা চুমই হায়গনি বাফমসে,
পোৎশেম-যাদু তৌদুনা নহাক্না,
হিদাক-লাংথক পীজদুনা মাবু
অচুম অরানগী বাখল ঙমহন্দ্রগা,
নমথাক্ তৌবীরে, নৌজবিবী মাগী থম্মোইবু ॥
বাফম অসি খন্নখি'নি ঐনা
অথং অহৈ কয়াগসু তানখি'নি।
অদুবু থোকখ্রিবা থৌদোক অসিগী মরুদি
শোয়দনা ওইগনি ঐনা নীংলিবসি।
মরম অসিনা – *(তাও ওথেল্লো)*
সংসারগী মী পুম্নবু মাঙহনবা,
ফৎত্রবা যাদু- মন্ত্র কয়া শান্নবগীদমক্
ফাববনি ঐনা ঙসি নঙবু।
(মাগী মনাইশিংদা) সে, মাবু লাকশিল্লু ঃ
কবিগুম্বা নিংঙাই তৌববদি মহাক্না,
মথ্বাই মাঙগে মাঙসনু, নমদুনা ফাও।

ওথেল্লো – ঙাইখো –
খূৎ থোক্লখিনু ঐগী কাঙবুসু অদুগা অদোমগীসু।
য়ৈন- শুনবা অসিনবু অচুম্বা থবকনি খল্লমলবদি
কনাগী থৌইন-শিন য়াওদনা
পাঙথোক্লমলগদবনী ঙসাইনা ঐহাক্না।
অঙম্বা, বাকৎ অসে নঙনা ইথক্তা থাংগৎলক্লিবা,
কদাইদা চৎলগা শেংদোকউ হায়বগে ঐবু ?

ব্রবানছিয — কৈশুম শঙদা —
আইনগী মতুংইন্না নঙবু কৌখত্তুনা
নশা কঞ্জনবা জবান পীবো হাযবদ্রি' ফাওবা !

ওথেল্লো — ঐনা অঙম্বা নয়াথংসি ইনবা তাববদি কমদৌবা ?
ইনীংথৌবুদি পেলহনবা ঙম্নবোইদো,
মবমদি, লৈবাক্কী অকবা থবক অমাগী
থুনা কাবক্কবা যাদে হাযদনা ঐবু
কৌবা লাকপা মীনি অসিদা লৈবিবা'সি।

১বা অঙম্বা — অচুম্বনি, থোইদোক্লা ইকাই খুম্নজববা অঙম্বা:
ইনীংথৌদি হৌজিক দববাবদা লেংথোক্কুনা
ঙাইহৌবি অঙম্বা নঙতবু।

ব্রবানছিয — কবি ! ইনীংথৌ দববাব তৌবিবা !
অসুক থেঙলবা অহিং অসিদা !
পৃথোকখ্রো চংলো মহাকপু।
ঐগী থবক অসিসু লেম্লা ভোকপা যাবোই খক্,
নীংথৌ মশামক্, অঙম-অথৌ পৃম্নমক্,
খন্দবা ঙম্লাই থৌদোকসি মশা-মশাদা থোকপগুম,
মবমদি -
অসুম্বা থবকসিবু চথহল্লবদি অথিংবা যাওদনা
শোযদ্রবনি নোংমদি লৈবাক অসে
মীনাই অমসুং হিংচা যাইভম্বা মখৈনা
মপু ওইনা পানখিবা।

অহানবা অঙ্ক ঃ

অহুমশুবা উৎপা

মফম ঃ দরবার তৌফম কা

নিংথৌ অমসুং অঙম্বশিং মফম মফমদা ফন্রি, মনাই মশলশিং থৌগল তৌরি।

নিংথৌ - পুবকইবা পাউশিংসে অমত্তা মান্নদে অদুনা থাজবা যান্না লুবি।

১বা অঙম্বা - অচুম্বনি মখোয়শিংসে অমত্তা মান্নদে;
ঐগী খিন্দিদনা জাহাজ ১০৭ নি।

২বা অঙম্বা - অদুগা ঐগীদনা ২০০ নি।
তৌইগুম্বসুং -
খেন্নববসু চপচাবা মশীংদু অমনা অমদগী,
মবনদি ভাবনা শাদনা হায়বসি অসুন্নসু তৌগল্লি -
'সির্মদি হায়বি মখোয় পুম্বনা চপমান্ননা ঃ-
তূর্কীদগী জাহাজ মপৈ অম্না সাইপ্রাস তমলক্নে।

নিংথৌ - উম, খন্থবরদি হায়বিবা অসি ওইবা যাবা নানি ঃ
জাহাজশিংগী মশীংদা খব চেন্নবগীদমক্
নীংঙাইদনা লৈথোকপা চুমদে ঐখোযনা।
পাউ অসিগী মচং ওইবা মখোদি

চম্মই হায়না লৌবে ঐনা, অদনা -
নুংশা থিবা অমা পোক্লে পাক্লিংদা।

জাহাজ হোনবা ১ - (নুংংদগী) কনা কনা লৈবগে ? কনা কনা লৈবগে ?

১বা অঙম্বা — ঐখোয়গী লানগা জাহাজশিংদগী
পাট পুবা দুত অমনি।
(জাহাজ হোনবা নিপা দুত অমা চঙলকই)

নিংথৌ — হৌজিক্কী কবম্বা পাউনো ?

দুত — তূর্কোগা জাহাজগী লাম্মী মীপৈ অদু রোডস্ ওন্না লেংখ্রে।
পাট আস অঙম্বা এঞ্জেলোনা ঈনিংথৌদা হঙৎলুনবা
নানাইবু থাবকপনি।

নিংথৌ — লাল্লো ওনখ্রিবা অসিনা কবম্বা ওবতগীনি হায়না
অঙৈল্লশিংনা খনবগে ?

১বা অঙম্বা — মসি কৈকেনুংদা ওইবা যাবা বাফম নাত্তে;
ঐখোয়বু চমমনহন্নবা শীনবা তাৎনি,
তূর্কীশিংগী মফমদা সাইপ্রাস অসি
কয়াদা মক ওইবনো হায়বসে খন্নবা মতমদা
পীসমসু কাউগন্নুসি ঐখোয়না,
রোডসতগী সাইপ্রাসবুনা হেন্না পাম্নগুম তূর্কীশিংনা,
খুদম চনবসু লায়না খোকই মখোয়দা,
মরমদ
সাইপ্রাসদা রোডস্গী মতৌগুম্না,
ঙাকশেন্দে লাম্মীনা কনা,
লৈজদ মশাগী ঙাকথোক্লবগী শক্তিস্;
মসি পুম্বাস খন্নদুনা য়েংলগা
খনবা চুমদে ঐখোয়না তূর্কীশিংবু
লালগা লালওংদা অদুক পঙবা,

মখোযদা হান্না দবকাব ওইবা থবক্তুনা
কোয়া পাযখৎকনি হায়দনা যৈথোকপা;
ইব্রা-ব্রাদনা ওইজবা ফংগদবা থবক হুন্দোক্তুনা,
খুদোংথীবনা থল্লবা কান্নদ্রবা থবক অমা পাযখৎপা।

নিংথৌ — মানি ! মখোয বোডস্ তন্নকপা নত্তে হাযনা লৌবা চুমই।

১বা অণ্ডম্বা - অতোপ্পা পাউ খবসু লাক্লে। *(দুত অমা চেঙলকপা)*

দুত — তূর্কীগী জাহাজ মপৈনা য়াম্না চেকশিন্না শেমশাবদনা
চঙশিল্লকলে বোডস্ তম্না। অতোপ্পা জাহাজগী কাণ্ডলুপ
অমসু লাক্তুনা পুনশিন্নখবে।

১বা অণ্ডম্বা শোযদ্রে ঐনা নীংলম্বা অদুমক্। নঙনা খনবদা অকোনবর্গা
জাহাজ মপৈ অদুগী মশিংনা কযা ওইগনি ?

দুত — জাহাজ ৩০ নি ঃ অদুগা হৃজিক্তি
মখোয অদু লোইনা মমায় লৈদুনা
তশেং তশেংনা সাইপ্রাস তমলক্লে।
ইনাংথৌগী থাজববা থোইদোক্লা মংথৌনা লৈববা
অণ্ডম্বা মোনটেনোনা, থৱাই কৎনা খঞ্জবা
মনাই অমা ওইবনা, পিজবকই পাউ অসি,
অদুগা হাযজবকই অসিমস্
পাউ অসি অচুম্বনি হাযনা থাজবিগনি ইনাংথৌনা।

নিংথৌ — অদুদি সাইপ্রাস তমলক্লে হাযবসি শোযদ্রেদনা।
মার্কাস লুসিকো, — মাবু হৌজিক'সিদা লৈবা নত্রা ?

১বা অণ্ডম্বা - মহাক্তি হৌজিক ফ্লোবেন্সদা লৈ।

নিংথৌ — ৬ম্বানথখে থুনা ঐগী ওইনা মণ্ডোন্দা চিঠি অমা থাখো।

১বা অণ্ডম্বা - ব্রেবানছিয অমসুং থৌনাফবা 'মূব' অসিদা যৌবক্লে।

(ব্রবানছিয়, ওথেল্লো, ইয়াগ, বোড়েবিগ অমসুং মযাম চঙলকপা)

নিংথৌ – থৌনা ফববা ওথেল্লো,
লৈবাক্কী য়েক্লবা ভূকীশিংবু মাযোক যানবা,
ঐখোয়না নঙবু হৌজিকমক্ শিজিন্নবা তাবে।
(ব্রবানছিয়দা) অঙম্বা নঙবু উকদ্রে, চঙবিবকউ।
নঙগী মমল যাল্লবা পাউতাক্ অমসুং লমজিং
ফংদদনা লৈবন্নবনি ঐখোয়না ঙসি অহিংসিদা।

ব্রবানছিয় - মতৌ অদুম্না ননাই ঐসু ইনীংথৌগী
ফংদদনা লৈজবন্নবনি।
থৌজাল হৈববা ইনীংথৌ,
ঙাকপিগনি ননাইনা মসি হাযবগীদমক,
লাক্লিবসি ঙসি ঐনা ভূম্বদগী হৌগত্তুনা,
নত্তে বাজসভাগী অঙম্বা অমা ওইকুবনা
নত্তে, লৈবাক্কী থোকলিবা থৌদোকসি তাকদুনসু,
নত্রগা প্রজাগী কান্ননবা ৱাখন্দা লাকপসু নত্তে।
ঐঙোন্দা তাবিবা অৱাবা অসিনা
ওইশিবনা কা- হেন্না লুম্বা শাফুকনবা,
অতোপ্পা অবা অনা পুম্বদি
নমহৎখবে মাসনা লোইনা;
অদুমক্তেদসু লৌবি ঐঙোন্দা হৌজিক ফাও,
পুমকোক্ কোকহনবা ঙমদনা চৈনাখোল অদু।

নিংথৌ - কবিনো, কাবদৌববগে [১]

ব্রবানছিয় ঐগী ইচানুপা ! ও, ঐগী ইচানুপাদু !!

নিংথৌ অমসুং
অঙম্বশিং – (খোঙজল অমত্তা ওইনা) কবি ! দেজাদিমনা লৈত্রবা।

১। অর্থদি শিরবগ্না।

ব্রবানছিয - নৈত্রে, ঐগী ইফমদদি;
নমথাক তৌবিদুনা মহাকপু,
হৃদুনা পুবিব্রে ঐগী ইফমদগী, অদুগা
পোৎশেম যাদুগী ইদাক পীজদুনা,
থলহনখ্রে মাগী থম্মোইবু ফত্তবা বাখলতনা;
মবমদি পোৎশেম যাদু নত্তনবু,
পোকপদগী মমিৎসু তাংলক্লবী, ঙ্গান ঙ্গাৎপসু নত্তবী,
অঙ্গাৎপা অমত্তা নৈতবী ঐগী ইচানুপীনা
কৰিগা খুগাইগনি প্রকাতণা নাযমবু অসুক থানা।

নিংথৌ - অদুক তম্থিবকা মওংদা নচা ইরেম্মবু
মশানা মশানু কাউথোকহল্লনা,
হৃদুনা পুখ্রিবসে নঙোন্দগী,
ওইবমসনু মহাক অদু ওইনাংবা মী অমা,
পৃৎনক্রা আইনগী লাইবক যাক্রুনা
অকনবা চৈথোক পীযু মখোম'দন,
এগী ইচামক ওইবম্লবসু।

ব্রবানছিয - ননাইবু ঙমখৈ নৈতনা চানবিবান ইনাংথৌনা,
অসিদা নৈরে নাপা অদু,
নৈবাক্কী অকওা বাফম অমগ
ইনীংথৌনা কৌখৎপিকববা কানগো
'সদা কাবক্রুনা লৈবিবা 'মৃব' অসান।

মযাম বা অসি তাবদা ওল্লোক্রা নুংঙাইতবে ঐখোয।

নিংথৌ - (ওথেল্লোদা) নহাক্কী মাযাকৈদগী কাব হাযগদবা লৈবি মসিগী মবমদা।

ব্রবানছিয কাবকু অমুক হাযনাংঙাই লৌখিনদগে,
বাফম অসি চমই হাযবা নঙনা।

ওথেল্লো - থোইদোক্লা মতিক্ মগুণ লৈববা, লৌশিং-চাউববা
অমসুং ঈকাইখুম্নববা অঙম্বা পুন্নমক !
ননাইবু কোনবিবক্লবা ইঙোশিং !
ঐনা অহল অসিগী মচা নৃপী পুদুনা চৎখ্রে
হাযবিবা রাফম অসি য়াম্না চুমই;
ঐনা মহাক অদুগা লুহোংলে ঃ
অসিনা লোইবে ঐনা লঙ্জখিবা ইবাল,
অসৈ থোইদোকপা লৈতে।
রা-ঙাংবা হৈজদে ঐদি
মা অসৈগী মতৌশুম্না থোৎনা নৌনা;
ঐনা চহি ৭ শুবদগী ঙসি ফাওবদা —
হৌজিক থা ৯ লোম অদু থাদনা -
ঐগী অয়াম্বা মতম্দি লানফমদা লেনখ্রে,
অদুনা, লাল অমসুং লানফমগা মরী লৈনবা
রাফম খব নত্তনা ঐহাক্তি,
শাবস্ শঙ্ভদে পাক্লবা সংসারসিগী মনমদা।
মবম অসিনা পঙ্কান-কাংনবোই,
যনা ঐনা ইশা কন্নবা ঙাঙজবস্।
তদবু ইনাং থৌনা ননিবিনবানানা ননাইবু,
ইচম চম্বা বাইহেনা শেমজিন শাজিনবা যাউদনা,
লাঙাংগে লোইনা। অমত্তা খদনা,
ননাইনা থাংজিনজবা নুংশিবগী খোঙফম;
মদু তাবগা লেপ্লায়ু থাজসভানা,
কবম্বা চিনাক্, কবম্বা যাদু, কবম্বা মন্ত্র শাউজিংদনা
অঙম্বা মাগী মচা নুপাবু
ইখুৎ চম্বা লাক্লখিবগে হাযবদু ঐহাক্লা।

ব্রবানছিয় - অসুক্লা মতীক কিগনবা, চঙখোনবা
পকচল তম্লা নুপামচানি মহাক্তি;

মশা মথন্দগী খোঙথাংবু উজবদা
ঈকাইজবীনি ম্‌তোমতা; অদুগা মহাক্রবু –
সংসাবগী হৌন লীচৎকী ৱাংমদা
চহিগী লেংগাসু যেংদনা, ইমুংগী ইজ্জৎসু ঙাক্তনা,
জাৎ-বিজাৎ অমত্তা থিদনা,
উবদা যৌনা অকিবা পোক্লগদবা অমগা,
নুংশিনবমগনি হাযবা।"
মশাদা অৱাংপা অমত্তা লৈত্রবী,
চঙ্‌খোল্লবা মাগুম্বী নুপীমচা অমনা,
প্রকৃতিগী নিযম পৃম্বা থুগাইদুনা
অদুক লানবা থবক তৌবমগনি নীংবা,
অবানবা ৱাখল ওইগনি।
মুন্না বাখল তৌবিবগা শোযদনা খঙবা ঙম্বিগনি,
থোকখ্রিব'সে অসুম্বা ওইথোক্তবা থবক অমা,
ফৎত্রবা পোৎশেম যাদুগী পাম্বৈর্নানি।
মবম অসিনা
ঐনা অমুকসু হন্না হাযজবি'সিনি,
থম্মোইবু খুদুম চলহনবা ঙম্বা
কল্লবা পোৎশেম হিদাক্কী মতেংনা মহাক্না,
মপুকচেল ওলহনখিবনি ঐগী ইচানুপীবু।

নিংথৌ – কক্‌পা যাদ্রবা, লেঙদ্রবা প্রমান য়াওদনা
শুপ্নগী হায়বত্তনদি ৱাফম অসি,
লৌবা ঙমদে চুমলে হায়না ঐখোয়না।
মপানথোঙদা হেক্‌ উবদা
ওইবন্নসু যাবা ওইবমদবসু যাবা ৱাফম'দুদি,
থোইদোক্না মমল্ য়াওদে ময়ামগী মফমদা।

১বা অঙম্ব – অদুবু ওথেল্লো, হায়মু মসিমদি ঐখোযদা:
অবানবা পাম্বৈ শিজিন্নদুনা নহাক্না,

নত্রগা মশানা ইয়া যানীংদনা,
খুদুম চনত্রা নৌববী নূপীমচা অসিগী থম্মোইবু।
নত্রগা নুংশিনববা পাখং লৈশাবীর্তগী ওইববা,
থম্মোই লকানুংদগী খোবকপা নীংথীববা,
লৈশি লৈথোনগী ব্রাগ্রাং অমসুং হাযজবতনা,
ক্ষয় তৌনবা নহাক্লা মহাক্কী থম্মোইবু।

ওথেল্লো – ঐনা অঙহ্নশিংগী নযমদা হায়র্জাব,
সেগিটাবী কৌবা মীথুংশংদা লৈহৌবিবা
দেজদিমনাবু কৌবিদুনা মফম অসিদা,
মাবু পোকপা মপা ইবুংঙোগী মমাঙমক্তদা,
হাযহনবীযু মহাকপু ঐগী ইবমদা।
কবিগুম্বা হায়রক্লবা মহাক্লা,
যাদু পোংশেম অমসুং নত্তবা পাম্বে,
শাক্তিংগী ঐহাক্লা মাগী মফমদা,
অদু ওইববাদ –
অঙহ্নশিংগী থৌজান্না ওসি ঐনা ওইজবিবা,
ইফম অসি লৌথোকপবজা নত্তনা,
ফাঁসিগী হুকুম ফাওবা পীবিবদা,
অঙগ্বা নয়াথং ইওক নোঙ্গা য়াজগে।

নিংথৌ – **দেজদিমনাবু মফম'সিদা কৌক চৎলু।**

ওথেল্লো – **ইয়াগ, মীয়াম অসিবু চিংদুনা নত্ত চৎলু।**
নওনা মফম অদু খিং খঙই।
(ইয়াগ থোকখি, মনাইশিংগা লোয়নবা)
অদুগা দেজদিমনা আটেণ্ডেন্সির,
ঐনা ইথরজগী মমাংদা য়াগজুনা য়ারবগুম,
হায়রজথে মীনম্বা যাইহে অমজা য়াওনবা
অঙহ্নশিংগী নযমদা –

মতৌ কবম্না ঐহাক্না নীংথীববী অসিবু নুংশিকবা,
অদুগা মহাক্না ঐবু নুংশিবকপা।

নিংথৌ - হায়যু তাসি ওথেল্লো।

ওথেল্লো — মাবু পোকপা মপা ইবুংঙোনা লুনা-চান্না তৌবিবমই ঐবু,
কোয়থোবকউ হায়দুনা ইতৎ-তত্তনা কৌবমই
মখোযগীদা,
মহাক্না ঐঙোন্দা লীযু হাযবমই তোযনা তোযনা,
ঐগী পুন্সিগী রাবী অসি
চহি চহিগী ওইনা অমত্তা চিথদনা,
ঐনা শোক্লখিবা অমসুং মায পাকখিবা লানফমশিং -
ঐনা হাকথেংনখিবা অবা অনা খিদিক।
ঐসু লীবমই ঐগী পুন্সিগী বাবী অদু,
ঐনা অঙাং পিশক্ ওইনিংঙদগী হৌদুনা
মানা ঐবু কৌবকপা নুমিৎ অদু ফাওবগা।
ঐগা পুন্সিগী বাবীদা, ঐনা লীবমই -
ভুমইখ লৈতনা খুদোং থীববা খৌদোক কয়াগী মবন্দা,
ঈশিংদা ১সুং কংফান্দা শোক্লখিবা লানফমগা মবন্দা,
যেক্লবনা থুগাইববা লানাবনগী অত্তোবদা
শান্নাদা লেৎতুনা হিংলকপগী বাবী;
নাপন্না মগাই কানবা যেকলানশিংনা কানবা ।
মশাগনা মীনাই ওইনা এবু যোল্লহনকপা
মদুদগী মতৌ কবম্না ঐনা নাম্ভোবকপা
অসিনানিংবগী বাবী;
ঐনা লমতাকোযবদা ঐগী লীচৎ,
লমচৎ ব্যবহাব 'পুন্না লীবমই অমত্তা চিথদনা।
ঐগী বাবীশিং অদু লীবদা যাওবমই -
চাউববা শুকং, মী তাদ্রবা লৈকংলা অমসুং
অতিয়া খেৎনা বাংলবা চীংজাউগী মবম;

ঐনা মখা লৌগজবমই মীনা মাগী মিশাচাবগী বাবী,
মী চাবা এনথ্রোপোফাজাই[১] কৌবা হিংচাবশিংগী মবম,
অমসুং মথবাক্তা মকোক পানবা মী জাৎকী বাবী।
বাবীশিং অসি যাম্না তানীংলমই দেস্দিমনানা,
অদুবু তাবা শংলমদে ইমুংগী থবক ইনাখাং নোমলিংঙদা ঃ
অদুবু থবক নোম্না তেক লোইবগা,
যাবিবমখি থুনা হল্লক্লনা মহাক্তা
তাবমই ঐগী পুন্সিগী বাবী পম্বদু পুক্লিংচংনা,
ঐনা মসি পম্না উবমই অমসুং পুদোংচাবা ফংলমই
নোংমাদ,
ঐখোয় অনিনা চীক্লা লৈবা কনা যাওদনা;
মতমদদা মহাক্তা হায়জবমই লৌবায়ু হায়না,
অমুক্তসু মপুঙফানা, অপনবা যাওদনা তাবা ফংদ্রিবা,
পোৎথাবা লৈতনা নোমলক্লবা ঐগী পুন্সিগী বাবীদু।
ঐনা যাকশ্মা মানা হায়জাবিবা বাফম অদু।
ঐনা নহা ওইরিঙৈদা যাখিবা অশোকপা নৈনাখোল
অমগা মবমদা লিবদা, ঐনা মাবু থাজহল্লমই
বাবিবা পম্লমক অদু ঐনা, মাগী মবমগীদমক্তনি;
মদু হায়বা মপা শিঙ্কবমই মহাক্তা।
ঐগী বাবা অদুনা লোইববদা,
ঐনা বাবা লাদনা বাবিবগা
মশাং লাকওমদ্রবা নুংশাঙ্খব মপানা,
মিনুংশি লাইবা ফোংদোকপাগা মহাক্তা।
মহাক্তা পুকচেলশেংনা নুংশিনা হায়বমই –
বাবাশিং অদু অঙকপানা, ইমখৈ লৈতনা অংকপানা;
মথায়শিং অদু অবাবনা থাল্ল, ইমখৈ লৈতনা অবাবনা
থল্ল?

১। Anthropophagi

মহাক্না অমুকসু হাযবমই, ৱাবীশিং অদু তাবমদবনা
ফবমই,
অদুগা লোযননা মহাক্না খল্লমই,
ঈশ্বরনা থাবকপনি অসুম্বা নিপা অসি,
মহাক্কী মপুবোইবা ওইনবা হাযনা।
নুংঙাইবা ফোংদোকলমই মহাক্না ঐঙোন্দা,
ৱাবী অদু লীবীবগীদমক্, অদুগা হংলমই ঐঙোন্দা,
ঐগী মকপকা লৈৱা মহাকপু পামজবা,
লৈবর্বদি মঙোন্দা তম্বিনবা ঐগী পুন্সিগী ৱাবাদু লাবা,
মদু তনসু মতিকচাবে দেজদিমনাগী থমোইবু জয তৌর্বাদি
ঈঙ্গিৎ অসি ফংলবদা ঐনা, মথা লাওবমই ঐগী ৱাবা,
মহাক্না ঐবু নুংশিবমই –
পুন্সিদা ঐনা থেংনখিবা খুদোংথীবাসিং অদুগীদমক্তা,
অদুগা ঐনা মাবু নুংশিজকবনা -
মহাক্না মিনুংশি পোকই ঐগী অৱাবদা।
অসিতনি ঐনা শার্জান্নখিবা যাদু হাযবনু।
ঙসিদা লাক্লে ঈকাইখুম্নববী ইবেম্মাসিসু,
অচুম্ব অনানগা শাক্কা পাবসনু মহাক্না, হৌজিক।
([illegible])

নিংথৌ ঐনা খল্লি, অসিগুম্না ৱাবা অসি তাবদা,
জয তৌগনি ঐগী ইচানুপীমক্কী থম্মোই ফাওনা
পূকচেল তপ্লবা ৱবানচিয,
ওথেল্লোক্না ফজদ্রবা চৈনববা থবক অসি,
তোংনবো নাংথীনা ফজনা লোইশিন্নবা, মনমদি
মীওইবনা অতেকপা খুৎলাই হন্দোক্লগা,
খুৎলাই যাওদনা মখুৎতুনা লানথেংনবগী মহ ও,
অতেকপা খুৎলাই অদু শেমদুনা অদম শিজিন্নু।

১। দেজ্জদিমনাবু

ব্রবানছিয় - ননাইনা থুকমজবি ইনীংথৌ; অমুক্তা তাবিয়ু
নুপীমচা অসিনা হায়বা ব্রা'সে ঃ
কবিগুম্বা মহাক্কা মশানা মবান যাজববা
মথোয মশেল মশা মশা যানবনি হায়না,
অদু ওইববদি —
রাকৎলুবগীদমক্ ঐনা মী অমগী মথক্তো,
ওইজখ্রাগে মাওবা মৃৎপা হায়ব'দু।
লাউ, চওলকউ ইরেম্মা,
ঙাস সেনট্রাসদা ত্রিপ্লবা
মতীক মগুণ চাউববা ফল্লাইবশিংগী মনুংদা,
কনাগী যথংনো —
নঙনা হ্বাইদগী হেল্লা ইনফম থোকপা।

দেজদিমনা পকলে চাউববা ইপাইবুংঙো,
ঐগী তৌগদবা ইথৌ অসি
মী অনিগী মফমদান হৌজিক ঃ ইপাইবুংঙো
নংগী নফমদা লম্মল তোল্লবনি ঐহাক্না,
এবু সংসার অসি মশক উহংনববগা,
ইচে ইশং তক্লাবকপনী,
এগা প্লাস, ঐনা তল্লকপা ইচে,
অনি অসিনা চম্বিবক্ক এহাকপু,
নানুপা অমনা মপাগা মফমদা চেকদনা লমাং,
মতম চুপ্পদা ঐহাক্না নহাকপু
সেবা তৌগানি থবাই হকা ন কৎথোক্লনা।
মহাং আসফাওবা নগ অমনা
মপা অমগা মফমদা তৌই ম থোকপা মখোনি,
মদগা মফমসিদা তৌনবা এগী ইপুলাইবগী মযমদস্,
তৌব ঐগী তৌগদবা হথৌ অমা।
এবু পোকপী ইমানা, মাব পোকপা মপান্দগী,

নঙবুনা হেন্না নীংলকপা অমসুং সেবা তৌবকপা,
মতৌ অদুগুম্না ঐহাকসু,
ঐগী ইবুংঙো "মূর" গী মফমদা
অদুগুম্না তৌফম থোকপা ইথৌ অমা
লৈবি হায়না মীয়াম মমাঙদা ফোংনা
লাউথোকচবগী অধিকার অদু তানজবি।

ব্রবানছিয় হে ঈশ্বর!
(দেজ্‌দমনাদা)
নঙগা ঐগা লোইনবর্বানি, মরি অমত্তা লৈনদ্রবানি।
(নংহৈদ)
ইনীংথৌনা লৈবাক্কী পাঙথোক্লবা থবকশিংদো,
মখা চংথরিবা যাবগনি।
সিগুম্না ইচা পোক্লদৌবগী শকক
হেন্না ফৈ মীচাবোক অমা যোকপনা।
চঙাশল্লকউ আসিদা 'মূর',
পাংথোক্লবনি ঐনা শ্বাস মহাকপু,
হবাউ হবাউনা নঙগা নফমদা;
মহাক অসে কারগুম্বা
হান্না লৌবমদবা থোক্লবা নঙনা,
আংলমগদবানি ঐহাক্না থরায় হকচাং যাঙনা।
নংগা মৌজালদগী, মমল তাঙলবা হবুংঙা,
পূমংপল পেল্লে ঐগী থরাই'সে;
লৈত্রে ঐগা ইচা ইশু অমত্তা।
নাংনা মহাকপু ঐগী চৈবাক্কী পন্
নমংথক্লুনা চৎপা ভন্দিরবা অদুনা
ভন্দিরে ঐবুসু থম্মোই কনবা, মিনুংশি শঙদবা,
অমসুং মথোয়গী মথোঙদা যোল্লিং খাংবা।
ইনাংথৌ, ননাইনা চায়জগদবা লোইজবে।

নিংথৌ — থৌজাও খন ঙম্মক হায়রগা, ঐস্,
নঙনা শাউবা নোঙ্গগা হায়গদবা অদুম্মা,
অদুগা চাকমগা তাঙলবা মঙ্গ্র অমস্,
মাসন্ নহাক্কা লৌনবা,
ঐনা হায়বসি ইল্লবা (ওথেল্লো ওইনবদি)
মতং ওইগনি ঙমখৈ লৈতনা,
নুংশিনবনা পাম্নং লেশানা অনানসিনা
নঙগী থৌজাল মংজবকপদা মখৈথংদে।
খুদোংথীবা থৌদোক অমা কাবিঙ্গম্মা,
শোকহল্লাংদনা থোক্লবদ থোঙবা যাদ্দনা,
কোকই অনা মোক অদ
অবানবা পাক্ষং লোম্নবদা।
চাইথ্রবা থবক অমগীদমক নুংগাইদনা,
পাদনা মতম লেনবা হায়বসে
মংংক্ষা অবাবা অমা লাকুল
নুংশুল লোম্নবতনা।
লাইবকনা তমথ্রবা লিংখ্যা যাদ্রবা থবকশিং,
মদগীদমক অবাবা চাবনা মী অদনা।
অথাংবা কনাবা উৎকদবনা লাইবক্তা শা পাদনা।
[illegible] চেক্থ্রবা [illegible]।
[illegible] কপা চুম্লবদ [illegible]।
[illegible] হায়কত্না [illegible]।
[illegible] অবাবা অমগা [illegible] লেবা
[illegible]।

ব্রবানছিয — [illegible] সিনা ওইবা [illegible] অমম্মা,
লাইরাং [illegible] ঐ [illegible],
[illegible] শুম্লবদ [illegible] ঐ [illegible]।
[illegible] থোইনা লাইপ্রগ ম থাবদা।
[illegible]

মশাদা কৈথেং ফংদ্রিবশিং চনা নুংঙাইথোকপা ঙমগনি,
ইনাংথৌগী পাউত্তাক অসি তাবগা;
তৌইওস্বসুং
মথাক অদুগী খাঙবা কনবগী পীক্লবা পাইক্কদগী
অসুক চাউথবা অরাবা অসি খাঙনবা
হোৎনবা তাববা মী অমগী মফমদদি,
ইনাংথৌগী পাউত্তাক'সি লৌশিংবগা লোয়ননা,
লৌশঙদবা ঙমদে
অবাবগা মাকপ্ মাবা উথোল অদুসু।
অসুম্বা পাউত্তাকশি অসি অর্থ অনা অনা লৌগ,
মখোয়না হরাবা তাববাশিংগী থম্মোইবু,
নুংঙাইহনবা ঙম্নগুম বাহনবসু ঙমই।
তৌইওম্বসুং বাইহ হায়নসিদি বাইহ হায়দুনা,
(ওথেল্লোগী অর্থলৈতে)
ওথেল্লো এনা কেদৌইদসু,
মনাবনা চিংথাযববা থম্মোই অমবু
নাকোংদগী চগুলকপা অথুম্বা বাইহনা,
ওপেথইনবা ঙমই হায়নসে।
এনা লোম্লক্লা হায়ভাব, চনাগথৌ,
মখা চেথোববসি -
লৈবাক্ক শাগদবা অবম পুম্বা।

লিংথৌ - থোইদোক হেন্দাক্লা মপাম্লল কল্লবা
লাম্লা মীপে অমা পুবদুনা চুকিশিনা,
সান্দাবক্লে সাইপ্রস তম্না:
ওথেল্লো! লান অসি কবম্না ঙাক্কদগা হাবনা,
নাহনা খাইদগা তেম্না খওই।
মফম অদদা লৈদনসু এথোযগী
মাচকাবা অওম্বা অম

লৈবাক্কা থবক খুদিংদা লমাংদ ওইহনবা
অপুনবা হু জাগা লাল্লাউনা,
লেপ্পনা লোইনা ফবা হেনগানি হায়না,
শিন্নবদি থবক অসি নঙগী নখুগী।
অদুনা ঙসি নঙনা ফংলবা
অসীবা নুংঙাইহনবগী মতাংনসে
ওঙাইহনদ্রবা খুদংচাদবা থবকসি পাঙথোক্লগা
মকুশিন হনবা হবে হায়বদা মতম খবাদ,
হবাউ হবাও যাগান নাইহি নহাক্কী।

ওথেল্লো

সৌশিং চংনিবা সেনেটর পুন্নবক।
নুংশিবা মচানুপা হিন্দা পুন্নবা,
নাখাঁ অমগা পুনসি অসিনা,
নাওযমখা কল্লবা যোংকা ফন্দুনু,
অশান্নবা মরক মভুতনা হাল্লবা
মাল্লবা লোম্পাকীন খলহনবা তম্বাবে।
ঐ হৌখাদা লোম্পাকচাবদসিন
লাম্পুন অমগা বাননা পাংসি অদু
অদুগুম লেপ্পীনবগী শাশা অমা
হৈ ওনকহ এহুম্দা মহুইশাদগা হৈনা,
মতম অসিনা
হবাওন লৌজবে খোমাং পম্বা এথাগী।
হকিশংগা লোক্রগদীনবা লাল অমগী।
হদুগু ঐদা থকট লৈতনা হায়রাদ
হৈনা লৈগা মশামদা,
মপুংফাবা শাল থুমই যাম লাম নিংবদনা
এগী নংগী,
মশাগা অমসং মপা মপগা সম্বান
চক্কা লৈহন তম্বা শানবাযু।

নিংথৌ — নহাক্কুব্ যাম্বদি লৈজসনু মহাক মপাগাদা।

ব্রবানছিয — ঐনা মদ কৈদৌনুংদা যাবা ঙমলোই।

ওথেল্লো — ঐসু পামজদে।

দেজদিমনা — ঐনসু মদু পামজদে;
ঐগী ইপাগী মীৎয়েংফম মক্তদা লৈদুনা,
মতম্ খুদিংমক্তা নংগী থৌইদোক শাথল পোক্কবা,
লৈজনীংদে ঐ মখামদা।
থৌনা লল্লবা ইনাওথৌ,
নাংনা হঙ্গৎলগা চৎলিবা বা অসে, ঙসি
ঐগী পাক্কংবনা, অদুগা
পৃথিবীগী পামইনা পাওজাবা থৌবাংসিদা,
মতুং পামলমগা ইনাংখীনা।

নিংথৌ — নহাক্না পামইনা, দেজদিমনা।

দেজদিমনা — ঐনা 'মব' আসব ন্যাশকবাদি
[illegible] পাম্না লৈমিমগা
[illegible]
[illegible]
[illegible] থৌনা [illegible] অদুনা,
[illegible]।
শুমতৎ [illegible] এগা [illegible] অসে
এগা [illegible],
ঐনা [illegible] শুমতৎপাথবদি
[illegible] চাবিবা
[illegible] অদুনা।
[illegible]
[illegible] ইনা [illegible] তকাং,

লৈজবা খ্বিবক ঐগী। মবম অসিনা -
নুংশিজববা অঙম্বশিং পূম্নমক !
লৈবাক মবাতপ্পা পানবগী নুংঙাইবা পৃম্বা ফংদুনা,
ঐনা 'সিদা লৈহৌবগা,
চৎখিবা তাববদি মহাক্না লানফমদা,
অবেম্বা তাবেদো শেংলবা রাখল পৃম্ব'দো,
ঐনা মাবু নুংশিজকবগী ;
অদুগী মথক্তা
খাঙগনীদো কল্লবা খাইনা মৈচাক,
মহাক্না কাযনবদা।
ননাইবুসু যাথং পীনবীযু
ইপুবোইবগী তুং ইঙ্গবা যানবা।

ওথেল্লো পীনবীবো মঙোন্দা নহাক্কী নযাথং;
অদুগা ঈশ্বরনা শাক্কী ওইসনু,
ঙাস হাযজদিব'সি ঐহাক্না
নত্তে ঐগী ইন্দ্রগী পেন্নবা,
পাক্ত্র লৌর্জিক্ত ইশাদা নহা ওইবিঙগী
মহৌবা বাখল অদু;
নত্ত্রে ঐগী লন্নাই অপাম্বা থুংনবসু ঃ
ননাইনা নিজাল্বা অসি
মাগা থম্মাইনা পামজবা অদুদা
মপৃংফানা থুংহন্নবগীদমক্তন।
অদুগা ঈশ্বরগী খৌজান্না ইনাংথৌনা
রাখল আসদাদি হনবিদবা ওইসনু,
দেজদিমনানা ঐগী ইনাক্তা লৈব্রগা
ইনাংথৌনা এঙোন্দা শিন্নবিবা
লূববা অমসুং খৌদাং চাউববা থবক অসে,

১। দেজদিমনা

থৌওইনা পুক্লিং চঙলবোই হায়না।
মদুদি কৈদৌঙেদসু ওইবোই।
তথাং তশোইববা
নুংশিবা কৌবা লাই অদুনা ঈনশিন্দুনা
কান্নদবা ইন্দ্রিগী নুংঙাইবদদা তাউদুনা,
ঐগী ইথৌ পাওথোকপদা কবিগুম্বা
ঐগী বুদ্ধি লৌশিং অমসুং শক্তি পুম্বা,
পুম্মাং মাঙহন্নখিবা থোক্লবা,
অদু ওইববদি যুম্বুবী নুপী খুদিংমক্লা
খাং শাদোক্লবসনু ঐগী য়োৎকী কোকথোন্ আসনা,
ঙাংনসনু মীপুম তিংনা
তুক্কচত্রবা অমসুং ফত্রবা বা ঙাক্তা,
ঐগী মিংচৎ অসি মাঙ্নবা!

নিংথৌ - নঙ্ নশানা লেপচবো,
মহাক নঙ্গা লোয়ননা চৎকদবা ঃ
নত্রগা মথন্তা অসিদা লৈহৌগদবা ঃ
থাঁহ্নবা যাদ্রে অমুক,
লৈবাক্কী থোকলিবা থৌদোক অসিদি,
খোঙৈল থুবতনা লাকচগনি ঃ মবম অসিনা
খোঙশানবা তাবে নহাক ঙসি অহিংমক্।

দেজদিমনা – ইনিংথৌ! ঙসি অহিং!

নিংথৌ – মানি ঙসি অহিং অসিমক্।

ওথেল্লো - ঐনা থৱায় হকচাং যাওনা যাজবে।

নিংথৌ - হয়েং অয়ুক পুং ৯ তাবদা
অমুক হন্না উন্নসি ঐগোয় অসিদা।
ওথেল্লো, নঙনা ফম্নাইবা অমা থনমউ,

মঙোন্দা শিন্নবকপা যানবা
ঐখোযনা খন্নববা থবক্কী থৌবম-থৌওং কযা
অদুগা লোযননা নথৌ পাঙথোকপদা
চঙগদবা নংগী মিংথোল অমসুং ফমথোল।

ওথেল্লো - ইনীংথৌনা চার্নবিবর্বাদ, থমজবমগে
ননাইগী ফিবান-থৌগল অসে;
মহাক অসে মপুকচেল শেংবা অমসুং
থাজবা যাবা মীনি ঃ
মঙোন্দা শিন্নজবে ঐগী থরায (দেজদিমনাবু)
ঐনা চৎত্রবা তুংদা ইনীংথৌনা
থাবিবকপা য়াগনি মঙোন্দা,
চঙগদবা পোৎশিং অদো।

নিংথৌ যবে অদুন্না শাল্লগে।
নখোয থৃদিংমক হল্লো হৌজিক্তি।
(ব্রবানছিযদ, পৃকচেল চাইববা অঙম্বা।
থম্মোইগা অমসুং পৃক্লিংগা পাঙ্গল লৈনা মাগাসু,
"ফজবা" হাযবা পোৎশক অদুদা কবিন্নম্বা
লৈবন্নবাদি পিক্লবা খুভম অমত্তং
নঙগী নম্মাক নিপাগা অমবাংসে
অপানবা কুচুনি।

১বা অঙম্বা - ঐখোযসু হল্লগে অথৌবা 'মূব'।
ল্লুনা তৌবিযু দেজদিমনাবু।

ব্রবানছিয 'মূব' মহাকপু কপ্পা যেংশল্লুকো,
নঙগী যেংনবা মিৎ পাল্লবাদ ঃ
নমথাক্ তৌবম্লবানি মহাক্লা মপাব,
নঙবুসু নমথাক তৌবকপা যাই হংদা।

১। দেজদিমনা।

(নিংথৌ, অঙম্বশিং, ফম্নাইবা মযাম থোকখি)

ওথেল্লো — কৎথোক্লবনি থরায় মাগী থাজবদা।
পূকচেল শেংলগা ইযাগ,
শিন্নবম্বা তাবে নঙোন্দা, ঐগী দেজদিমনাবু ঃ
হাযর্জাব ঐনা নঙোন্দা খব শীনবিয়ু
নঙগী নূপীনা মহাক্কী[১] লোযনবী ওইনবা;
অদুগা তাঞ্জা হেক চাবকপগা,
পুবিবকউ মখোয়বু ইনাক্তা।
লাউ, দেজদিমনা —
সুপ্নগী পুংজা অমত্তা মঙায়ববনি
ঐখোয অনি পুন্না লৈমিন্নগদবা,
সংসাবগী অফ-ফত্ত তান্নগদবা,
অবোইবা পূকমেন পাওমেন্নগদবা ঃ অদুনা
মতমগী খোঙলৈ তুং-ইন্দবা যাদে ঐখোযসু।
(ওথেল্লো অমসুং দেজদিমনা চংখি)

বোডবিগ — ইযাগ —

ইযাগ — কবি হাযবগে, নুংশিববা পূকফবা মকপ [১]

বোডবিগ - ঐবু কবি তৌ হাযবগে হৌজিক [১]

ইযাগ - কৈদৌবরগে [১] ফমুংদা নুংগ্তাইনা ভুমদুনা লৈকনো।

বোডবিগ — নঙ, ঐবু হৌজিকমক ঈশিংদা চোংথদুনা শিবসিনা [১]

ইযাগ — নাঙনা অদুম তৌববদি, ঐনা নঙবু তুংদা
শক নুংশিববোই, অপঙবা নূপা !

বোডবিগ পুশি অসিনা অৱাবা পোৎলুম ওইননদা,
তিংদুনা লৈনা হাযর্বাসমক অপঙবনি।

১। দেজমিদমনা।

শিবন্তনা অরাবা পোৎলুম অদু কোক্লবা
পাম্বৈ অমা ওইনবা মতমদা ঐখোযনা
ডাক্তবগী পাউতাক লৌবা তাই শিননবা।

ইয়াগ – ও! ভুক্কচস্রবা রাখল!
ঐনা সংসাবসে মশক্ উবকপা,
চহী ২৮ হেক শুজিল্লকলে;
ইশাগী কান্নবা অমসুং ইশাগী অমাঙবা
অনিসিগী খেন্নবা খঙলকইঙদগী,
থেংনর্বাক্লি মী অমফাওবা ঐনা
মশানা মশাগী কায়নবা শিঞ্জবা হৈবা।
লমচৎ য়াওদবী নুপী অমগীদমক
ঈশিংদা চোংথদুনা শিবগে হার্যদ্রিঙৈ মমাংদা,
যোং ওঞ্জখ্রগে, মী ওইবিবসি।

রোডেরিগ অদুবু ঐবু কবি তৌসিগে ?
ঐ ইশানা যাজবে,
মাবু নুংশিকদুনা ঐনা অপঙবা তাকবা,
ইকাইনীংঙই মশকনি। অদুবু
মাবু নুংশিদবা ভুম্না 'গুণ' অদুসু
চেঞ্জদে ঐগী ইশাদা।

ইয়াগ - 'গুণ' হযবা! কান্নদ্রবা পোং অদুবু!
ঐখোয ইশানা ইশাবু,
শেমজবা যাই ওইহন্নীংবা মতংদা।
লৈকোনগুম্নান ঐখোযগী হকাং অসে,
অদুগা ঐখোযগী উইল কনবতনা মদুগী মালীনি।
লৈকোল অদুগী মনুংদা
মখল মখা অযাম্না পাম্না থাগে,
নাত্রগা কবিমঙা থাদনা লমতাং ওইনা থমগে,

নত্রগা হাব হাপ্পুনা লৈহাও চেনবা হেঙ্গৎহনগে,
শম্না হাযববদা, লৈকোল অদু
ওইহন্নীংবা মওংদা ওইহনবা হাযব'সি
ঐখোযগী অনীংবগী মথা পোনবনি।
মীওইনা পোকপা পুন্সিদা,
বাখল খন্নবা শক্তি অমসুং ইন্দ্রিগী কবাম্বা,
চাং অমত্তদা থমদ্রবদি অনি অসিবু,
'অপাম্ব'গী বাখন্না লমজিংদুনা,
তৃকচববা শাজৎ কযা চৎলকই মী ওইবনা;
অদুবু ঐখোযগী অঙাওবা বাখল্,
ইন্দ্রিগী যৌবাংবা অমসুং হকচাংগী অপেনবা
মযাম'সি লাকশিন্নবা থৌনা লৈ ঐখোযদা;
ঐগী মোত্তদি অদুনা,
'নুংশিবা' কৌবিবা পোৎশক অদো নহাক্না,
ইন্দ্রগা যৌবাংবা হাযবা পাম্বী অদুদগী
পোক্লকপা চাবানি।

বোডেরিগ মদু খক্ ওইবা য়াবোই।

ইয়াগ পুংশিবা হায়ব'সি সুপ্পগী ইন্দ্রিগী অপাম্বনি;
অদুনা মী ওইবগী নীংবগী মথা পোল্লি।
পৃকচেল চেৎপা নূপা অমা ওইযু।
কবি, ঈশিংদা চোংথদুনা শিবগে!
যৌদাং অমসুং মমিং পাঙদ্রিবা হুইনাও মাতনা,
শিজবনি ইবাক্লদুনা।
ঐনা হাযবি'সিনি, ঐ নঙগী মকপনি,
পুনশিন্দনা থন্নবনি নঙগা লোযননা ঐ'সে
কল্লবা তৎপা নাইদ্রবা থৌবনা;
থৌজিক মঙাইবে ঐনা নাংগন্দা
মাংং পাবা ভমগদবা যাম্না নাংথানা।

নাহুনা পাওখোক্কদনা থবক হাযববু সুপ্পগা
পৈশা থন্না হাপচিল্লো নঙগী শেঙ্গাউ অদু,
চৎসি, লান শোক্লবিবা মফম অদু ওন্না
লোৎলো নশক অদু অশাবা কোই অমা হাপ্পুনা,
অদুগা কাউবা যাদ্রে অসিমদি,
পৈশাদি মতিকচানা পুবকউ।
ওইখোক্তবনি দেজদিমনাগী নুংশিবনা
মতমকুইনা লেঙদনা লৈবা 'মুব' গী মফমদা,
শেল খব পুবকউ অদুগা থাজদে
মহাক্সু দেজদিমনাবু লেঙদনা নুংশিগনি হায়না।
মখোয অনিনা খংনুং নুংশিনবকপগুম খঙহৌদনা,
লাইশিনগনি পোলোইসু অদুন্না,
উগান মহাক্না শোযদনা।
কাউগনু পৈশা পুবকপাদি।
'মব' হাযবা জাৎ অসিমক্রন্দ,
২ কালে লেপ্পা নাইদ ঃ—
নাংগী শেঙ্গাও অদু পৈশা থন্না হাপ্পকউ ঃ
চসি ওথেল্লোনা মাত ওল্লবা লৈকই 'ওন্না'
চ ন্না চাক্লনিবা চাঙ্গাক অসে,
কইদ্রে ওইনগাদবা মাগা মফমদা,
খাবনা কোলোসিপ্পু
শাংগনা দেজদিমনাসু নহা অমা পাম্লকপা,
মবমদি
খোমশাউইনক্লবা মতমদা মহাক্না
ইন্দ্রগী অপোনবা যংল তুংগী,
২ চক্রবর্তী, মাতোনতা . . . হাই' সা

১। সাইপাস
২। হৈ মখল অম
৩। লমদা হৌবা অথাবা হৈ জাৎ অমা।

মহাক্লা ওথেল্লোদা লৈকর্বসি; অদুনা
থিবক্কনি মহাক্লা অতোপ্পা নিপা অমা,
শোযদ্রবনি মহাক্লা অসুম তৌবা –
পৈশাদা মতিক চানা পুবকউ।
আত্মাঘাট অসি তৌদবা য়াদ্রবা নহাক্লা
ঈশিংদা চোংথদুনা শিবা নত্তবা
খব হেন্না ফজবা মওংদা তৌ।
নওগী হেক লৈজবা পৈশা মখৈ খোমজিল্লো,
অদুগা, কোয়চৎ চৎপা, যুমলিংদবা জঙ্গলী অমগা,
পৃকচেল লেপ্তবী ভেনীছগী নূপী অমগনা
শক্লখ্রিবা শোল্লবা ৱাশক্ অসিনা,
ভূত-প্রেত পৃম্বনা তেংবাংলবা
ঐগী তৌবা ওম্বা শক্তিদগী,
হেন্না কনবা ওইবমদ্রবদি কবিগুম্বা,
শোযদনা ফংগনি নঙনা মহাকপু।
মবম অসিনা পৈশা খোমজিল্লু।
পাপ্পা লংথোকখ্রো ৱাখল্দু,
ঈশিংদা চোংথদুনা নথম্বা শিজ্জগে হাযবা,
মহাকপু লৌদনা শিগদৌ শকক্
পামজবিবা পোৎশক্তু ফংনবা হোৎনবদা,
হেন্না ফৈ থবাই খাবনা।

বোডেরিগ থবক অসি কবিগুম্বা
চৎথবকপা খোল্লবদি ঐনা,
ঐগী নীংবাশিংসি থুংনবা হোৎনবকপদা,
শোযদনা তেঙ্গবাংবিগনিদনা নঙনা ঐহাকপু।

ইযাগ - নঙনা ঐনূ থাজী।
চৎলো পৈশা নুংশা থৌবা তৌক -
হাইখ্রবদাই ঐনা নঙোন্দা তোযনা,

হাযবি'সিনি হৌজিকসু অমুকহন্না,
ত্রুকচৈ ঐনা 'মূব' অসিবু।
ঐনা মাবু নুংঙাইতবা অসিদি
যেকথ্রবনি ঐগী থম্মোইনুংদা,
অদুগা নখোয'নিগী নুংঙাইনদবা মলোনসু'
অসিদগী তাবা নত্তে।
পূর্ল্লসি ঐখোয় অনি,
লম্মন্ খুম্নবা মাগী মথক্তা,
উৎপা ঙম্লবদি নঙনা মাবু,
মবিল চুমদবী নূপীগী মপু বোইবনি হায়না
নীং থুংলে নঙগীসু, কুম্ম যেংবা গংলে ঐসু।
ব্রা যাম্না থর্মলি লোত্তুনা,
থোবক্কনি লোইনমক মতমগী মতুংইন্না।
পল্লগনু; চথবো থবক মখা,
পৈশাদি শোযদনা পুবকউকো,
মখাদ হযেং ঙাংনবসি, কাযনর্বাস হৌজিক।

রোডেরিগ - হয়েং অযুক কদাইদা উন্নাস হাযবা ঐখোয় ?

ইয়াগ - ঐগী' গুমদা।

রোডেরিগ - ঐ মতমচানা থুংলগে ননা ক্রা।

ইয়াগ - ফজে চৎলো, কাযনর্বাস। অদুগা হাবিরা রোডেরিগ ?

রোডেরিগ - কবি হায'গে ?

ইয়াগ - ঈশংদা চোংথদুনাকাদি শিকনুকো, খংলব্রা ?

রোডেরিগ - ঐ মদু শনদ্রে : হৌজিক ঐ চৎলগা
ঐগা লৈজবা লৌ ইংখোল যোম্থাক্লগা
পৈশা যৌবাং তৌকখিগ। (চৎখ্রে)

ইয়াগ

মতৌ অসুম্না পৈশা লৌথোকই
ঐনা অপঙবশিংদগী, মবমদি –
ঙহাক ঐগী মতম লেন্নবা,
ওইজ ওইথক্ খব ফংনবা নত্তনা,
মতম মাঙহনবা তাববদি অপং'সিগাবু তিন্নদুনা,
অবেম্বা তাবেদনা লৈর্জাববা ঐগী ইবৌশিংসি।
ঐনা 'মূব' অসিবু তুক্কচৈ,
মীপুম খুদিংনা খল্লি
যৌশিল্লকলে মানা ঐগী ফমুং ফাওবা,
মসি চুম্ববা লানত্রা ঐ খঙদে;
অদুবু হায়ফম্তুং চিংনবা অসিতদা,
থবক চত্থগানি ঐনা, চুমদা চুম্নবগুম্না।
মহাক্না ঐবুদি লুনা নীংই;
'সিমতুনা তেন্না খুদোং চাহল্লে ঐংহান্দ,
ঐনা মাগা মথক্তা পাঙথোক্কে নীংলিবা
থৌবাং'স মহৈ যান্নবা হোৎনবদা।
কোছিও হায়ব'সে মশক মতৌ যৈ,
উম, ঐ খনাখগে,
মাগী ফম হংসিস ঐনা শিলহৌবা,
ঐনা নাংলিবা অসিসু মহৈ যালহন্দনা,
অনখ্র য তবা থবক পাঙথোকপগী মিংৎ
কমদৌবগা ওইনা যাগদগে মসিবু ?
ঐ অনুভা খনাখগে – ও, নৈবে,
ওইদনা হার্যাজিনগনি ঐনা ওথেল্লোদা,
কা তেংগা পাংবে কোছিওগা মাগী নুপীগা।
কেছিওনা নাংথানা শকযম্ অমসুং ওল্লবা পকচেল অসিনা
লায়না টা নবা পোক্কনি মহৈন্দা,
শাও শাদ আসাদ মহাক্কা,

ঈশ্বরনা শেম্লকপলবানি নুপীমখৈবু মিতৌহন্নবা,
লমচৎ চুমদবা তম্বিনবা।
'মুব' অসিদি ইচম চম্বা মবুক লোমদবা মীনি,
হেক যেংবদনু মাল্লবদি মপানথোংদা,
খাল্ল মানা মী পুম্ব'সি পুকচেল শেংই;
মকম অসিনা -
পুবা যাগনি পুনিংবা মাযকৈদা
গাধা অমগুল্লা ইবায লাযনা মাবু।
ঐনা পাঙ্গোক্কু নীংলিবা থৌবমগী
পান্নে হাযববু লৈবেদনা অসদা।
থৌবাংসে থৌজিজি লোইনা লৈবে
ঐগী পুক্ত তানাজিন্দুনা।
লম্মল খুদনীংবা পুকচেল অমসুং অবোনবা,
অনিগামতনা ঙেংকাপ্তুনা, থৌবাংসে
ঐগী পুকনুংদা ফুর্নলবা,
মতৈ হান্নগীনা শোযদনা। (হেকদিবা)

অনিশুবা অঙ্ক ঃ

অহানবা উৎপা

মফম ঃ সাইপ্রসতা লৈবা হিথাংফম অমা।
হিথাংফম মনাক্তা লমহাং অমা

(ফম্নাইবা ২গা লোয়ননা মোন্টেনো চঙলকই)

মোন্টেনো — নঙনা লেপ্পীবা লৈতোঙ অদুদগী সমুদ্র লোমদা যেংবদা,
কাব উবা ফংবগে ?

১বা অঙম্বা — কবিমত্তবু উদ ঐদি ঃ
কল্লবা নোং নুংশিৎনা হুম্বদা সমুদ্র'সি,
ঈথক হৌবি বাংনা বাংনা।
আকাশ অমসুং ঈথক্কী মবক্তা
উবা ফংদে জাহাজ অমা ফাওবা।

মোন্টেনো ঐনা খনবদি নুংশিৎ অসি
হাইবগ কল্লা শিৎলে কংফাব্দদি;
'সিদগী হেল্লা কনবা নুংশিৎ অমওনা,
শিংখিদবি ওসি ফাওবা ঐখোয়গী যুমথক্তা;
অসুক কল্লা শিৎলবদি সমুদ্রসু,
চাংনুক বাংবা ঈথক মপেনা ফুবদা,
চাংশুনা শাবা কবম্না জাহাজনো
মচেং প্রেদনা লৈগদবা ?

শিৎলিবা নুংশিৎ অসি কনি পাউ তানগবা ?

২বা অওম্বা — তূর্কিগী জাহাজ মপৈ অদু কাং- খোং চাইবে ঃ
মসি মঙ্গায়দনা ! মবমদি —
কোংগোল থিল্লবা ঈশিংনা চামথোকলবা,
সমুদ্র মপান অসিদা লেপ্লদা উবি,
নুংশিৎনা চাইখাযববা য়াংলবা ঈথকশিংদু
লৈচিন মথক্তা নুংদুম লংখৎপগুম।
নুংশিৎনা কন্না নীকপদা য়াংনা মশোং থাঙ্গৎলকইবা
অকিবা শকফম লৌববা ঈথক্লা
উবি শম্ম'গুম কাল পূরুষগা,
অমসুং মমশিনখ্রে ধ্রুবতাবা ঃ
কৈদৌঙ্গুদা উথিদ্রি ঐনা,
অসুপ ঈবাং হৌবা সমুদ্রদা।

মোন্টেনো — তূর্কিগী জাহাজ মপৈ অদুনা কবিগুম্বা,
হিথাংফম অমদা থুপ্তুনা লৈজবন্নবদি ফবে,
নত্রবদি শোযদ্রে, লোইনমক লুপ্লমলগনি সমুদ্রদা:
মসিদগী মখোয়না হিংবা ওইথোক্তবনি।
(৩বা নিপা অমা চংলকই)

৩বা নিপা ইঙোশিং পুম্বা, পাউ অমা;
ঐখোযনা শোক্লগদবা লান লোইরে।
অকিনা ফংলবা নোং নুংশিৎ অদুনা
অসুক্কী মতিক খীনা মাঙ তাকহনখ্রে
তূর্কিগী জাহাজ মপৈ অদু,
মখা চথবক্লবোই হৌর্জিক্তি
মখোযনা পাঙথোক্কে নীংলম্বা থৌবাং'দু
উবক্লবনি থৌনা ফববা ভেনীছগী জাহাজ অমনা,
ভেক্কুনা পুম্মাং মাঙবা,

মখোযগী জাহাজ মপৈ অদু।

মোন্টেনো – মশুকপনি, মসিবু শোযদ্রববা ''

৩বা নিপা – ভেবোনানা ভেনীছগীদমক মতেং পাংলকপা
জাহাজ অদু থুংলবে।
লান্দা থৌবা 'মূর' ওথেল্লোগী লেফটেনেন্ট,
মাইকেল কেছিওদি কংফান থৌবক্তে,
'মূর' মশাদি সমুদ্রদ' লৈতৌরিব তৌদ্রি কমক,
অদুবু থৌবক্লগনি অসিদা থুনামক,
সাইপ্রসগী গভর্ণর ওইনবা হুকুমগা লোয়ানা'

মোন্টেনো অদু তাবদা নুংঙাইবে;
মতিকচাব' মা অমান মহাক গভর্ণব ওইবদা।

৩বা নিপা অদুবু কেছিও হাযবিবা নিপা অসিনা,
পুবক্লগসু ভূকিশিংনা মাযথাবগী নুংঙাইবা পাউ,
তাব কেছিওগা মাযথোংদা অবাবগী মাম,
অদুগসু নাব মহাক্না ঈশ্বরদা,
'মূর' গী অশোয অচুম লৈত্রবা হাযনা,
মবমদি খুদোংথিববা লোং নুংশিং অমনা
কন্না হল্লকপদা মখোয মশোনা কাযনবক্লে।

মোন্টেনো মতুঙদা অশোয অশুম পোক্তনবা
নাজাসি ঈশ্বরগী মফমদা ঐখোযসু:
ঐনা মাগী মথাদা থবক তৌবমদনা শঙুই,
হৈ শিংলবা লান্মীগী লুচিংবা অমানি মহাক্তি,
চালিত্রা, চৎসি ঐখোগ পুম্না সমুদ্র মপান্দা,
হৌসানদা লাক্লে হাযাববা জাহাজ অদসু,
অদুগা থৌনা ফববা 'মূর' অদবুসু
অমুক্তং ইবা ফংব্রা হাযনা, থেংনবাস মিং কপ্পনা,
শংবান্নববা অতিযাগা সমুদ্র অসিগা

অমত্তা ওইনা তিম্নখিবা
তাম্নবা লমদম অদু ফাওবা।

৩বা নিপা — চৎসি, যেংলুবসি;
মিকুপ খুদিংগী অনৌ অনৌবা মী থুংলবা যাবি।
(কেছিও চঙলকই)

কেছিও - ইথাং অসিদা লৈবিবা খৌনা ফববা,
লান্দা হৈ শিংলবা নগোযনা,
মতিকচানা ইকাইখুম্নবা উৎপিবগা 'মব' 'মিসু,
লোয়াংদাব ঐহাক্না।
ত্তাকপি শেনবিসনা মহাকপু ইশ্নবনা,
মবম্দা খুদোংথীবা কল্লবা নোং নুংশাং মরগা,
ঐগা মাগা কাযনবক্তে সমুদ্রদা।

মোন্টেনো মানা চেংশাখবা জাহাজ অদু কনাবদি কল্লি দনা।

কেছিও নম্নবা চূনা শার্দনা মাগা জাহাজ অদু,
তিনাই শাবিবা নিংগা অদসু,
মাপুম খুদিংমা ঙকনবা হৈ শংলবা অমনি।
মবম অসিনা ঐনা নাপিনবা এসু,
ওইখোকলাইদৌবা নতে, শোযদনা আংঙ্গা ওইগনি।
(ইন্ [illegible] "[illegible]" হাংনা।
(ইশংগুবা নিপা অমা চংলকই।

কেছিও কনিগো ওবিবা নখোল অসাবু।

৪বা নিপা সহর অমি খুম্ভাক লানামদু ডাযরে;
সমুদ্র মপান্দা মাযাম পাংবং লেপ্লুনা,
মখোযনা শাউবনি "জাহাজগী পাল অমা উবে" হায়না।

কেছিও ঐনা খাংনা জাহাজ অদুদা মাওবমগদবা

নিপা অসি গভর্ণব ওইবমগনি।
(তোপ কাপ্পা মখোনা তাই)

২বা নিপা -- মখোযনা তোপ কাপ্পুনা সলামী তৌবকইবসিনদি
ঐখোযগী মকর্পনি হায়বসিদি শোযদ্রে।

কেছিও — ঐনা হাযজবি, অঙন্না, হৌজিকমক্ চৎপিদুনা,
লাকইবা অসি কনানো হাযবা,
অচুম্বা পাউ অমত্তা লৌবিবকউ।

২বা নিপা — ঐ চৎলুগে। *(থোকখিবা)*

মোন্টেনো — নত্তে, নুংশিববা লেফটেনেন্ট,
নখোয জেনেবেলসিবু মযুম পাল্লববা ?

কেছিও — ওথেল্লো মবাইবক্ ফৈ ঃ
অসিগুম্বী নূপী অমা মহাক্না ফংজবে,
মহাক অমসুং মহাক্কী মিংচত্তি শাদুনা লোইববোই,
মহাক্কী মশক অদুদি
নীংথীববা ব্রাহৈগী লৈতেং কযানা,
কবিনা কল্পনা তৌদুনসু যৌববোই,
মাগী মশক অমসুং শাওং-শাদা অদুবু
থাগে হোৎনকবা কবি অদুমক
বাদুনত্রা ভোক্কনি। *(২ শুবা নিপা অদু চৎলকই)*
কম'দৌবে ' কনানো থুংলবিবা মী অদু ?

২বা নিপা — জেনেবেলগী ফিবাল থৌগল,
কনাগুম্বা ইয়াগ কৌবা অমনি।

কেছিও — অদুদি অশোয় অঙাম যাওদনা
যাম্না থুনা যৌবক্লেদনা।
অকনবা নোংহৈল-নুংশিৎ, অৱাংবা ঈথক্,

লাট খোংদনা শিংল্লিবা নাংশিং,
সমুদ্রগী ইংগাগ্ন দা লেংল্লিবা
মবাল লৈজদ্রবা জাহাজশিংবু লুপহল্লিব .
ইথক্লা যৈবদা ভুমশিল্লবা
মীরু নমথাক তৌবিবা নংজাউশিং,
কনাশল্লবা মমৃক্র তোবান -
মখোয খিবিক অসিনসু উৎতুনা ইকাইখুম্নবা,
'ফজবা' হায়বা পোৎশক অদবু,
কাউথোক্লুনা মাং তাক্লবা তৌবা মখোযগী খুকতে
লাইবেস্ন্বগুম নাংথাবরবা দেজদমনাবু,
যৌহল্লকলে য়েখায থিনগাইবা খোকহন্দনা,
মখোযগী মবক্তা লিতুনা।

মোন্টেনো হাযবিবা মহাক্তুবু কনানো ¹

কেছিও - হাযবিবা মহাক অর্দি,
এখোযগী মাতক মগুণ লৈববা,
কেপ্তুন অসিমক্তীসু কেপ্তুনান,
থৌনা ফববা ইযাগবু থিল্লকনবা,
খন্দ্বান ভেনীচ্ছদা।
ইন্দ্রবু চয়োং অমা হানা খুংলবা,
এখোযনা খল্লম্নদগী।
মাতক মগুং াাউববা ইশ্নল, ডাক শেংবীয ওথেল্লোবু,
সদুগা পাঙ্গল্লবা নচগী নুংশাশ্ববনা,
ডস্ম্বিযু মাগী জাহাজগী পালবু,
মবর্মদি
অহাক্কা াাউববা, চোকশিন্না শাবলা
থাজাও অমনা নাংডাইহন্নবা হিগাংযম অসিবু,
নুংশবনা নিংদোন চাং,

১। ওথেল্লো

দেজদিমনাগী পাম্বোম অনিনা চেৎনা কোঞ্জনবা,
আশা য়াওদ্রবা ঐখোযগী থম্মোযদা
অনৌবা আশা হাপ্পিদুনা
সাইপ্রস লৈপাক পুম্ববু নুংঙাইহন্নবা।
(দেজদিমনা, এমিলিয়া, ইযাগ, রোডেরিগ, অমসুং মনাইশিং চঙলকই)
যেংউ! জাহাজ অসিগী মনুংদা যাওবা
মমল যান্নবা লন অদু, কংফান যৌবক্লে!
সাইপ্রসগী প্রজা পুম্নমক্, খুকউ লৈতাউ ইবেম্মসিগা মমাংদা!
ঈকাইখুম্নববী ইবেম্মা, লেঙশিনবিবকউ।
ঈশ্বরগা খৌজাললনা ওইসনু ঙাকশেনবা
মায়কৈ মাবমক্তা নঙবু।

দেজদিমনা – য়াম্না নুংঙাইবে, থৌনাফববা কেছিও।
কবি পাউ তাবগে ঐগী ইবুংঙোগী?

কেছিও – মহাক্তি হৌজিকফাওবা থৃংলদ্রি ঃ
অদুগা মহাক অশোয অঙাম যাওদে,
য়াম্না থুনা থৃংলবনি –
অসিদগা হেন্না থোইদোক্লা খঙজদে।

দেজদিমনা – ও, অদুবু ঐগা থম্মোযদা অকিবা পোক্লি –
নখোয অনি কবম্না কাযনবক্লিবা?

কেছিও – সমুদ্রদা, আকাশদা,
অকনবা নোং নুংশিৎ শিৎপনা
ইবানি কাযনবনি। অদুবু তাউ!
"জাহাজগী পাল" হায়না পাউবিরসি।
(মনা গা লাউবকউ "জাহাজগা পাল"। নোংমৈ মখোন তাই।)

২ নিবা নিপা — মখোয়না লানবনা অসিবু ইকাইখুম্নবা উৎলক্লি ;
মসিসু ঐখোয়গী জাহাজ ওইবনা তাই।

কেচ্ছিও — চৎলু চপচাবা পাউ লৌক।
(নিপাদু থাকখি)
পুকফবা অঙম্বা ইয়াগ,
ওবাম তবাম ওকচবি নত্তাকপু।
(এমিলিয়াদা) লেঙশিনবিবকউ ইবেম্মা।
পুকফবা ইয়াগ,
ঐনা ইকাইখুম্নবা উৎপগীদমক মতৌ অসুম্না নঙগী নুপামচা
খোয়শাউনবিগনু মবমাদ
ঐবু হোকললকপা মওং অদমক্তনা
মতৌ অসুম্না ভদ্রমহিলা অমদা
ইচৎখীনা ইকাইখুম্নবা উৎপা ভমইবনি।
(এমিলিয়াবু চুপ্পুনা)

ইয়াগ — অঙম্বা মতাক মচিনবানাদি থেংনবে,
মদুবু মানা ঐঙোন্দা শিজিন্নবা লৈত্রোন দতংগা
থেংনববদ হেক থঙগদবনি।

দেজদিমনা — ওথেল্লোক পান, মহাক্তু বা শুকখাউ তাউদবনি।

ইয়াগ — কা হেন্না তাউই তশেংনা,
ঐনা তুমখংদা তৌবা মতম খুদং
অসুম থাংদনত্তা লৈ :
মবীনা শাক্কা, ইবেম্মগী মাঙদা হায়জবিসান ঐনা,
মগী লৈফমদা খম্মোইনুংদা ফাদুনা থম্লগা,
ঐবু চৌব হৌড্রাকসু নাক মনুংদা।

এমিলিয়া — মসম্না হায়নবগী মরম নঙগী কবিদু লৈতে।

ইয়াগ — এনা হায়রিবা পিসদা যেঙনা কানদে :

নখোয় নুপী হায়বা জাৎ অসিগি
ইমুংদগী হেক থোরকপদা
বা ভাংদনা অয়েকপা লাইগুম্মা,
নৈরক থানাদনা শবিক কুম্মা,
চক্কখ্রমদনা লম হৌদোংগুম্মা,
মীগী ফত্তবা তৌবা মতমদনা
সাধু সন্ন্যাসী শাক্তিম্ম,
মীনা নখোয়দা থক্তিক্কং কায়ববদা
চংশবীগা শকফম লৌই,
যুমনী থবক ইনথাং নোম্বা মতমদনা
থৌওইনা পূক্কং চঙ্দে,
ফমুংদা চঙ্লগনা যুমগী মরেম্মা শাদুনা,
অরেপ্পা নৈতনা ভাংবিনি।

দেজদিমনা - ও, নঙসি তোনথবা জীবনি,
নঙনা নুপী হায়বা জাৎ অসি
লোইনবা তনদুনা ভাঙলে।

ইয়াগ - নত্ত, ঐনা হাগবিবসি অচুম্বনি,
পাল্লবাদ লৌ ঐবু বিশ্বাসঘাটক্ অমনি হায়না ঃ
নখোয়না ফমুংদগী হেক থোরক্পগা অরেম্বদা মতম
মাঙহল্ল।
ফমুংদা চঙথ্রগনা রা ভাঙবা হৌই।

এমিলিয়া ঐনা নঙনু ঐগী লমচৎকী মবমদা
শীংথবীয় হায়জদে।

ইয়াগ উম, এ হায়জরোই।

দেজদিমনা - নঙনা কাবিগুম্বা ঐগা লমচৎকী মবমদা ভাঙবা তানবাদি,
কবিদি হায়গনি "

ইয়াগ — পৃকচেন ভপ্পবী ইবেম্মা,
অদুম্না শিষ্কাদু পীবিগনু ঐবু, মবম্দি -
মীগী মবান পুংথোকপদনি ঐনা হৈজবা।

দেজদিমনা — সে, হোংনৌ!
হথাংফমদা মী অমদি থাখ্রেকো ?

ইয়াগ - হোয়, ইবেম্মা।

দেজদিমনা - পূক্লিং অসি নুং নাংগ্রে ?
অদুবু ইশানা ইশাবু নমথাক তৌজদুনা ঐনা
শাশিন্নাবা পুক্লিং মকালাম্বা।
সে হায়বো, কনম্না থাগৎপিগদৌবি নংনা ঐবু ?

ইয়াগ — অদুদি ঐ হায়বগে,
তশেংবদি ঐগী ভাঙনবগী শক্তিসি
অনাপ্পা গোমনা চেম্বগুম মতু চোম্না ফি-দা
থোবকই যাম্না বানা ঐগী থোপ্পু চিংখায়দুনা;
অদুবু হৌজিক্ত ঐগী কল্পনা লাইবেন্নাসি
তৌবাং ফজ্জা কুমলে, মমিং মমাই পাংলে :
নপী অমনা মশকসু ফজবনা লৌশিংসু শিংলবাদি,
মাগী মরৌশিং অদুনা,
শাজিন্না খুৎলাই ওইনা নশক অদুবু।

দেজদিমনা - ও, ভাকনা ফজনা থাগৎপিরেবদা!
নূপী অদুনা কাবগঙম্বা মশাংভ খীবগা
লৌশংদি শিংলগাদি কবমদৌবা ?

ইয়াগ — নূপী অদুনা কুচু মরবা
অদুগা মথক্তা লৌশিংস শিংলবাদি,
মাগী অমুবা শকফমগা চনবা
কুচু তৌবা নূপা অমা থিবকানি।

দেজদিমনা — হেয়া হেন্নদুম ফত্তবা ওাক্তা হাযবে।

এমিলিয়া — মশক্তি ফজবগা জ্ঞান যাওদ্রবদি ?

ইয়াগ — মশক ফজবী মহাক অদুদি অপণ্ডবী নত্তে;
পঙজববসু, মযুম মকৈ পান্দুনা
মচা মশু কোণ্ডবদি মওমই।

দেজদিমনা নঙনা ওাওলিবশিং অসিদি
যু-যোনফমদা তিল্লিবা অপণ্ডশিংবু,
ওহাক নোক্লবা ওাওবা, চৎনদ্রবা ব্রাবেম ওাক্তনি।
মশকসু থীববী জ্ঞানসু য়াওদ্রবী নূপা অমবুদি,
কবস্পা থীববা বাইনা থাগৎপিগদৌবিবা নঙনা ?

ইয়াগ — মশক ফজবী, লৌশিং শিংবী নূপী খুদিংমক্কা
থীবা ওম্বা তাৎ অদু, তৌবা ওল্লোইদবা
অদক পঙবা অদুক মশক থীবা নূপী
সংসাবদা লৈত্তে।

দেজদিমনা ওস্থোক্কা পঙখ্রবা জীব!
খাইদগা হেয়া ফৎখিদ্রবীশিং অদুবুনা,
থাগৎ লে অভুকপা ফংনা নঙনা।
অদুবু হায়যু,
মাগা যেক্লবদা যাওবা ইচংথৌনা,
মহাক্কী মনমচংকী মবমদা,
শাংখা লৌ হায়না শাংনবা ওম্বা
থৈজিংশংনা মতিকচানী অমবুদি,
থাগৎকনি নহাক্কা কবম্বা নাইনা ?

ইয়াগ — পা অদুনা মশক ফজবগাসু থক চৌখাপুনা,
না ওাংহম খোল্লবদসু কা হেয়া থক খাচদবা
নংনমখুমগা অবাংপা লৈত্রগাসু কা হেয়া শেং দবা,

মানা হেক অপাম্বা পোৎ অদুতা
ফংবা ঙম্বগী শক্তি লৈজববসু,
অপাম্ববু থাথা থম্না ঙম্বী ;
মহাক অদুনা শাউবক্কবা অমসুং
লম্মন খুম্ববা পাঙ্গলসু মখুত্তা লৈববদা,
মাগী নুংঙাইতবা অদু নমথদুনা
অশাউবা অদু মাংহনখিবা ঙম্বী ;
মহাক্কী বুদ্ধি অদু অসুক্কী মতিক থেনবা নত্তবী
মদুদি সাল্মোন ঙাগী মমৈগা
কোড ঙাগী মকোক্কা শিংসি হায়বা যাগদবী ;
মতম্চুপ্পদা রাখন খন্দুনা লৈজববসু
মাগী রাখন অদু কনাদসু ফোংদোক্কবা,
নুংশিনবা পাখংশিনা মতুং ইল্লকলে খঙুলবদসু
হন্না ফাওবা যেংদবা ঙম্বী,
ফংবা থোক্কবদি অসিগুম্বা নুপী অমা,
মহাক অদুনি থাঙ্গৈশেংবা নুপীদি।

দেজদিমনা - ফংবা থোক্কবা কবি তৌনবা ''

ইয়াগ - অপংশিংগী মনা ওইনবা ;
কপ্লোম লোমদুনা যুমগী খাচেং-থুমচেং শুনবা।

দেজদিমনা ক্যাদা ফত্রবা বারোইনা!
এমিলিয়া, ওইজবনসু মহাক অসে নংগী নপুবোইবা,
লৌকনুকো মহাক্কা তাকপা অমত্তা।
কান হায়বগে, কেছিও '
মহাক্কা হায়াত্রিবাশংসে মোংত্রবা
রাবহাব যাওদ্রবা বা ডাক্তা নত্রা '

কেছিও মনা মাথাত্রিবাশংসে, ইংবম্মা,
মাগী লায়াদৌ শিকথা না ঙাক্তোনা।

অদুবু মানা শাবিবা পণ্ডিত আসদগীদি,
সাম্মী অমা ওইবর্নাদি খজিক্তং হেন্না ফৈ।

ইয়াগ — (মথক্তা) কেছিওনা দেজদিমনাগী মখুৎ পাযবি ঃ
উম, নাপ চীক্লা বা ঙাওনাবি মহাক্লা দেজদিমনাগা,
অসুক পিক্লবা মিবাং মহুম অসিতনা,
কেছিওগুম্বা চাউববা হযিং অমবু,
লাংদা থুহনগনি ঐনা।
উম, নঙনা মঙোন্দা মোমোন নোক্লিব'দু
নোকউ,
নঙনা উৎলিবা হৌনবী ব্যবহাব অদুমক্তনা,
যোল্লিং চনগনি ঐনা নঙগী নখোঙ নখুৎ।
নঙনা হাযখির্বাশংদু অচুম্বনি, যাম্মা চুম্বনি।
অদুবু অসুম্বা চালাক অসিনা,
মাঙহনবা থোক্লবদি কবিগুম্বা,
লেফটেনেন্ট হাযবা নঙগী ফম অসি,
হোযনা হোযনা চুপহন্দুনা নহাক্লা,
নঙগী খৎশা অহুম'দু দেজদিমনাবু
শাশিন্নবিব'দ্ হৌন লমচৎ খঙবা ভদ্রলোক অমা,
হেন্না ফবমর্গনি হৌবমদবনা।
যাম্ম' ফৈ, চুপউ।
ওস্থাক্লা ফজত্থবা চৎনবী ব্যবহাবা।
অ ওইবমক অদনি। হাযবিউমক্তদা নঙনা,
চুপক্লি নখুৎ অদু নচিনবান্দা থমদুনা।
খৎশা নাত্তু মখোযশিং অদু নঙগী নাফমদদি,
ঙ যাওবা ইঙ্গেকসনগী যেভুমনি।
(মৈ খঙা বেঙ্গল মখোল তাই) "মূব" নি।
এনা মাগী বেঙ্গল মখোল খঙই।

কেছিও - না না, মহাক্কনি শোগাদ্রে।

দেজদিমনা – অর্দুদি চৎসি, ঐখোয় মাবু ওকলুবসি।

কেছিও – য়েংউ, মহাক যৌবক্লে।

(ওথেল্লো মনাইশিংগা লোযননা চঙলকপা)

ওথেল্লো – ও, ঐগী শকহেন্নবী থৌনাফবী লাম্মী!

দেজদিমনা – থবায়গী মবুংঙো, ওথেল্লো!

ওথেল্লো – নঙনা অসিদা ঐঙোন্দগী হান্না থুংলম্বদা,
ঐনা হবাউবা অদুপ ঙক্লা থোকহল্লে।
ও, ঐগী থবায অসে পূমপেল পেল্লে!
লোইখিবদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ খুদিং,
ফংলবদি অসুম্বা শান্তি অসি
হল্লসনু নুংশিৎনা কন্না
অশিবা মী ফাওবা য়াকাযনবা।
লংখৎলসনু ঈথক্লা, ঝানা চৎচবিবা জাহাজ অদুবু
ওলিম্পস্ চীংজাউমুক ঝাংনা মথক্তা,
অদুগা লংথবসনু অমুক মখাদা নোম্লা,
আকাশদগী পাতাল যৌবা মখৈ!!
হৌজিকমক ঐনা শিবা তাববসু
ওইগনি খ্বাইদগী নুংঙাইবা মীশি হাযবদু
মবম্দি, খঙঙমদ্রবা ঐগী তুংগী পুন্সিদা,
ঐগী আত্মানা অসুক পেনবা অসুক নুংঙাইবা
অমুক হন্না ফংলকখিনি হাযবসে ঐনা চিংনৈ।

দেজদিমনা - ঈশ্বরনা মদু থোকহনবিদসনু।
ঐখোযগী নুংশি নুংঙল, যাইফবা,
নোংম নোংমগী হেন্সৎলকপা,
পীনবীযু নিঙসি ঈশ্বরদা।

ওথেল্লো মদুমক ওইহনবীযু চানবিহৈবা মপু!

ভমদ্রে ফোংদোকপা মাতকচানা,
থুসি নুংঙাইবা অসে ঐহাক্কা;
(মহক্কী পায়দুনা)
পনদুনা লৈরে ঐগী লোলপুন্না অসিদা,
হবাউমনাখিবনানি মসি, অদুনা
অসুম্না – অসুম্না – অসুম্না তৌবরতদা,
অপেনবা ওইগনি ঐখোয় অনিগী থম্মোইনা।
(ওথেল্লোনা, ডেসদিমোনাবু হন্না হন্না চুপতুনা)

ইয়াগ (মথন্তু) উম, নখোয় অনিগী সুব অদু,
তিম্নবি হৌজিক্কি অমত্তা ওইনা!
অদুবু নখোয়না পুকচেল শেংবনি লৌববা ঐহাক্কা,
ফোয়দংকনি নীংথীবা সুর থোক্লিবা তার অদু।

ওথেল্লো — লাকও, চত্তলসি ঐখোয় পুন্না লানবন মনুংদা।
মরুপ-মপাং পুম্নমক্ নুংঙাইবা পাউ পুবক্লি;
ঐখোয়গা লাল লোইরে,
লুপহনখ্রে তুর্কিগী জাহাজ পুন্না লোইনা।
করম করম পাল্লি নখোয়দি,
ইথক অসিগা ঐগী থাযনগী মরুপ মপাং পুম্নমক
(সেপ্রস্কীমনা) চাম্মথোইবরা নহাকপু
করম করাম ওক্লমগনি সাইপ্রসদা,
মরমদি গান্না নাংই লমংসগা মীনা ঐবু।
নুংশিথোইবনা।
ংং তেংমনাখবনা নুংঙাইবা অসিনা,
থুসি এগা থম্মোইদা মাঙাবনা,
ভাস্কুল এনা অপাঙবা অমত্তম,
অপুম্ব হা ভুদনা শান্নদনা না ভাঙা।
লকুলা ফবনা ইয়াগ, ঐনা না, গান্দা থাম্মোন,
হখা নমদা চুত্তনা, লৌখনাক্ত এগা টপকি অদ:

পুৱরকই লানবগী অসিদা জাহাজগী কেপ্তেন অদুনসু
অফবা মাৰি মহাক ঃ
মাগী মখোইশিং মইহৈগীদমক্
মতিকচাই মহাকপু ইকাই খুম্নবদা।
চৎসি, দেজ্দিমনা,
অমুকসু হন্না হায়বি ঐনা,
ওথেল্লোগী তাঞ্জা চেনা উৎলবে ঐখোয় অনি সাইপ্রসতা।
(ওথেল্লো, দেজ্দিমনা, মনাইশিং লোয়নানা চংলকই)

ইয়াগ
নহুগা ঐগা থুনা উন্নদবা য়াদে হিথাংফমদা।
লাউ অসিদা।
নহুনা নাবল লৈবদি -
মবম্দি মীনা হায়রৈ,
নুংশি নৈনা চাক্লবদি, পাহুদবা মী ফাওবা,
ইথা থাহনা ইংহ থৌবকই অহুকপা হংলা
তাউ ঐনা হায়বরসি।
লেফটেনেন্ট কেছিওনা হুসি অহিং,
মিতশাবা খাংগ্নবা সম্ব্র ওইনা
ঐনা ইহান হায়গদবা বাদ আসনি ঃ
দেজ্দিমনাসু ওনশংনা নুংশিনলবনি মগা।

রোডেরিগ
মহাক্কা! কনিনা হায়বরসিবু,
ওইথোক্কবনি মদ।

ইয়াগ
বা অমত্তা তাহগনি,
অদুগা চুমই [illegible] নাঙবুকনা,
ঐনা হায়গদৌরিবা অসি তৌরিগদবনি।
'মদ' অসিনা [illegible]
অহুকপা ওইদবনা [illegible],
[illegible] দেজ্দিমনানা মহাক [illegible]

প্রোক প্রোক চাক্লা ঃ মবম অসিনা –
মাগী মীনম্বা অর্থ যাওদবা ব্রাঙাংশিং অদু তাদুনা,
অসুম নুংশিখিনি নীংব্রা মহাক্লা হৌজিকফাওবা 'মূব' বু ?
অসুম্না খনবা চুমদে নঙগী অচুম অবান খঙগল্লবা
থম্মোইনা।
য়েংনিংলমগনি শোয়দনা মহাক্কী[১] মমিৎ অদুসু ফজববু,
অদুগা কবি নুংঙাইবনো মহাক্লা ফংগদবা,
সোবেন অসিবু য়েংলগা ?
ঈংথবক্লবদা শাগৎলম্বা ঈ অদুনা লৈমিন্নবকপদগী,
মথৌী শঙগদবনি অনৌবা আশানা,
তম্ববক্লিব'দু কোক্লবা; মদুগীদমক চঙই,
ফজবা শক, মান্নবা চহি মতাং,
লমচৎ-ব্যবহাব অমসুং শকফম ;
পূমব্রাৎ ব্রাৎলবনি পূম্নমক'সে 'মূব' সিগী মশাদা ;
অদুনা থল্লক্কনি শোযদনা দেজদিমনানা,
অচঙবা পোৎচংশিং অসি ব্রাৎপদগী,
নমথাক্ তৌবিবম্লে নৌববা মহাক্কী যৌবন অসিবু,
'মূব' অসিনা মতৌ থীনা ;
ওংথাবক্লনি মতমদুদা মহাক্লা অনা লোযদুনা মশাদু,
পাল্লক্লবোই, তূক্কচগনি 'মূব' অসিবু ;
শোযদ্রবনি নুংশিনবকপা অতোপ্পা নিপা অমগা,
মীওযবগী হৌনবী মতুং ইন্না ;
অদুনা, অঙম্না, চুমই হাযনা লৌববদি নহাক্লা,
এৗনা হাযখ্রিবাশিং অসিনা – লৌফমসু থোক্লিবানি,
খাইদগী চুম্না, মশানা তাজবা ব্রা ঙাঙা ওইবা মবল্লা –
অাই ভ কনা লৈবিবগে, কেচ্ছিওগুম মবাইবক ফবা ?
পূক চেল লেপ্তবা হবানাবনি মহাক্ত,

১। দিজদিমনা।

মাগা থাম্মোইদা লোওনা থান্নবা,
তোনথ্রবা শাগী খৌবাংবা অদ কা হেন্দোনজুনবা,
শাশিয়াবি মহাক্কা নোম্লকপা, ব্যবহার ফজবা।
উম, মা নত্তনা অতৌ লৈতে, মা নত্তনা অতৌ লৈতে,
অওন অওনচাবা ফত্রবা হুনানবা -
খুদোংচাবা তাঞ্জাদা লুমদুনা লৈবা,
মীগী অচিং অকোমদা য়েংবা,
খুদোং চাবা লাক্ত লাক্তুগা,
লাক্তবা শিঞ্জবা হুম্না তোনথ্রবা জীব।
অদুগী মথক্তা, মশক ফজ "হবানবা" অসি,
মশা নত্তানি অমসুং অপঙবা থাম্মোইবু জয় তৌবদা
চঙ্গাদবা পোৎচং খুদিংমক, যাওবি মত্তোন্দা ঃ
মহ পুনা ফত্তবা ডাকুনি মহাক, অদুবু
মতংথ্রে নপা অসিনদি হান্ননা মাগী থাম্মোইদা।

রোডেরিগ মহাক্কু অদুম তৌবমগনি হায়বা থাজবা হুমদে।
য়াম্না মপৃকচেল শেংবীনি মহাক্তি।

ইয়াগ অথা যাওদবা[1] মহাক্কা থক্কিবা যু আসস্
অঙ্গবনা অদুম শেম্বান ঃ
অংশংবা নুপা ওইদগ্রবা মহাক্কা
নুপাশবস্লোই কৈদৌদা 'মব' অসিন্।
লমাংৎ নাইদবী, সত্তা শাবি।
নত্তবু উদ্রে মহাক্কা নুংশিনা পাযবা
কোচ্ছওগী মথৃৎ অদ ; হা, নত্তবু উদ্রে।

বোডেরিগ শ্রম, মদদি এস্ উই, অদবু
মদাদ শুমপা নোম্লকপা উৎপানি।

১। দিক্তদিমনা।

ইয়াগ - ইন্দ্রিগী অপেনবা থিবকপান -
ঐনা বাশক্লনা হার্যাবি'সিনি,
মোৎলবা, তুক্কচববা ৱাখল কয়া ফাওবকপগী খুদমনি
অসুক্কী মতিক্ নকশিন্নবি মখোয়'নিগী মচিনবান অদু,
অমত্তা ওইনা তিন্নবি মখোয়'নিগী নুংশাম্বব অদু
ফৎত্রবা ৱাখলনিনে বোর্ডেবিগ।
অসুম্বা কোইনদবা থবক অসিনা লমজিংদুনা,
পাঙথোবকই মপুং ওইবা থবক অদুসু মীমিথংদা।
তুক্কচৈদা! অদুবু অঙম্বা,
যাবিসু নহাক্না ঐনা শীংবা অসি,
ঐনিদো নঙবু পুর্বাক্কনা অসিতাম্না ভেনীৗছদগা।
সাম্রি পুনিয়ু ঙাস আঙংসি মশেল থাঙদ ,
ঐ তৌজিক হায়বদুগে [illegible] [illegible]দনা [illegible],
কেছিওনা নঙবুদি মশাক থমুদ
- ঐসু ননাক্ত' লৈগনি -
নঙনা কোছ ওবু শাউনবা শিল্প,
না লাউনা লাউনা [illegible], [illegible]
মহাকপু থকশ খাশ থাংজ হায়বা [illegible]
মতম মতমগ থোকপা, [illegible] ফানা [illegible]
পাপ্পি অম [illegible] শিঙ্গিংগবা।

বোডেনিগ দম, অদুগ [illegible]।

ইয়াগ - অঙম্বা, মহাক অসি যাম্না কিংবা অমসুং
শাউগনবা মানি, মবম অসিনা
থুং থাবকপা যাই মহাক্না [illegible]দা ঃ
ঈকাইব পাকবগাদমক অদুম্না,
মদ [illegible] ওইবদুনা এনা
[illegible] সাইপ্রস পথা মথক্তা,
[illegible] যাবোই মাংশবাগী মপুক্কিং অদ

মফম লৌ.খাকাত্রবা ফাওবা কেছি ওবু।
অদু ওইববত্তদা, লাপত্রবনি
নওগী আশাগী পঙ্গুংফম যৌগদবা ;
মদুগী মতুং তাবদা,
ঐখোাগগী অপনবা ওইবিবা মী অসে
তাঙ্খাকখবা ঐখোযগী লম্বীদগী,
এগা ইশগী শক্তি শিঙ্জিংদুনা,
ত্যেংনগনি নওগী আশাগী পঙ্গুং যৌনবা।
অদু নত্তনা ওইখোড্রে মঁহৈ যানবা।

বোডেবিগ — খুদোংবোবদবু ফংকদদি, নঙনা হাযবদুমক তৌবনি।

ইযাগ মদগাদ ঐনা শোয়দ্রে হাযবিসনি।
ওহাক্তু [illegible] ঐ [illegible] উঃাস [illegible]।
তৌদক ঐদি লাহাকদা [illegible]
খন লৌধবাক [illegible] 'মুর' গা মপোং মঁটদু।
[illegible]

বোডেবিগ [illegible]

ইযাগ কেছি [illegible] দেসদিমনা [illegible] হায়বতি
[illegible] থাক্তি ঐনা ;
দেসদিমনানা মথাকপু [illegible] শিবসু [illegible],
[illegible]
'মুর' অসে, ঐনা শক্ কয়া নুংশিত্রেবসু মানু,
[illegible] তক্লী যাম্না, মিনু শ থওই, পুকচেল চাউই :
মদুমক্তা শোযদনা ওইবমগনি দেসদিমনাগী মযমদা
[illegible] হেনা নুংশিজবনা মপু বোইবা অমা।
[illegible] ঐনাসু দেজ্জদিমনাবু নুংশ
[illegible] ইন্দ্রিগী [illegible] অমোংপা [illegible],
ঐ [illegible] মংত্রবা খনক অদুদ [illegible]

লৈ হাযনববস্ মানা —
সপ্পগী ঐগা লম্মন খুম্নিংবগী থৌবাংব'সি কোক্লবান
মবমদি ঐনা থাক্তি, কবাম্লবা 'মূব' অসিনা
খুজাই থাংজিল্লকপানি ঐগী চাকলুক্তা,
য়াখন'সিমক্তনা মাহ মযাই কল্লবা ধাতু অমগুম,
চাথৎলক্লে খজিক্ খজিক্ ঐগী থম্মোই অসি :
মবম অসিনা নূপী মবাদা,
মান্নবা ঙর্মাদ্রবা মখৈ ঐনা মাগা
তপথহনবা ঙম্লবোই ঐগী থম্মোইবু কবিগুম্বা অমত্তনা।
ঙমদবা থোক্লগনা ঐনা মদু,
কল্লবা কল্লক খন্নবগী য়াখন ঙাক্তা,
হাপচিনগনি ঐনা 'মূব' অসিদা,
কোকহনবা ঙম্লোই মানা মদুবু ফনা য়াখন তৌজদুনসু।
মসি ওইনবা শীনবদা কবিগুম্বা,
দেজ্জাদমনাবু ফংনবা প্রপ প্রপ তকশিল্লকলিবা,
হৌজিকমাক্ত ঐনা থিংদুনা থম্লিবা,
ভেনাছদগী লাকপা মীবেম অসিনা
পাঙ্থোকপা ঙম্লবদি ঐনা শিন্নবিবা থৌদাং অসিদং,
পায়বা ঙমগনি অচেংবদা ঐনা মাইকেল কোছিওগা :
যানিংদে ঐনা কা-হেন্না চান্নব'সে মানা ঐগী নূপাগা,
ফত্তবা ভাঙ্গা তমাশনগনি ঐনা 'মূব'দা মাগা মবমদ :
থাগৎকনি 'মূব' না ঐবু, নুংশিগনি, ম। 'পগনি
মংত্রী অসুম্না মাবু অপঙ-শেমদুনা
থম্মোইগী শান্তি পূম্না থুগাইদুনা হাওচংনহনবগা।
(মংকোক পাযদুনা) পূম্নমক সিদা যাওব.
অদুনু ইচাউ চাউব হৌজিক্তি ঃ
ফত্তবা মাগা থৌবাং হাযবা'সিমক্তবু
উবকউ মংক লানা থবক ওইনা পাঙ্থোক্লবা মতমদতা।

১। য়োড়েবিগ

অনিশুবা অঙ্ক ঃ

অনিশুবা উৎপা

মফম ঃ লম্বেল অমা।

(পাউ চেনবা মী অমা মথুক্তা চে পায়দুনা চঙলকই ;
মী ময়াম মতুংদা ইমরকই)

পাউচেনবা মী – (পাবা)

ঐখোযগী পূকচেনচাউববা অমসুং থৌনাফববা
জেনেরেল ওথেল্লোগী য়াথাংনি ঃ –
তূর্কিগী জাহাজ পুম্বা অমত্তা খাক্তনা মাঙহনগ্রে হাযবা
থাঙ্গৈশেংবা পাউ অসি তাবদা,
হবাউ তযাম তৌগদবনি মীপূম খুদিংমক্তা,
খবনা জগোই শাদুনা, খবনা হবাউবা ফোংদোকপা
মৈ চাউনা চাউনা হৌগত্তুনা,
মীপূম খুদিংমক হবাউ-তযাম তৌগদনি,
মানা মানা পাম্বা মওংদা ;
মবম্দ –
নুংঙাইবা পাউ অদু লাকপগী মথক্তা, নুমিৎ অসি
জেনেরেলগী লুহোংবগী নুংঙাইবা ফোংদোকপা নুমিৎনি।
পাউ অসি প্রজাশিংদা চেপ্পোক্কদবনি হাযবা'সি
মহাক্কী যাথংনি।
অচা অথক যোনফম খুদংমক্

হাংদুনা থল্লে লোইনা,
ঙসিগী পুং ৫ দগী পুং ১১ তাবা ফাওবা
চানীংবদা চাবা থক্লীংবদা থকপা যাগনি পৈশা তিংদনা,
ঈশ্বরনা সাইপ্রস ঈথং অসিবু অমসুং
ঐখোযগী পৃকচেল চাউববা জেনেবেল ওথেল্লোবু,
নুংঙাই য়াইফবা পীনবা ওইসনু। *(থোকখিবা)*

অনিশুবা অঙ্ক ঃ

অহুমশুবা উৎপা

মফম ঃ লানবনগী মনুংদা অচৌবা কা অমা
(ওথেল্লো, দেজদিমনা, কেছিও অমসুং মনাই মশনশিং চঙলকই)

ওথেল্লো — পৃকচেন ফববা মাইকেল,
ঙসি অহিংগী যাবেক সান্ত্র অসি খব যেংশিনবীযু নঙনা,
কা-অমা হেনখিদনবা হবা ও-তযাম তৌবা'দু
অচোপ অবেন নাংমা লানখিদনবা,
হোৎনগদবনি ঐখোযনা।

কেছিও কবি তৌগদবনো হাযব'দু শিন্নজন্ত্র, ইযাগদা ;
অদুমকপু ঐ ইশাসু যাওনা যেংশিনাগনি।

ওথেল্লো - ইযাগবুদি যান্না মগৃকশেনবা মানিদা।
মাইকেল, হৌজিক্তি চৎলো কাযনবাসি,
হযেং অযুক হেক ঙস্না মখৈ ঙন্না লাকউ,
বানা অমা শাগদনা লৈনঙগা।
(নুংশি'দম্বন'দা), লাকও চান্নখোইববী,
লাখুদনা লোইনব ঐখোযগী নুংঙাইবগী পোৎচং'পৃস্নাদ,
মহৈ চানবগনি হৌজিক, মতম কুইনগী তুংদা।
চৎলাস।

(ওথেল্লো, দেজদিমনা, মনাই মশল লোয়নননা থোকখিবা)
(ইয়াগ চণ্ডলকই)

কেছিও – চণ্ডলকউ ইয়াগ ;
চৎসি ঐখোয় হৌজিকমক্ সন্ত্রি পুকবসি।

ইয়াগ – ঙাইহাক্তা ঙাইখিসি লেফটেনেন্ট,
পৃং ১০ ফাওবা তাদবি হৌজিক্তি।
ঐখোয়বু অসুক ঙম্না ছুটি থাদোবকইব'সি জেনেবেললনা,
নুংশি-নুংওল ৱাবী শানবীগদমকনি দেজদিমনাগা,
মহাকপুদি ৱাবৌবা চুমদে ঐখোয়না।

কেছিও – মহাক খ্বাইদগী চণ্ডখোল্লবী ভদ্রমহিলা অমনি।

ইয়াগ – অদুবু মহাক্কী মিত্তাদো!
মদুনা ঐবু নুংশিগী মীপুম্না পুন্দুনা
চিংবগুম তৌই।

কেছিও – তত্শংনমক্ পূক্লিং শুমহৎপা মিত্তানি,
অদুম ওইনমক্ চপচানা ইকাই খণ্ডবীনি।

ইয়াগ – মানা ঙাঙথোবকপা ৱাইহেশিং অদু তাবগা,
নুংশি ইবাং হৌহনবা ওইনা তৌদ্রা ?

কেছিও – অওইবনি, মহাক অসে,
অৱাৎপা য়াওদ্রবী মপূং ফাবী নূপী অমনি।

ইয়াগ – ফবে মখোয় নুংঙাইজবসনু! লাকও, লেফটেনেন্ট,
যু লিক্কি অমা যাওবি ঐগী,
অদুগা মপান্দা লৈহৌব,
মশা নাল্লবা সাইপ্রসগী ভদ্রলোক অনিসু,
মখোযনা যু থকমিন্নবা পামই ঐখোয়গা
অমুবা ওথেল্লোগী মঙ্গলগীদমক।

কেছিও - ঙসি অহিংদি তোক্লসি, পৃকচেল ফরবা ইযাগ ঃ
ঐগী কোক অসে পুবা শুমদে য়ু থক্লগা ঃ
য়ুনা ফজবা চৎনবী ওইবগী মহত্তা
অতোপ্পা হবাউ কুম্মৈগী মওং অমা পুথোক্লবদিকো।
শুপ্পগী কপ্ অমত্তনি ঐনা ঙসি অহিং থকলুবা,
মদুসু ঈশিং য়ানশিঞ্জহৌরবা ঐনা হৈজ-শিংজদুনা ;
অদুমক্তদা য়েংউদনা, ঐনা ওইরিবা ফিভম অসে ;
য়ু থকপদা পাঙদব'সি ঐগী লাইবক থীবনি,
অদুনা হেন্না অমুক্কা থকচিন্দুনা,
ব্রাহনজবরোই পুবা ঙমদ্রবা ঐগী কোক্ অসি।

ইয়াগ - কবিনো নীপা ! অহিং অসিদি
হবাও তয়াম তৌগদবা অহিংনি ঃ
ভদ্রলোকশিং অসিনসু নঙবু য়াওহন্নীংই
ময়ামগী হবাউবা অসিদা।

কেছিও - মখোয়দি কদাইদা লৈ ?

ইয়াগ - খোঙজিন'সিদা লৈরে ; ঐনা নংঙোন্দা হাযজবি,
মখোয়বু মনুংদা কৌশিনবীরু।

কেছিও - কৌশিল্লুগে, অদুবু ঐ ইশানদি য়ানিংদবনিকো।
(কেছিও থোকখিবা)

ইয়াগ - ঙসি অহিং মহাক্লা,
হান্নবা থকলকলিবা য়ু'সিগী মথক্তা,
পিথকপা ঙন্নবদি ঐহাক্লা অতোপ্পা কপ অমত্তংগা নমদুনা,
ওইগনি মহাক ভদ্রমহিলা অমগী অযোকপা হৃযনাউগুম,
খিত্তং সোক্লবদা শাউগদবগী, চাক্লগদগী।
তৌজিক নুংশিবনা নাবা'
ঐগী বোড়বিগ হাযবা পাথং অসিনা,

বুদ্ধি চোইববনি দেজদিমনাবু পামজবনা ;
মহাক্কীদমকনি হায়দুনা ঙসি অহিংসি,
যু গেলোন মখায অমা থর্কচিনগ্রে,
অদুগা সন্ত্রি পুগদৌবি মহাক্কা।
লিংজেল ফববা, নাপন্না মযাই কাববা, -
ঈথৎ'সিদা লৈবা লান্দা থৌবা প্রজা অমগী
থোইদোকপা গুণ —
মশাগী ইজ্জৎ খজিক্তং শোকপদা থৱাই থাবা কিদ্রবা —
সাইপ্রসগী নহা অহনবুসু, ঙসি অহিংদা
ঙাওহল্লে ঐহাক্কা যু পিক থন্না পিথক্কুনা
যাওগদৌবি মখোয'দুসু ঙসি অহিং সন্ত্রি পুবা।
অসুম্বা যু ঙাওবা ময়াম'সিগী মবক্তা
থাজিনগনি ঐনা কেছিওবু
শিনগনি খুজিন, মহাক্কী লমচৎনা
ঈথৎ অসিগী মীপুম্ববু শাউহন্নবা।
উম, মখোয় যৌবক্কে অসিদা ;
কবিগুম্ব চুম্বা থোক্লবদি ঐনা মগুলিবা মঙ'সিনা
হথাংফম যৌবনি অপনাবা কৈদনা,
ইচেম্মা চেম্বববা নুংশিংনা তেংবাংলবা ঐগী হি অসি।
(কেছিও অদুক ওয়া চঙলকই, লোয়ননা মোন্টানো, অদুগা হবসু মাওবি, থোনাই [illegible] মেদৌ মচু [illegible])

কেছিও ঈশ্বরনা খঙগনি। মখোযনা ঐবু
তপতানা পিথক্কে হায়না।

মোন্টেনো বাশক্কুনা হাযবি'সিনি, খাঁজক্কনি ;
পাইলট অমা তেল্লমলোই, ঐ সিপাহী অমনি হাযনা।

ইযাগ কনা নৈ, যু খব পুবকউ!
([illegible])

"হৈগনি যু ঐন্না হয়া হন্না
মখোন হৌবি পাত্রনা কেং কেং
সিপাহীসু মীনি ঃ
য়াম্না তেল্লি তাইবং পুন্সি,
পেন্না থকউ সিপাহী।"
যু থবগা পুবকউ অঙাংশা।

কেছিও – ঈশ্বরনা শাক্ষী। ওহ্লোক্লা ফজখ্রেদা ঈশেসে।

ইয়াগ – ঐনা ইংলণ্ডদগী তম্লকপনি মসি,
মফম'দুগী মীশিংদি, তশেংনমক্,
লাম্বা লৈতে যু থকপদদি ঃ
নখোয়গী ডেন[১], নখোয়গী জর্ম্মন অদুগা
নখোয়গী পৃকনোযবা হোলণ্ডগী মীশিং –
হৈ যু পুবকউনে। –
মখোয অসে কাবসু লৈতবনি
ইংলিশ শিংগা চাংদম্নকববদি।

কেছিও – নখোযগী ইংলণ্ডগী মীশিং অসিবু
যু থকপা অদুপ হৈব্রনে।

ইয়াগ – উম, নওগী ডেন অমনা ঙাওদুনা জ্ঞান তাদ্রবদা,
কাবসু তৌদনা ইংনা লৈ মহাক্তি ;
নওগী জর্ম্মন অমবু
মায়থীবা পীনবা গোৎনবদা হিবম'সিদা,
তাবিবোই মগা ক্ত হুমাং মাবক অমা ফাওবা ;
মহাক্লা অতোপ্পা অনৌবা কপ অমা
হৈদুনা থক্লিংদা,
নওগী হোলণ্ডগী মী অমদি ওবা হৌবান।

১। ডেনমার্ক কী মী

কেছিও - ঐগী খোযগী জেনেবেল নাদ-যেক্তনবা !
(মাঁস হায়দনা তোষ্ট তৌই, মযাম যু থকই)

মোন্টেনো - ঐসু যাওজগে, লেফটেনেন্ট, অদুগা
হৌজিক্তি ঐসু নওনা থকউ হায়বিবা মখৈ থক্লনি।

ইয়াগ - (ঈশৈ শক্লুনা)
"ষ্টেফেন্স নীংথৌ মতিকচাবা অওম্বনি ;
মাগী খোংগ্রাউ'দু শিলিং মঙাদা চঙবনি,
মদুফাও' খল্লি তাওমল্লি মানা,
মমিং চৎপা মীনি মহাক্তি
কবি লৈতবা মীনি নখোযদি ;
লৈখা তাহল্লি নাপন্না, লৈবাক অমবু,
অদুনা শেৎলু অদুম অমনবা নফি'দু।"
কনা কনা লৈ, যু খবগা পুবকউ।

কেছিও - হন্দক্কী ঈশৈ'সিনা হান্নগীদুদগী
ওহোক্লা হেন্না নুংঙাইখবে।

ইযাগ - অমুক্কা তাখিগেবা '

কেছিও - হুম ওক্কে, মবর্মদি -
মশাগী ইজ্জৎ ঙাক্তবনি খল্লি অদুম্না মীশিংদো,
উম পুম্নমকসি ঈশ্বরনা তম্বনি !
অদুগা সংসাবদা জীব কয়া লৈবি,
ঈশ্বরনা শোযদনা লানবিবগদবা,
কয়ামকম অমসুং লৈবি কৈদৌঙৈদস্ লানবিবরোইদবা।

ইয়াগ - মদু অচম্বনি, পৃকফবা লেফটেনেন্ট।

কেছিও - ঐগী ইশাগীদি ঐনা হাযজ্জগদৌবিবংসে
জেনেবেলবু নত্রগা ফম্নাইবা অমত্তবু হন্দুনা ঙাংবা নওে

ঐগী আত্মাবুদি শোযদনা লানাবগনি নাংই ঈশ্বরনা।

ইয়াগ - ঐ ঈশাগীসু অদুম্মা খল্লি লেফটেনেন্ট।

কেছিও অদুবু ঐ অসিমত্তদি হায়জগৈগে,
ঐহৌন্দগী নঙনা হানবদি ওইখোক্রবান,
লেফটেনেন্ট অমবুনা ফিবাল থৌগল অমদগা
গান্না লানাবিফম থোকই। ফবে ঐখোয়
মথা তাবনুসি অমুক মসিগী মবমদা,
মথা চৎথরবাসি ঐখোয়না পাঙথোক্লদবা থবক অসি।
ঈশ্বরনা ঐখোয়গী পাপশিং অসি ভাকপীসনু!
ভদ্রলোক পুম্নমক, মায ওনাশিল্লসি ঐখোয়গী ইথৌদা।
ঐ য়ু ভাওবে খনগনু, লৈবাকমচা পুম্নমক ঃ
যেংউ, মসিনা ঐগী ফিবাল থৌগলান,
মসিনা ঐগী খুৎ যেৎনি, মসিনা ওইনা ঃ
ঐ হৌজিক য়ু করিমত্তা ভাওদে ;
ঐ নীংথীনা অসুম লেপ্পা ঙমলি :
মথোক শেংনা ৱা ভাঙবা ঙমলি।

ময়াম - চুমইদা, যাম্না নীংথীনা ঙমলি।

কেছিও যাম্না ফবে। অদু ওইববদি নখোয়না খনবা চুমদে
ঐ য়ু ভাওবে হাযবাসে। (থোকই)

মোন্টেনো ময়াম্মক, প্লেটফোর্মদা থোক্লাস, চৎসি,
সান্ত্রি পুবা হৌকবাসি।

ইয়াগ উবেদনা নঙ, হৌজিক থোকখিবা নুপা অদু,
সিজার[1] গা মনাক্তা লেপ্পুনা লানথমদা,
হুকুম হৌবদা লাম্নীশিংবু,
মাতক চাববা সিপাহী অমান মহাক ঃ অদুবু যেংউ

১। জুলিয়স সিজার

মহাক্না তৌবিবা পাপকী থবক অসে।
অহিং নুংথিল চপ মান্নবগুম বিষুব সংক্রান্তিদা
পাপ-পূন্য অনি অক্মানি মাগী মফমদদি।
মাগীদমক্তা ব্রাবিবি!
মানা যু ঙাওদুনা লৈবা তানচাখিদ্রবা মতম্মাসদা,
লুববা থৌদা' শিন্নবিবসি ওথেল্লোনা মঙোন্দা,
শাট্টনবক্লদ্রা চিংনৈ ঈথৎ অসিগী প্রজাশিংনা।

মোন্টেনো - অদুনূ, অসুন্না হেক হেক তৌববনে মাবু!

ইয়াগ - মসিদি মাগী তুমলমদাই খুদিংগী
তৌদ্রবা যাদ্রবা থবকনি;
যু ঙাওবগা ফমুংদা তাদুনা তুমহৌবা নত্রবাদি
পুং ২৪ অসি মমিৎ উইশিন্দনা লৈবগা নান মহাক।

মোন্টেনো মসি জেনারেলদা তাকপিবনা ফগানি,
মাদি মসি খঙলম্লোই, নত্রগা
নবুক যবা মানিনা মহাক্না,
কেছিওগী মশানথোংগী মগুণ অদুতা নিদুনা,
উবদ্রখিবাই লোক্তুনা লৌবিবা মাগী অশোয়বশিং অসি ঃ
চুমদ্রনে এনা হায়বিবা অসিবু!
(বোদেরিগ চঙলকই)

ইয়াগ - (তোঙান্না কৌথোক্লগা) করি তৌবে, বোদেরিগ!
এনা হায়জবি নঙোন্দা,
চৎলু লেফটেনেন্টগী মতুং ইল্লু। (বোদেরিগ থোকখি)

মোন্টেনো - পুকচেন চাউববা 'মুব' না
মহাক মক্কী মথং খনবগী ফম অসিবু,
অশোয়বা কযানা মশাদা মবা তাগ্রবা,

১। Equinox

নীপা অমদা শিন্নথোক্নুনা খুদোংথীবা লৌরিব'সে,
য়াম্না লাইবক থীবা অমনি।
মসি পুম্ব'সি "মুব" দা তাকপিহৌবনা চুমগনি।

ইয়াগ — ঐদি তাকচরোই, নীংথীরবা ঊথৎ অসি পীনি হায়বরসু ঃ
কেছিওবু য়াম্না নুংশি ঐনা,
অদুনা হোৎনগনি ঐনা কন্না,
ফৎত্রবা শাজৎ অসিদগী কোক্লবা ;
অদুবু তাও ! কবিনো লাওইব'সে ?
("ঐবু কনবিয়ু" "ঐবু কনবিয়ু" হায়না মনুংদগী লাউরকই)
(রোড্রেবিগবু তান্নদুনা কেছিও অমুক হন্ন চত্তলকই)

কেছিও - ফৎত্রবা ডাকু ! হুরানবা !

মোন্টেনো — কৈদৌববগে, লেফটেনেন্ট ?

কেছিও — ডাকু অমনসু ঐঙোন্দা ঐগী ইথৌ কবিনা তম্নিববা !
যু লিক্লি য়োম্নিবা চকগী পোলাং তানা
ফংগনি ঐনা ডাকু অসিবু।

রোডেরিগ - ঐবু ফুবা !

কেছিও - নঙ নাচিন অসুম থীথিদ্রা হুবানবা ?
(রোডেরিগবু ফুবা)

মোন্টেনো -- নত্তে, নত্তে পুকচেল ফরবা লেফটেনেন্ট ;
ঐনা নঙোন্দা হায়জবি, অঙম্বা,
নঙগী নখুৎতু ঙহাক্তো লেপখো।

কেছিও — ঐবু খাদোকউ, অঙম্বা, নত্রবদি নকোক্ কায়নি

মোন্টেনো - ঙাইথো, ঙাইখোনে, নংদি যু ঙাওরে।

কেছিও – যু ঙাওবা ! *(ময়াম ফুনবা মোন্টেনোনা খাম্বা লৈক্রি)*

ইযাগ – *(বোতেবিগবু তোপ্পা কৌথোক্লগা)*
ঐনা হাযবি'সি তাববা, চৎলো ;
মপান্দা থোক্লগা লাউবকউ "সিপাহী লান হৌবে" হাযনা
(বোতেবিগ খোকখিবা)
নত্তে, নত্তে পূকফবা লেফটেনেন্ট !
'সুম থোকউ হাযনা তমখ্রবনি ঈশ্বরনা,
ভদ্রলোক পূম্নমক : –
কনা কনা লৈবগে, খব মতেং পাংবিযু ঐখোযবু।
লেফটেনেন্ট – অঙম্বা – মোন্টেনো অঙম্বা !
ঐখোয়বু খব মতেং পাংবিযু, ইঙ্গাশিং :
মফম অসিগী সন্ত্রি মতৌ অসি ফজবেদা !
(শবিক ত্রমা খিঙলকই)
কনানো শবিক খীংলিবা অসিনা ?
ওম্লাকপা সোবেন্নীদা, হো কনানো !
মিকপ্ থোক্লনি টাউন অসিমা লোইনা ;
ঈশ্বরগী খৃজিললনি পূম্নমক'সি,
লেফটেনেন্ট, তোকপীবো, তোকপীবো,
চোপ্পা তাবে নঙ পুন্সি চুপ্পা।
(ওথেল্লো চংলকই মনাই মশম লোযনদুনা)

ওথেল্লো – কৈদৌনববগে অসিদা ?

মোন্টেনো – ঈশ্বরনা তম্নকলবা অশোকপা 'সিদগী ঐ,
ঈ যাম্না থোক্লে ! শিবা যান্না শোক্লে ঐহাক।
(লম্থখিবা)

ওথেল্লো – ঙাইখো, নপথ্বাই মাঙনীংদ্রবদি নখোয পূম্নমক !

ইযাগ – হাবিত্রা নখোযবু, ঙাইখোনে ! লেফটেনেন্ট, –

অগুম্বা, — মোন্টেনো, — ভদ্রলোক পূম্নমক —
কাউথোক্লববা নখোযবু নশাগী ফম অমসুং নথৌ,
ঙাইখো, লেপখোনে, জেনেবেলনা নখোযদা হায়বিবসি
তাও,
চোপনীংদ্রবদি তোকও, তোকও।

ওথেল্লো — কবিনো তৌবিবসে ?
ফবে, কদাইদগী কবম্না হৌখ্রিবনো মসি ?
ঐখোয পূম্নমক তুর্কি ওল্লববা লোইনা,
ঈশ্বরগী থৌজান্না তুর্কিশিংনা পীহৌদ্রবা অমাঙবা,
পীনগদৌবব্রা ঐখোয মশেল অমনা অমদা ?
খৃষ্টান হাযবা মিং অসি চেঙ্ঘবা কোক্লবা,
তোক্লো অদুম্বা শাগুম্না যৈন শুনবা অদু।
মশাগী অশাউবা লার্কশিনবা ঙমদদনা,
হৌবকপা নিপা অদু মসিগী মতুংদা,
মমল্ যাওদ্রবনি খঙউ মাগী পুন্সি অদু,
মথায মাঙগদবনি মহাক হেক হৌবকপদা।
আকবা ফংলবা শবিক্ অদু থীংলনু ঃ
য়াকাযহল্লনি মসিনা
ভূমলম্বা প্রজা পূম্বা ঈথৎ আসগী।
কবি তৌনববগে ইঙোশিং পূম্বা ?
অরাবনা নুংবঙনববা, পৃকচেল শেংলবা ইয়াগ।
হায়যু, কনানা হৌবকপনো মসি ?
নঙদি ঐবু নুংশিবনি, হাযর্জবি ঐঙান্দা তার্কাপনবা।

ইয়াগ ঐদি খঙজদে ঃ
লৈমিন্নবম্বনি হৌজিক্লা মকাপ মপাংগুম কা মনুংদা,
পৃকচেল-খোযজেল তিম্মনা বব-কণ্যাগী মতৌগুম ;
অদুগা হৌজিক্লা, কবিগুম্বা গ্রহ অমনা
বুদ্ধি চোইহল্লবা মীগুম্না,

থাঙ-শৎতোক্কুনা, থম্মবি অমনা অমগী মথবাক্তা,
যাম্না থীনা যেংথীনববা মীগুন্না।
ঐদি খঙজদে কবম্না হৌখিবগে হায়বা
অসুম্বা পঙলবা খৎনচৈনবগী থবক অসে;
মসিবু হাইফেওং উহৌনবা শীন্দুনা
ঐবু মফমসিদা পুবকইবা খোঙ অসে,
নুংঙাইঅনিদা লানফম অমদা কক্লন্নবদি।

ওথেল্লো — কবিনো তৌনিবসে মাইকেল,
নঙ নশানা নশাবু কাউথোক্কুনা।

কেছিও — ঐনা হায়জবি নঙোন্দা, ঙাকপীয়ু ঐবু:
ঐ বা ঙাঙবা ঙমদ্রে।

ওথেল্লো — মতিক চাববা অঙম্বা, মোন্টেনো!
লৈবাকমচাতাবা লমচত্তা চৎপনি নঙদি মতমলৈবা
খিবিক্তা;
নহা অমা ওইনা
নঙগী থবক চোকেশিনবা, পুকচেল তপচবা
খঙ্গলিবনি মীপুম খুদিংমক্না,
শোন্নবিরনি নঙগী নমিং অসি
লৈবাক্কী অহৈ-অশিং পুম্বা ফাওনাঃ
অদুগা কবি মনমগীনো নহাক্না মাঙহল্লিবা মতৌ অসুম্না,
নঙগী নীংথীবা মিংচৎ, অদুগা
লংথোক্লগা মযাম্না থাগৎনবা পুম্বা'দু,
কবিগীনো তানশিল্লিবা নঙনা,
অঙিংদা যু-ঙাওবগা ফুমগনবা হায়বা মিংচৎ?
পাউখুম পীয়ু ঐনা হংলিব'সি।

মোন্টেনো — মতিক চাববা অঙম্বা ওথেল্লো,
শিবা যানা শোক্লে ঐদি ঃ

নংগী অঙম্বা ইযাগনা লীসনু নঙোন্দা -
বা ঙাঙলবোই ঐদি, ঙাংলগা চোকথবা হেল্লে -
মশানা খবদং চোক্শিঞ্জব'সিবু কবিগুম্বা,
পাপনি হাযবা গাববা,
মীনা হাৎকে হোৎনববদা,
ইশা কন্নবা হোৎনজববু কৌবা ভাববাদ পাপ,
ঙসি অতিং ঙাঙদি-শকখি পূম্বা ঐনা
থোইদোকপা অকাযবা যাওখি নীংদে।
'সিমডয়বে ঐনা খঙবা মীখ হাযববদা।

ওথেল্লো সৌজিক্তি, ঈশ্বরনা খঙগনি, অশাউবনা ঐগী লমাজং ওইখবে,
ঐগী ৱাখন খন্নবা শক্তি পূম্বা নমতৎতুনা মসিনা
হোৎনবক্লে ঐবু খুদুম চন্নবা ঃ
ঐনা অমুক্তং হৌবক্লবদি,
ঐগী পাম্বাম অসিনা হাইগৎপদা,
মীথোই মাহেল্লবা মী ফাওবা নখোযগী মবক্তগী,
চাগনি লৈমাযথক্তা ঐগী চৈথেং ফংবদা।
ঐবু খঙহল্লু, কবম্না হৌবকপনো
অসুম্বা তক্কচববা খৎনা চৈনবগী থবক'সে '
কনানা ইহান হান্না হৌবকপনো '
অদুগা থৌদোক অসি ওইনবা শিনবা,
মবাল লৈববা মী অদু; ওইবমসনু মহাক্তু
ঐগা হেক পোকমিন্নবা ফাইবাকসু,
লোইনববনি মহাক্তা ঐগা পুন্সিসিমগী।
কবি। সহবগী হেক মযাইমক্তা, লানলক্ অসিদা,
মীপুম খূদিংগী থম্মোইদা অকিবনা চাংজৌ পাববদা,
লম্নাই ৱাফম অমগী খৎননবা শিল্লিবা,
অদুসু অহিংদা, লানবনগী মনুঙদা -

শাগী লমচৎনি মসিদি। ইযাগ, কনানা হৌবকপনো '

মোন্টেনো - যাম্মা লুনা তোৎন-তিন্নবা নত্রগা
লোযশঙ অমত্তদা থবক তৌমিন্নবগী মবীদগী,
অচুম্বা অদুবু নঙনা
ৱাৎনা নত্রগা হেঞ্জিন্না হাযবা থোক্কবদি,
অশেংবা লাম্নী অমা নত্রে নঙ্।

ইয়াগ - হুম ' অদুমক্তি হায়হঞ্জনীংদে।
মাইকেল কেছিওগী অকায়বা ৱা ঙাংগদৌ' শকক,
কক্থৎখিবনা ফৈ ঐগী ইচীন-ঈবৈ অসি ,
অদুবু, ঐনা থাজে, পঙকায়-কায়বোই
অচুম্বা অদু হায়বদা। 'সুমদৌবানি. জেনেবেল,
মোন্টেনোগা ঐগা ৱাবী শাদুনা লৈবিংঙদা,
নূপা অমা চেনশিল্লকই 'কনবীয়ু' হাযনা লাউদুনা ,
মতুংদা তান্নবক্লমই কেছিওনা থাঙ্ শৎতোক্লনা
নূপা অদু থিনগদ'গী। অঙম্বা, ভদ্রলোক অসিনা
চেনশিন্দুনা কেছিওগীনাক্তা, খামজবমই তৌবীনু হায়না ,
ঐ ইশাদি তান্নবমই, লাউবিবা নিপা অদু,
মবমদি, মানা লাউবা তাবগা
সহব অসি লোইনা মিপাইনবগদ্রা চিংনবদনা
— অদুমকসু থোক্লে —
অদুবু তানবদি ফংলমদে, মানা মপোং য়াঙবা মবন্না ঃ
ঐনা থুনা হনবনা ফবে নীংদুনা হল্লকলে,
মবমদি —
থাঙগা থাঙগা থেংনবগী মখোল তাবমই ঐহাক্লা.
অদুগা লোয়মননা,
— ঙসি ফাওবা থোকখিদ্রবা থৌদোক —
কেছিওনা যাম্মা লাউনা শাউনা চৈবা তাবমই।
ঐনা থুংলবা মতমদা,

– হায়খ্রিবা মযাম অসি মিকুপ খবদগী
মনুংদা থোকখিবনি –
শেংডাক-ফাক্তোকপা য়াদনা যৈনবমই মখোয়না ;
জেলেবেলনা খামদোকপা লাকপিবদা
ওইবন্না মতৌ অদুগুম্না।
অসিদগী হেন্না থোইদোকপা,
হায়জনাংঙাই লৈজদ্রে থৌদোকসিগী মবাদা ঃ
অদুবু মী হায়বাসিদি মীনীদনা,
মীথোই মীহেল্লবা মী অদুতসু কবিগুম্বা মতমদা,
কাউথোকই মশানা মশাবু ঃ
শাউবক্লবা মতমদা মীওইবনা ফুকনগুম,
মখোয়গী ফনবদা শাংলিবা মী অদু ফাওবা,
অবানবা খব চৎথ্রবসু কেজ্ঝিওনা মাঙান্দা
ঐনা খাইজি, শোয়দনা ফংলমগনি কেজ্ঝিওনা,
চেনখ্রিবা নুপা অদুগী মফমদগা,
মী ওইবনা খাঙবদা বাববা ইচ্ছং মাঙবগুম্বা অমা।

ওথেল্লো
ঐ খঙই, ইয়াগো,
নঙগী নপৃকশংবা, নঙনা কেজ্ঝিওবু নুংশিবা অসিতনা,
তবাই তবাই লৌবি নহাক্লা হাফম অসে,
লাক্লবি নহাক্লা কেজ্ঝিওগী মবালাংস যাংনবা।
কেজ্ঝিও, ঐ নঙবু নুংশি, অদুবু -
নঙ ঐগী অফিসার অমুক ওন্না ওইবা যাবরোই।
(দেজদিমনা চং কই মনাইশিং)
যেংউ, ঐহাক্কী নুংশিববী পৃকচেল ওপ্লবী অসে,
তৌদোকাপাবে ভূমজবদগী ! ঐনা নঙবু ময়ামদা
খুদম ওইহৌনবা তৌগানি।

দেজদিমনা - কাব তৌববগে ?

ওথেল্লো – হৌর্জাক্তি কবিসু তৌদ্রে চান্নবী, চৎলসি, তূমলুবো।
নঙগী অশোকপা অদু অঙম্বা,
ঐ ইশামক্না হিদাক তৌগনি।
মাবু খব পুবিবকউ।
(মোন্টেনো মযাম্না শমদুনা পুথোকাখ)
ইয়াগ, চোকশিন্না ঙাকউ সহব অসি, অদুগা
অসুম্বা মোৎলবা যৈন শুনবগী থবক অসিনা
মিপাইহল্লবা প্রজাশিংবু তপথহল্লু।
চৎসি দেজদিমনা, অসিনি সিপাহীগী পুন্সি,
মখোযনা নুংঙাইনা তূমজবা অদু হেক হেক থুগাইবি,
অসুম্বা খৎন চৈনবা অসিনা মবক মবক্রা।
(কেছিও, ইযাগ নত্তবা মী পুম্নমক থোকখিবা)

ইযাগ - লেফটেনেন্ট, নহাক শোক্লববা ?

কেছিও হোয, লাইযেংবা ঙম্লবোই।

ইযাগ – মেৈবানা শাক্কী ! মদু হাযহৈদে।

কেছিও মিংচৎ, মিংচৎ, মিংচৎ –
ও, মাঙখবে ঐগী অফবা মিংচৎ,
মাঙখবে ঐগী অমাঙ অতা লৈববোইদবা অদুনা
লৈহৌবে শুপ্নগী শাগী শকক অদুদু ঐঙান্দা,
ঐগী মিংচৎ, ইযাগ, ঐগী মিংচৎ !

ইযাগ – তশেংনা হাযবনদা, ঐনা খল্লমই ঃ -
নঙগী নশাদু যান্না শাথীনা শোক্লমাল্লে হাযনা,
মদুনা হেন্না লুই মিংচত্তা শোকপদগীদি।
মিংচৎ হায়ব'সি অর্থ লৈতবা মীনাম্বা মিত্রংনি ঃ
কবিগুম্বদা ফংবদা মতীক চাদ্রবা মীসু মফংই
অদুগা মাঙফম থোক্তবদসু অদুম মাঙখি ঃ
নঙগী মিংচৎ কবিসু মাঙদে,

নঙনবু মাঙদে থনবা ঙল্লবদি নপৃক্লিংদা।
করিগী নপৃক্লিং হুছুরি নীপা ! উপাই য়াম্না লৈরি
জেনেরেলনা নঙবু থৌজানবিরক্লবা অমুকহন্না ঃ
নঙবু হৌজিক ইম্বোকলে মহাক্লা শাউদুনা,
পীরীবা দণ্ডি অসে, নত্তে কল্লক-মিহৌদুনা,
পীবনি ফজদে হায়দনা ময়াম-মমাঙদা —
নাপলনা ময়াই কারবা নোংশা অমবু কিহন্নবা,
মবাল লৈজদ্রবা হুই অমা ফুবাগুম্বনি ঐখোয়না।
হায়জৌ নীংথীনা অমুক্তং মঙোন্দা,
চানবিবক্কনি শোয়দনমক্ মহাক্লা নঙবু।

কেছিও - মমল য়াওদ্রবা ঐগুম্বা,
য়ু ঙাওরবা, বুদ্ধি ৱাৎলবা ফম্মাইবা অমনা,
নমথাক তৌগদে শকক্,
অসুক ফত্রবা লাম্নীগী লুচিংবা অমবু
হায়জগে ঐবৃদুম তুক্কচবীযু হায়না।
য়ু ঙাওববা ! অদুদগী তেনৱাগুম পঙলোল লোল্লবা !
মী খৎনববা ! নাপল তৌবা ৱাঙাঙ ঙাঙলবা !
ৱাঙাঙ খুদিং ৱাশকপা অদুগা ইশামক্কী ইমিগা
অর্থ লৈতবা ৱা ঙাক্তা ৱাবী শাবা !
ও ঃ শকনাইদবী য়ুগী লাইরেম্বী !
লৈবমদবা থোক্লবদি হান্না করিগুম্বা,
ময়াম্মা খঙনবা নমিং অমা নহাক্কী.
থোক্লমগে নঙগী নমিংবু সোরেল হায়না।

ইয়াগ - কনানো নিপা অদু
নঙনা থাঙ পায়রগা তুংদা তান্নবা ?
মানা নঙোন্দা করি কায়রম্লবগে ?

কেছিও -- ঐ কারিমত্তা খঙদ্রে।

ইয়াগ – মদু ওইবা যাববনে ১

কেছিও – ঐ শৌদোক কযামকমদি নীংশিংলি,
অদুবু শেংনদি অমত্তা থওদ্রে;
কাবগুম্বা শৎনাথিবগুম্বা অমা নীংশিংলি,
অদুবু কবি ব্রাহ্মীদগীনো নীংশীংবা ঙমদ্রে।
হে ঈশ্বর, তমথীনবা যেক্রবা অমবু হৈজিন্দুনা যানুংদা
মাঙহঞ্জবি মীওইবনা মশাগী ব্রাখল খন্নবা শক্তি,
অদুগা ঐখোযনা মদুদা হবাউবদনা,
ঐখোয মশেল থাগৎনবদনা, লোযনা শা ওল্লে।

ইয়াগ – কবনো হৌজিক্তি নঙদি পূমফ-ফবনা;
কবম হায়না অদুক থুনা স্নান তবক্লিবা ১

কেছিও – য়ু ঙ'ওবা হায়বা ফৎত্রবা ভুত অদুমা চৎখ্রে,
অশাউবা হায়বা অদুনা মহুৎ শিলহৌবে ঃ
ইশাগী দোষ অমা উকবদগী অমসু অমুক উবক্রে,
তূককচহল্লে মদুনা তশেংনা ইশানা ইশাবু।

ইয়াগ – তোক্লো ধর্মাদি যৌনা লৈবা মীতান নঙসে ঃ
মফম, মতম অমসুং লৈবাক'সিগী হৌজিকী ফিভম,
পুম্নমক'সি থল্লুবগাদি
অসুম্বা থৌদোক'সি থোক্লমদ্রবদিকো থল্লি ঃ
অদুবু থোকথ্রবনিনা কমদৌনি,
তুংগী নগ্গী ফীভম ফনবা হোৎনবো।

কেছিও – ঐনা হায়জকনি মত্তান্দা, ইফম হঞ্জিনহনবীযু,
মানা খুমলক্কনি নঙদি য়ু ঙাওবা অমনি হায়না।
পাল্লন'সু ঐহাক্কী হায়দ্রা' গী মচিনমুক য়াম্না,
থোকতল্লবোই লোনা ঐবু, অসুম্না পাউপুম'সিনা।

১। Hydra মচিন মাপন পানবা জিল মখল অমা

তৌজিক্কা জ্ঞান তাবা মী ওইবা !
ঙহাক নৈবগনা অপঙবা অমা !
অদুদগীনা শা অমা ! ও, অঙকপনি !
হোঙ্গল্লবা কপ শূদ্দংমক্ পাপকী মশকনি,
মদুদা য়াওবা পোৎশক অদুসু হিংচা-যাইতন্বান।

ইয়াগ - তোকও, তোকও
অফবা যু হাযবা সিদি, শাঁজন্নববু হৈববদি,
ফত্রবা মকপনি ; অদুনা লাউবনু অমুকহন্না
য়ুবু ফত্তে হায়না। অদুগা পৃকফবা লেফটেনেন্ট,
ঐনা খল্লি, ঐনা নঙবু নুংশি হাযবসি নঙ থাজে।

কেছিও -- মদুগী মতিক চাবা প্রমান,
ঐ ঙাল্দা লৈবে, অঙম্বা।
ঐ য়ু ম্ৰাওকববা !

ইয়াগ - নঙদা নত্তে, মী অতৈসু পুন্সদা, —
য়ু ঙাওবা ঙাক্তান কবি কাবগুম্বদা, মকপ।
ঐ হৌজিক হায়গে, নঙনা কাব তৌগদবনো হাযবদু,
ঐখোযগী জেনেবেলগী নুপীনা জেনেবেলনিদো হৌজিক্তি
ঐনা হাযবিসিগী অর্থদি —
কথোকখ্রবনি ওথেল্লোনা মাগী লৈজবা পুম্বা,
দেজ্জাদমনাগী ৱাখলদা, মাগী নীংথীবা শাওং শাদা
বাশি-গুনদা ;
হায়জৌ পুক্লিং লীশাঙথাদুনা মাগী মফমদা,
লাল্লুবে হায়দুনা নতাক ;
নিজৌ মহাক্কী মতেং, নফম্ হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা :
অসুক্কী মতিক থৌজাল্লৈবী লৌথুপ-লৌকোয় যাওদবী,
অসুক্কা মতিক নৌজবী, পুকচেল ফজবীান মহাক্তি,
কাবগুম্বা অমা হায়জববদা মঙোন্দা মীনা,

পাঙথোকপা ভুমদ্রবদি মদু,
থল্লি পাপনি শাযনা মহাক্না।
তেল্লিবা শবা'সি মাগী নুপাগা নঙগগী মবক্তা
হায়জৌ মঙোন্দা ব্রাচপ্ থাবিনবা ;
ঐগী লৈজবিবা ইবন-ইথুমশিং অসিগা,
হেক্তা থানসি নঙনা হায়বা পোৎ অমগা
তংালবা মবী অসি নখোয় অনিগী নুংশিনবদা,
তাইশিন্নগনি শোযদনা হান্নগুম্না নীংথীনা।

কেছিও — নঙনা হাযবিব'সে ওস্তোক্না চুমগ্রে।

ইয়াগ — তংশংনা নঙবু নুংশিবদগী, অমদি
পুকচেল শেংনা নঙগী ফনবা ব্রাখন্দগা হাযজবা।

কেছিও — ঐনা থবায ঙকাং যাওনা থাজি মদু।
অদগা হয়েং অযুক তাঞ্জা চাবদা
হাযজগনি ঐনা ধর্ম্ম লৈনবী দেজাদিমনাগা মফমদা,
থব হৌদোকপিযু হায়না ঐগী বাফম'সে,
ঐগা লেইনক থাবনা, যাববক্তবাদি মহাক্না
লৈত্রে অঁতে আশা অমুক ঐহাক্কী।

ইয়াগ - নঙনা হাযবা চুমই ; কাযনবসি হৌজি ও লেফটেনেন্ট
ঐ হৌজিক সম্ভি পুকনা তাবি।

কেছিও — পুকচেল শেংলবা ইযাগ, কায়নবসি। (থোকখবা)

ইয়াগ - পীবিবা পাউতাকশিংসে ঐহাক্না,
পকচেল শেংনা পীবা মানবনা,
অমদি হেক তাবদা থাজবা যাবা মবম্না,
অদুগা তশেংবা পাম্বৈ অমস্ ওইনবা
'মুব'গী থৌজাল অমুকহন্না ফংলক্লবা
কনানো সিদবু হায়বা ওমগদবা —

ফংত্রবা থৌবাং অমা তৌবি হায়না ঐহাক্না'
মণর্মাদ —
কবিগুম্বা অফবা মবম অমগাদমক্
ইনশিনবা হায়ন'সে দেজ্দিমনাবু,
লাপথ্রবা থবকনি ঃ থৌজাল হৈবানি মহাক্তি
মবাং কায়ববা প্রকৃতিগী পোৎচং
ঈশিং নংশিং, নৈবাক্কী, মঙৌগুম।
মহাক্না 'মূর' ব গাহনবগী রাদি —
মানা চৎলবিবা খৃষ্টান ধর্ম্ম আস
পামথা থাদোক্না হায়ব ফাওবদা
পুন্দন থমখিবনা দেজ্দিমনাগী নুংশি য়াম্লিংনা,
খুদুম চনখিবনা মাগা থাদোক্লাইবু মপুং ফানা,
মানা অপাম্বা অদুগা তৌইংনবা ভনই মহাকপু।
অদুদি কবম্লো ঐবু ভাক্ কৌগদবর্'সে,
থোক্লবা থৌদোক'সিগা চুনবা,
মাগী ফজবা পাট্ ডাক পাবদা ঐনা, কেচ্চ ওদা'
ও, সোরবেলশিংগা ফংত্রবা থৌবাং।
সোইতানশিংনা ফংত্রবা পাপকী থবক অমদা,
লংখাগে লাক্লবা মতমদা মাওইবনু,
ঐনা থৌঙাক তৌনবা অসুম্না —
শাশট্রম মপানথোংদা স্বর্গগুম্বা শেংবা,
তুনাবিংবা অপঙ্ক অসিনা, হায়জবা মতমদা দেজ্দিমনাদা,
হাঙ্ক্লবা হোৎনাবিযু মগী মাঙথ্রবা ফম অদু,
অদুগা দেজ্দিমনানসু 'মূর' গী মফমদা,
কন্না হায়জনকপা মতম'দুদা কেচ্চি ওগাদমক,
হাপচনগানি ঐহাক্না 'মর' গী থাদোক্লাইদা,
মহু পুবা অসুম্না রাখল'সে

১, ২। ওথেল্লো

দেজদিমনানা হাযর্জাববা পুম্ব'দো
মশাগী ইন্দ্রিগী অপেনবা থিবকপানি :
মহাক্না হাযজবি'মখৈ অদুক্কী মতিক্ কোঁছওগী ফনবা.
চিংনবা হেননি 'মূব' নসু মহাকপু ;
নীংথীবা গুন পুম্বা অসে মহাক্কী,
উহনগনি ঐহাক্না মোৎলবা বাখল ওাক্তা ওইনা ;
মাগী নীংথীববা পূকচেল'সিমক্তনা
লাং ওইনা থাক্নুনা,
পুনশিনগনি ঐহাক্না মখোয় পুম্নমকপু।
(রোডেরিগ চঙলকই)
কবি তৌবে রোডেরিগ ?

রোডেরিগ — হন্দক লাক্লিবা শিকাব অসিদা,
শা ফাবা শা - হূই নত্রে ঐসে,
খোংদুনা তোকপা ! কান্নদ্রবা অমা ওইরে।
লোইত্রে লৈজবম্বা ইবন-ইথুম পুম্বসু ঐহাক্কী ;
ওসি অহিংদা য়াম্না শাথিনসু ফুত্রে ঐবু ;
অদুদগী ফংবা কান্নবা হাযববু —
ঐনা নোমজমনগী অন্নাবদুম ফংলে,
ইবন ইথুম পুম্বসু মাঙলে, অদুবু
মীওইবগী জ্ঞানদি খজিক্তং হেনগৎচবে :
ঐ হঞ্জখ্রগে অমুক হন্না ভেনীছদা।

ইয়াগ — কযাদা মবাইবক থীবনো,
অখাও কনবগী পাঙ্গল লৈতবাশিং'দো ;
খজিক খজিক ওইনা ফগৎলকপা নত্তববু
কবম্না অশোকপা লৈবগে ?
নঙনা খঙলিব'দু মঙাই ; থবক পাঙথোকই মীওইবনা,
বুদ্ধি শিজিন্নদুনা মশাগী ; মিত্রংনা নত্তে ;
অদুগা লৌশিংনা পাঙথোকপা থবক হায়বাসিমক্ মতম

চঙই ।
থবক অসিবু নীংথীনা চংথদ্রিববনে '
য়েংঙু, কেছি ওনা নঙবু ফুবে, অদুগা নঙনা
খজিক্কং শোকপা অদুনা মফম তাহল্লে মহাকপু ঃ
নুংশা মঙাল্লা য়েবদা হৈজিং ফাবক্লগসু উঁহ পূম্নমক্
হাল্লা মপান শাবা উহৈনা হাল্লা মুনবা হৌনশানি ঃ
অদুনা অখাঙ কল্লু হৌজিক্তি ;
ঈশ্বরগী থৌজালদগী নোংসু ঙাল্লকলে ;
পৃক্লিং নুংঙাইবগা, থবক লোম্লগা,
হৌখিবা খঙহৌদবনি মতমসু, অদুনা চংলো
ভূমলুবো নঙগী নফমদা ঃ চংলো হাযবিমক্তদা ঐনা
কোম্না তাবকখিনি অতৈ পাউ নঙনা,
নত্তে, চংলোনে নঙবু । (কোড্রবিগ থোকাই)
থবক অনিথক ব্রাংলি পাঙথোক্লদবা ঃ
ঐগী নৃপীনা কেছিওগী ব্রা পুশিনবা তাই
মাগী মবেম্মগী মফমদা ;
ঐনা শোযদনা তৌহনগনি মহাকপু মসি :
ঈশামক্লা থাপ্লা পুথোক্কনি 'মৃব' বু মতমদ্দা
অদ্গা পুশিল্লক্কনি মহাকপু অমুকহন্না
কেছি ওনা দেজদিমনাদা কম্না হাযজবিঙে তাঙ্গাদা ঃ
উম, অদুমকনি ঐনা তৌগদবা ঃ
তন্দে মান্দে তৌদুনা নত্রগা থীজ্দুনা অমুক,
শোযহনবা য়াদ্রে ঐগী থৌবাংসে ।
(থোকখব)

অহুমশুবা অঙ্ক ঃ

অহানবা উৎপা

মফম ঃ লানবন মমাঙদা

(কেছিও অমসুং ঈশে শকপা মী খব চঙলকই)

কেছিও - মকাপ পূম্নমক্ !

'সিদা খোংলমউ 'মুক্তা নখোযগী যন্ত্রশিং অদু,

ঐনা নখোযগী অবামন্ পাগনি।

তেল্লপ তৌনা অমা খোংউ অমসুং

"গুড মোর্নিং জেনেরেল" হাযবা ঈশেং দু শকউ।

(ঈশে শকই, যন্ত্র খোংই)

(ক্লাউন [illegible]লকই)

ক্লাউন মকাপ পূম্নমক্ !

নখোযগী যন্ত্রশিং অসিবু নেপলসদগাবা,

অসুক মনাতোন খোংলিবা 'সিবু '

১বা

ঈশে শকপা - কবন্না ইনুংঙো কবন্না !

ক্লাউন - অমুক্তা তাকপীযু ঐঙোন্দা,

চিন্না খোংবা যন্ত্রবা মখোযসিবু '

১। ফাবী তৌবা মী (Clown)

১বা
ঈশৈ শকপা - মেবীনা শাক্কী, মানি।

ক্লাউন ও, মঈমৈ পানবা জাৎ অদুনিদনা।

১বা
ঈশৈ শকপা কদাইদগা মঈমৈ পানবা, ইবুংঙো?

ক্লাউন - মেবীনা শাক্কী, ঐনা উখিবা টাল্লা-কামদুনা খোংবা
যল্লা পুল্বা মঈমৈ লোইনা পাল্লি।
অদুবু ইঙোশিং পুল্বা, 'সিদা লৈবে নখোযগী পৈশা,
অসুক্কী মতিক পেল্লে জেনেবেল্লনা, নখোযগী ঈশৈ'সে,
মহাক্না হায়র্জাব, চানবিদুনা, মখা খোংবিবনু'

১বা
ঈশৈ শকপা যাল্লা ফবে, ঐখোয় অমুক খোংজবরোই।

ক্লাউন নখোয়না কনি পুল্লা, মখোন থোক্তনা খোংবা ওল্লবদি,
খোংগৎলু অমুক হল্লা, মবমদি মীনা হায়নৈ,
ঈশৈ তাবা কয়া পামদে ঐখোয়গী জেনেবেল'সি।

১বা
ঈশৈ শকপা মদুগুম্বদি ঐখোয়দি হৈজদে।

ক্লাউন অদু ওইববদি নখোযগী মল্লশিং অদো,
হাপচিনখ্রো থাউ মনুংদা ; মবমদি ঐসু চৎলানি ;
লেংবিখ্রো নখোয়সু হৌজিকমক, নুংশিভা তিনখ্রো।
(ঈশৈ শকপা মযাম থোকখি)

কেছিও - ঐগী পূকচেল শেংলবা মকপু, তাবব্রা?

ক্লাউন - হুম, ঐদি নংগী পূকচেল শেংলবা মকপু তাদে ;
নঙবু তায়।

কেছিও - তোকপীবো নঙগী বাহৈগা মিত্রংসে।
সে, মনাগী শেল অসে নঙগানি।

জেনেবেলগী নূপীগী মনাইনূপী ইবেম্মা'দু
তূম্বদগী করিগুম্বা হৌগৎলবদি,
কনাগুম্বা কেছিও কৌবা অমনা
বা অমত্তা হায়জগে হায়বীয়ু ঃ
হায়বিগদ্রা নহাক্না মসিবু ?

ক্লাউন – মহাক হঙ্গৎহন্দা চৎলম্বনি, অগুম্বা ঃ
'সোমদা লাক্লবদি ঐ হায়গে নীংলি।

কেছিও – শোয়বিগনু, ঐগী পুকফবা মরূপ *(ক্লাউন থোকখি)*
(ইয়াগ চংলকই)
তান চানা উন্নরেদা ইয়াগ।

ইয়াগ – নঙদি শুকতুম তূমদ্রমাল্লে ?

কেছিও – নত্তে, ঐখোয অনি হেক কাযনবগা
নোং ওাম্বোরকপনা হাল্লে।
নংগোন্দা তাক্লমদনা ঐনা, ইয়াগ,
পাউ অমা থাজিনম্রে নওগী নূপীদা
ঐনা মগোন্দা হায়জখি
থৌজানহৈববী দেজদিমনাবু ঐগা
ওহাক্তং উন্নজবা যানবা শীনবিয়ু।

ইয়াগ – ঐনা মাবু ননাক্তা থারক্কনি হৌজিকমক্ ;
অদুগা নগুনা বারী শাবদা অপনবা লৈতনবা,
নওগী থবক্তা কোন্নবা,
পাম্বে অমা থিগনি ঐনা, 'মূব' বু থাপ্না পুথোকখিনবা।

কেছিও – ঐনা মদুগীমদক থাগৎচরি নহাকপু *(ইয়াগ থোকখি)*
অসুক থৌজানহৈবা, পূকচেলশেংবা মীদি
ইরেবাক মচা ফ্লোরেন্সগী মীশিংগী মরক্তা ফাওবা লৈতে।
(ইমিলিয়া চংলকই)

ইমিলিয়া প্রকফবা লেফটেনেন্ট, নংগা উন্নবা নুংঙাইরে ঃ
জেনেরেলনা নংবু শাউব'াসদা ঐসু নুংঙাইত্রে,
অদুবু মমৈদদি পুম্নমক অফবা ওইগনি।
জেনেরেলগা মাগা নুপীগা অদুগী মবমদা রাধা শাই ;
মহাক্না নংগীদমক কল্লা হায়বিবি ঃ
মদুদা 'মুব' না খুম্নকই,
নঙনা থাঙনা শোকহল্লুবা নিপা অদু,
মশক নাইবা নুপানি সাইপ্রসদদি,
অচৌ অশাং কয়া সঙ্গ তৌবা মীনি, অদুনা
নঙবু থবক তোকহন্দবা যাদবনি তঙাইফদনা ;
অদুম ওইনমক্ মহাক্না নঙবু নুংশি হায়,
অদু মক্তনা মবম ওইদুনা কনাগী থৌইনশিন যাওদনা,
হঞ্জা চাবা অমওং ঙাইবগা,
নঙবু নফম হঞ্জলহনগনি অমুক হন্না।

কেছিও - অদুমকপু ঐনা হায়জবি,
নঙনা কাযদে খল্লবদি নংত্রগা
নঙনা ঙম্লিগদবা লৈববদি,
ঐগা দেজদিমনাতগা ঙহাক্তং
থাবী শানবা খুদোং চাবা অমতা পীবীগু।

ইমিলিয়া লেংঙশিনবীবকউ মনুংদা,
ঐনা অসিগুম্বা মফম অমদা নঙবু থমগনি,
নঙনা ননীং তৌনা নঙগী অবাবা অদু লীজবা
যানবা মঙোন্দা।

কেছিও ঐ নঙগী লম্মন যাম্না তোল্লে। (থোকখিবা)

১। দেজদিমনা
২। কেছিও

অহুমশুবা অঙ্ক ঃ

অনিশুবা উৎপা

মফম ঃ লানবন মনুংদা কা অমা।
(ওথেল্লো, ইয়াগ ফম্নাইবশিং চঙলকই)

ওথেল্লো — চিংশিং অসি ইয়াগ,
জাহাজ থৌবিবা নীপা অদুদা পীয়ু,
অদুগা মঙোন্দা হায়শো, ঐনা
খুকমজবকই হায়না সিনেটপু ; মদু লৌইবগা
লাকউ লানবন্ লোমদা, ঐবু থিবকউ।

ইয়াগ - যাম্না ফগনি, ঐগী পুকচেল চাউবনা অহুম্না
ঐ থিজবক্কে।

ওথেল্লো - ভদ্রলোক পুম্নমক্, চৎসি ঐখোয় পুম্না,
লানবন্ শেমশাবা যেংলুবসি।

ভদ্রলোক - লেঙলসি, ঐখোয় ইবুংঙোগী থৌগল তৌজগে।
(থোকখি)

অহুমশুবা অঙ্ক ঃ

অহুমশুবা উৎপা

মফম ঃ   লানবন মনুং লৈকোল অমা।

(কেছিও, দেজদিমনা, ইমিলিয়া চঙলকই)

দেজদিমনা - নীংথৌইদনা লৈথোকই, পুকচেল শেংলবা কেছিও
হোৎনগানি ঐনা হেক থুম্বা মীশ নংঙীদমক।

ইমিলিয়া - শোয়াবনুকো, থৌজালহৈবা ইবেম্মা,
ঐনা হায়জবা সিনি —
মৌদুগা অসে মশানথো হেক থোকপগুম
থুম্বাক্লা নুংথাইত্রবনি ঐগী ইপুংবাইনসু।

দেজদিমনা ও, ঐ খংই, মাদি পুকচেল শেংবা মী অমনা
কান্নবা চিংনগনু, কোইছিও,
ঐনা শানগান হায়গী মতৌ থুম্লগা চানবা,
ঐগী ইপুং থাগা নঙগা।

কেছিও - থাজাক মীচান ফবী ইবেম্মা,
মাইকেল কোছিওগী মবাইবক্রা,
লৈবল্লগা শাইনা তম্বা অমা, অদুবু
মশাক্ত, লৈবগনি মপোকসিনগা
অশেংবা ননাই অমা ওইদুনা ইবেম্মগা!

১। কেছিও

দেজদিমনা ঐ খঙই মদু ; নঙগী নব্বা তাবদা নুংঙাইরে।
নঙনা ঐগী ইবুংঙোবু তশেংনা নুংশি ঃ
মতম কুইরে নখোয'নি খঙনবকপ'সি :
অদুনা চেৎনা থাজৌ অসিমদি নঙনা,
মীয়ামদা অদুক উৎপর্তনি মতম খবগী
ইহোক্কদবা নত্তে নহাকপু ভুং কোইনগী।

কেস্থিও - অদুম্মদি ওইবগা ইবেম্মা,
জেনেবেলগী থৌওং মতা অসিনা
পঙকুই হেক কুইথখিবসু যাই, নংত্রগা
কৈসু লৈতবা থৌদোক অমগীদমকসু অমুক,
ঐবু অসুম ইহোকপিখিবসু যাই, নংত্রগা
ফীভম অসি ওনখিবসু যাই মতমগী মতুং ইন্না,
ঐদি লৈত্রবনিনা ঐগী ইহুৎ
হাপ্পিত্রবদি অতোপ্পা মী অমা,
কাউবিখিবা যাই ঐগী জেনেবেলনা,
ঐনা তৌজবম্না সেবা, ঐনা মাবু নুংশিজবা পুম্না

দেজদিমনা - কবিমত্তা চিংনগনু মদু ;
রাশক্কুনা হাযবি'সিনি ইমিলিয়াগী মমাঙমক্তদা,
হোৎনর্গনি ঐনা নঙগী নফম হপ্পনভম্নবা,
অসিমসু খঙু ঃ —
মকাপ মপাংগী থবক অমা তৌগে হাযনা,
পূকনিং লেপত্রবদি কবিগুম্না,
পাঙথোক্কনি ঐহাক্না থবক অদু মপূং ফানা ঃ
শুকপোৎ-পোত্থাহল্লোই ঐগী ইবুঙোব,
ভূমহল্লোই ঐনা মহাকপু ;
ঐনা শ্রাঙবা অদুদা তা'হৈবা ঙমলক্লদনা
ঐনা হাযজনা অদু য়াবিবক্তি 'ফাওবা শ্রাঙর্গনি :
ভূম্না চঙলে স্কুলগুম্না, চাবা চঙলে গির্জ্জাগুম্না,

ঐনা ঙাঙগনি মফম খুদিং ;
খোঙথাং খুদিং মহাক্কী
যেৎশিনহনগনি ঐহাক্না নঙগী ৱাতগা ;
মবম অসিনা নুংঙাইথোকউ, কেছিও ;
নঙগী ৱা-পৃবী অসিনা হুন্দোকলম্বগী মহুৎতা
নঙগী ৱাফম অসিবু লমখাংদা মঁইহ যান্দনা
থোইনা হেন্না ফৈ শিখিবনা।
(ওথেল্লো ইয়াগ থাপ্না লাকপা উই)

ইমিলিয়া - ইবেম্মা ! ইবুংঙো লেংঙকএ 'সোমদা।

কেছিও - ইবেম্মা ! ঐ চৎচরইবগে।

দেজদিমনা - কবিগীনো, ঙাইখো চৎখিনু, ঐনা ঙাঙবা তাখো।

কেছিও - ইবেম্মা, হৌজিক মক্তি ফৎত্রে ;
কবিমক্তা লৈতাদাবি ঐগী পুক্নিং অসি,
অদুনা হায়জবা ৬মজবাই ঐগী কান্নবা বা অমত্তা

দেজদিমনা — ফবে, নঙনা 'সুম ফানা হায়বদু ত্তৌ।
(কেছিও থোকই, মদু উবানা)

ইয়াগ এ ! ঐ মসাদি যাজনিংদে।

ওথেল্লো কনি হায়বা ?

ইয়াগ - কনিসু নচদে, ইবুংঙো ;
আ, কনিবু হায়জগদনো খঙদ্রে।

ওথেল্লো - ঐগী দেজদিমনাগী মনাক্তগী চৎলিবা অদুবু কেছিও নত্রে ?

ইয়াগ কোছও হায়বা ? হুম মহাক ওইবসন্নাইদা, ইবুংঙো !
জেনাবেল লাক্লি উবদা,

মবাল লৈববা অমগী মতৌগুম্না
লোম্না চেংথ্রিবা নীপা অদুবু . . . কেছিও !
ঐ থাজবা ঙমজদে।

ওথেল্লো - মহাক্কি শোযদ্রবনি।
(দেজদিমনা চঙলকই)

দেজদিমনা — ফবেদা, ইবুংঙো !
হৌজিক্কা ঐ, ইবুংঙোদা হাযজবা লাকপা
কনাগুম্বা অমগা রাবী শাজবমইবনি ;
ইবুংঙোগী অশাউবা নৈবিগা চেংনবদুনা
যাম্না বাবনা নীপানি মহাক অদু।

ওথেল্লো — কনানো নঙনা হাযবিবা অদুদু ?

দেজদিমনা — কনানু ওইগদগে, নংগী লেফটেনেন্ট কেছিওনি।
মরে ইবুংঙো, নংগা থম্মোইদা
খিত্তং ফাওহনবা গুনা অমদি শক্তি,
লৈবম্না খোক্রবদি ঐঙোন্দা খবদং,
মসিমু মহাক্কা হাযজ্জবিবসি ইবুংঙো !
মহাক্কনু চংশেংনা ইবুংঙোবু নুংশিনমদ্রনা,
অরেম্বা তাখ্রসনু ঐগী গুনদো,
মীগী মায়থোংবু যেংলগা লমচৎ লেপ্পা ঙম্না।
ঐনা হায্জদি, অমুক হন্না কৌশিননীগু মাবু।

ওথেল্লো মহাক মখল্ল সিদগী হৌজিক্কা চৎখিননা ?

দেজদিমনা - অহোই, চুমই চৎখি ;
অসুক্কী মীংক থম্মোই শোকখ্রে মহাক,
মহাক্কী অরাদদু থাইবম্রে ঐঙোন্দসু
মাগা লোযননা রামিন্নানবা।
চানথোইননা, মহাকপু কৌশিননীযু অমুক হন্না।

ওথেল্লো — থৌজাক্ত মতম চাদ্রি, নুংশিববী দেজদিমনা,
তান চাবা মতম অমদা।

দেজদিমনা — অদুবু থাঙ্বিরোইদবা নত্রা ?

ওথেল্লো — মাশি, চান্নবী নঙনা হায়বরগিনা যাগিবামখৈ থান্দনা।

দেজদিমনা — অদুদি ঙসি নুংদাংগী
চাকলেন মতম অদুব্রাইদবা ?

ওথেল্লো - হয়, নত্তে ঙসি নুংদাংদি যাদে।

দেজদিমনা - হয়েং নুংদাং চাকশাবা মতমদদদি যাববরা ?

ওথেল্লো — হ[illegible] দি [illegible]মদা চাক [illegible] ,
কে[illegible]প্রুশিংগা লানবনা ম[illegible] [illegible] [illegible]।

দেজদিমনা — ম[illegible]ন অদু ওইবনদি শোয়দ্রবীরগনু
[illegible] দা[illegible]সে ; নত্রগা চৈপাক [illegible]কপগা অয়ুক্তা ,
নত্রগা [illegible] নত্রগা যুমশৈ[illegible]শগা অয়ুক্তবা :
না[illegible] হায়দবি থ্রীহান্ত্রা,
অকক্লব মতম অমা থর্শনবগী
অদবু [illegible]বাগনু নুমিং [illegible] ,
[illegible]শংনমক নীং খুমদনা [illegible] মঙ [illegible]
[illegible], মঙাক্কী মবাল্দদ
থ্রী[illegible]যগী বাখন্দাদ,
নঙগা লয়াই ওইনা [illegible]বা যানা
অদুক চাউবা মবান ন[illegible] ;
মপ্পগী, মীনা হায়নবা,
লানগী ম[illegible]মদাদি মৃদম ওই[illegible] যা[illegible]বা
অকনব [illegible] পাগদবান হায়র[illegible] ন[illegible]না।
হায়নায় থ্রী[illegible]খান্দা ইবু[illegible]ঙ্গা

কবম্বা মতমদা কৌশিনবিগদগে মহাকপু '
ঙসি ঐনা হন্না হন্না হাযর্জাবিবা অসুম্না,
কবিগুম্বা অমা হায়ববদি নহাক্লা ঐঙোন্দা,
ঐনা মদুবু য়াবোই হাযব'সে
খনবা ফাওবা ঙমদে ঐগী পূক্লিংদা।
কবি ! মাইকেল কেছিওবু !!
নঙগা ঐগা মবী লৈনবা হৌগৎলকপা মতমদুদা,
ঐনা নঙবু থীনা থীনা ঙাঙলকপা খুদিংদা,
নঙগীদমক লেপশিবা মীনি মহাক্তি,
অদুগুম্বা মহাকী ফম হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা,
অসুক যাম্না হাযজবা তাববা ঐনা !
ঐবু থাজবিয়ু, নহাক্লা হাযবা অমা

ওথেল্লো — অমুক নখা তাবনু, ঐনা হাযবি'সিনি :
মহাক্লা লাকনিংবা মতমদা লাকসনু,
নঙনা হাযবদা ঐনা য়াবোইদবা লৈতে।

দেজদিমনা - কাবনো, ঐনা নিজবিবা'সিদি থৌজাল পাংদে,
মসিদি নঙবু খুৎ মোজা উপাশিন্নু, নত্রগা
অফবা চিঞ্জাক চাউ, নত্রগা
যি নীংথীনা শেৎচিন্দুনা নশাদু লূমহল্লু, নত্রগা
নং নশাগী থোন্থইদাক্লনা কান্নজগদবা
থবক অমা তৌ হাযবগুম্বনি।
নঙগী নুংশিবা অদু চাং যেংনবা
কবিগুম্বা অমা হায়জবা তাববদি ঐনা,
ওইবমগনি পোৎশক অদু,
যাম্না নক ওইবা, যাম্না লূম্বা,
নঙনা পীথোকপদা যাম্না লুবা অমা।

ওথেল্লো নঙনা হাযবা অমত্তা যাদবা তৌবোই ঐনা।

মদুগী মহুত্তা ঐসু
কবিগুম্বা অমত্তা হায়জগে নঙোন্দা —
ঐবু ওহাক্তদি ইথন্দ চীক্ল লৈহল্লু।

দেজদিমনা - ঐনবু নঙনা হাযবদা ইন্দবা ওম্ববা।
চংচবগে ইবুংঙো।

ওথেল্লো - ফবে, দেজদিমনা,
ঐসু নঙগী ননাক্তা লাক্কনি, চংলমলো।

দেজদিমনা - চংসি লাক ও ইমিলিয়া।
ইবুংঙোনা নীংবা মতুং ইন্না পাওখোর্কাপযু।
ঐদি পুন্সি চুপ্পা ননাইনি।
(দেজদিমনা, ইমিলিয়া থোকখি)

ওথেল্লো নুংঙাইদা শকতেনবী লিন্দাউর্বা,
নোংনোক্তা তাবা ওইগনি পুন্সিংসিম্মা
ঐনা নঙবু তশেংনা নুংশিদে হাযকববদি।
অদুবু ঐনা নঙবু নুংশিবক্লবদি
শোযদ্রবদি পম্মাও মাঙবা।

ইযাগ ঐগা পকচল লাউববা ইবুংঙো

ওথেল্লো ইযাগ, কবি হায়বীংই।

ইযাগ নঙনা ইবেম্মা আসগা মবা লৈননকপা নত্তমদুদা
দেজদিমনাবু নত্তাক্লা অসুক নংশি হাযবংসে
মাইকেল কেছিওনা শঙবনা।

ওথেল্লো হৌবদগী লাইব ফাওবা খঙলিবনা মহাক,
কবিগাননা নঙনা মদু হংলিবনা।

ইযাগ এঃ চম্মা কবিগুম্বা চিংনবা ঋাখল অমত্তুং।
কনাগীসু মাওনবা নচ্চদ।

ওথেল্লো - নঙগী চিংনবা ৱাখল ! কবি হায়বা, ইয়াগ ?

ইয়াগ - কেচিংঙগা ইবেম্মাগা খঙনবমগনি হায়বসিদি
ঐদি খল্লুদে।

ওথেল্লো - তশেংনা খঙনৈ, তোয়না পাও পুবমইবনি ঐখোয়গী।

ইয়াগ - অণ্ডইবা !

ওথেল্লো "অণ্ডইবা !" মানি অণ্ডইবনি !
মদদা নঙনা কবিগুম্বা চিংনবা লৈববা ?
কেচিংঙসিবু পুকচেল শেংবা মী অমা নত্রে ?

ইয়াগ ইবুংঙো, পুকচেল শেংবা হায়বা ?

ওথেল্লো উম, পুকচেল শেংবা !

ইয়াগ ইবুংঙো, ঐনা খঙজবদি
মদগী ওন্নৈতনবা ওাক্তা -

ওথেল্লো নঙনা কবি খঙবা ?

ইয়াগ খনবীয় অণ্ডম্বা।

ওথেল্লো "খনবীয় অণ্ডম্বা" -
(মথম্দা) ঈশ্বরনা খঙগনি,
হয়দোকপা যৌনা অকিবা ফংলবা ৱাখলনা
ফুমদুনা লৈবগুম্বা মাগী থম্মোইদা,
ঐগী বাহংগী পাউখুম পীদনা
ঐনা হায়খিবা ৱা অদুমক
হন্না হন্না হায়রিব মতাক্তা।
(ইয়াগনা)
কবিগুম্বা বাখল অমা নপুক্তা যুমলি নঙ,
কেচিংঙনা ঐগী নুপীগী মনাকুগী চেংখিবা
মতমদদা হায়খি নঙনা -

"ঐদি মাস যাজনীংদে" হায়না ঃ
হায়যু কাবিনো নঙনা যানীংদ্রিবদু
অদুগা ঐনা দেজ্জদিমনাগা মাব লৈনবকপা মতমদগী
কেছিওনা বা পুবা ওইবনা মবম পুন্নমক মুন্না থঙই
হায়বা মতমদসু, হংখি নঙনা অঙকপা খোঞ্জলনা
"অওইববা" হায়না।
অমসুং অকিবা ফংলবা ঙাখল কয়া
লোত্তুনা থম্বগুম নঙগী কোক্ মনুংদা,
শুকাপ নঙগী পাগুম অদ ঃ
চংশংনা নুংশিববাদি নঙনা ঐবু
হায়যু নঙনা নপূক্লিংদা কাব থাল্লবা।

ইয়াগ অঙম্বা নানাইনা ইবুংঙোবু নুংশি চনবসে
ইবুংঙোসু থঙলিবনি।

ওথেল্লো নঙনা ঐবুদি নুংশি হায়না খাল্লু ;
অদুগা নঙ অসে পকচেলশংবা, মিনুংশি চাউবা,
বা অমা গ্রাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা
যাম্না নাখল তৌবা মী অমনি হায়বা,
হন্না খঙবা মবন্না ঐনা
হায়দোক্তুনা পম্বদুনা লৈবা অসিমক্লা নঙনা,
থোইনা মিপাইহল্লে ঐহাকপু।
মবমদি অসিগুম্বা মখাক নাইবা বাঙ্গাঙসে
নমথাক্ তৌবা ফংত্রবা চাকু অমনা হায়বা ওইনবা
হায়না যাই মাগী মশাগী তৌনবা তাংনি
অদুবু -
পকচেল শংবা মী অমগী মফমদি মসি
ঙম্মোইদগা তৌবকপা খিংনা চমদ্রবা ইপোমনি ;
অর্থ যাম্না লৈবা মখাক নাইবা বাঙাঙনি।

ইয়াগ – মাইকেল কেছিওগী মথমদা, ঐনা,
থৌনা ফনা রাশক্রুনা হায়বা ঙমই –
মপুক শেংবা মীনি মহাক ।

ওথেল্লো – ঐসু অদুম্না খল্লি ।

ইয়াগ – মী হায়ব'সি মপাম্বোংগী শকফমদা,
তাবি থম্মোইগী মমিসু ।
মদুম তৌদবা মীশিং অদুদি
কবিসু উত্তবনা ফৈ হায়না খল্লি
মখোযগী মাযথোং অদুনা ।

ওথেল্লো – অচুম্বনি, মী হাযবা জাৎ অসিদি
মপানথোংগী মাযথোংনা থম্মোইগী শকফম তাকই ।

ইয়াগ – অদু ওইরবদি –
কেছিও অসি পুকচেল শেংই খল্লি ঐদি ।

ওথেল্লো – নত্ত, নঙগী বাগুাংশিং আসদা
নঙনা হায়বিবা অদু নত্তনা
ফুমলি অতোপ্পা অর্থ অমা :
ঐনা নঙ্গুান্দা হায়জনি –
হায়য়ু ঐঙুান্দা নঙনা কবি খল্লবা,
হায়দকলো ঐঙুান্দা তশেং তশেংনা
নঙগী থম্মোইদা লৈবিবা অকিবা ফংলবা বাখলশিংদা ।

ইয়াগ পুকচেল চাউববা অঙম্বা, ঐবু ঙাকপীয়ু :
নঙনা হায়বমখৈ ইনাফম পোক্কবসু ঐনা,
অইবরা মাংাই ফাওবনা মনীং মথা তৌজবা য়াবা
বাফম অসিমদি ইন্দনদা পোইদোকনা কায়দে ।
ঐগী বাখলশিং অসিব হায়দোকউ হায়বা ।
ঐগী রাখলশিং অসিনা

মোংলবা তৃক্কচববা অবানবা ওাক্সা ওইবন্না থোক্লো,
হায়বদি অমোংপা থবক্লা কবিগুম্না মতমদা
চগুবা হুন্ন্রাইদনা কবন্না কোনুং লৈবগে ’
অদুগা অমোংপা অমসুং অশেংবা রাখল,
অনিসিমকপু পূন্না তোংনদুনা লৈত্তবা
কবন্না অশেংবা থম্মোই লৈবগে ”

ওথেল্লো - নঙগী মরাপ অসিদা কনাগুম্বা অমনা
অবানবা তৌবিরে শঙলবা মত্তদা নহাক্লা
মাঙান্দা ফোংদোক্রুবদি নঙগী বাখল অদু,
নঙ ফাওবা যাওনা
নঙগী মরাপ্পু মাঙনবা শিনবা তাবে, ইয়াগ।

ইয়াগ ঐনা নোল্লুক্লা হায়জবি নাঙান্দা -
ফত্তবা রাখল কয়া কবিগুম্বদা
পূক্লুংদা ফুমদুনা থমগল্লগসু ঐসে,
ঐ ইশানা যাইক্ত ইশাগী অশোযবদু,
মবাল শুকলৈ লৈত্তবদা মবাল থিবাসে,
পোকপদগী যাওবক্লবা ঐগী অশোযবনি।
অদুবু লৌশিং চাউবা ইবুংঙোনা
থৌওইনা লৌবকনু অপঙবা ঐগী চিংন রাখলসিবু
নত্রগা পোথাহন্দবসু তৌবিগনু নঙগী থম্মোইবু
ঐগী অবেপ্পা শঙদবা, পংঙাং ছাগুজবা অদুনা।
ঐগী রাখল অসে নঙোন্দা শঙইল্লুবনা
নঙগী অফবা ওইবোই নত্রগা পূক্লুংগী শান্তি ফংলোই,
নত্রগা ঐগী নাপা ওইবগী গুন,
ঐগী পূকচেল শেংবা,
নত্রগা ঐগী বুদ্ধি লৌশিংদা কান্নবা ওইবোই।

ওথেল্লো - নাঙনা ছাগুলিবা আসগী অথ কবিনো ”

ইয়াগ — নৃংশিবরা অগুম্বা, নূপী নূপা পুন্নমক্কী
মমল নাইড্রবা মণাদ মশোগী থম্মোইগী
"অফবা মিংচৎ" হায়বর্সনি।
ঐগী শৈশা হাপনাদ কনাগুম্বা অমনা,
মমল যাওদবা পোৎ অমা হুবগুম্বনি ;
তৌজিক্তি পৈশা অদুগী মমল খব লৈবি
অদুবু মিকপ খবগী মতুংদদি
মমল শুকয় ও যাওদে ;
মতম খর্দদ ঐগী ওইরমই মদু
হৌজিক্কা অমুক মতাক্কী ওইখিবদনি,
মপু কমা খুৎথাঙ ওনথ্রবনি মত্তৌ অসম্ন।
অদুবু ঐদগী পুখ্রবা মতাঙ্ অফবা মিংচৎ এঙাক্পগী
কৌবস খোইনা ইনাক খনাগৎলক্তে
অদুনা তংশংনা লায়বর্হল্লি মহাক্কা ঐবুদি।

ওথেল্লো - ঈশ্বরনা শাক্কী!
নত্ত্রা! নাখল অদু ঐ খঙ্দনা যাদ্রে!

ইয়াগ ঐগী থমোয়্মাই অসি নখূৎ চেল্লফাওনদা,
যাম্নবা চুম্লাই নাত্তনা ঐগী নাখল,
অদুগা নখুৎ খংহন্লাহ ঐনা মদু
ঐগী থমোয়নাইদা লোত্তুনা থাম্লিগদদি।

ওথেল্লো হা!

ইয়াগ অগুম্বা! চোকশিনরীয়ুকো কল্লক খম্নবা পুক্কুলদা,
তক্কা থ্রবা হিংচাবনি মসি,
তমাথনা ওৎলি মহাক্কা
মাবু শোত্তুনা থাম্লবা থম্মোই অদুগ ;
মপূক শংদবী নপাগী নুপানা,
শেংনা খঙ্জবনা মাগা মবাইবক্তু অমসুং

মংঙাল্দা অবানবা চৎলাবী মাগী নুপাগী লমচৎ তু,
নুংঙাইনা লৈখোকপা ঙমই,
অমুক হন্না নুংশিবা তৌকদ্রে মহাক্না ;
অদুবু নুপা অমনা মাগী নুপীবু
ঙমখৈ লৈতনা নুংশিজবগসু থাজবদি ঙমদ্রবা,
চিংনবগী মকুদা মতাকপু নুংশিদবসু ঙমদ্রবা —
অদুম্বা নুপা অদুনা কয়াদা বান লোল্লগনা
মাগী পুন্সিদা ।

ওথেল্লো ও, ফেক্কা মবাইনক শোরনি !

ইয়াগো লায়রকুদবসু পূক্লং পেন্না লৈবা মী অদুদি
ইনাক খুনবনি, যান্না ইনাক খুনবনি ;
অদুবু লোংম্দি নংথবক্কানি হায়বা ঙাম্নদা ;
মতম্তুল্লদা ওতুনা লৈবিবা ইনাক খুনবা অদুদি,
মপান নাইদ্রবা লন থুমগী মপু ওইদুনাসু মহাক্তু
চুকোক কোকপা মতৌ মবোং পান্দবা নাথনখাগুম
লায়বনা নাপা অমানা । হে, ঈশ্বর !
ঙাকথোকাপসু নহাক্না মাওইবগী থম্মোইবু
কল্লক খল্লং মৈশাদগী !

ওথেল্লো - কর্ব কাননা হায়বিবদু !
নাপুনা নীংনবু ঐ অসে,
কল্লক শন্দ্রন বাখল্লা মতমচুল্লা ওতুনা
খা খুদিং অশুনী অনৌবা চিংনবা হাপচিনদুনা
পুন্সি লোনগনি নীংনবা ? শল্লুনু,
অবানবা খাখলনি মদু, অমুক্তং চিংনখ্রবাদ ঐনা,
অদুম্মক চিংনবগদবনি পুন্সিচুম্মা :
নতুনা হায়রবা অদুম্মা কানিশুম্না
ওইথোকপা অথৌ লৈতনা চিংনবা কয়ানা লমাংদুনা এমু ;

কাউথোকপা থোক্লবদি ইথৌ অদু,
ঐগী থম্মোইনা তৌফম থোকই হায়না ইনশিল্লক্তনা
দেজদিমনা - ও, ঈশ্বরনা ঐখোয় পুম্নমকপু ঙাকপিসনু।

ওথেল্লো অদুদি নাঙনা ঐবু ঙাকপিযু ঃ
ঐদি নঙ্গী সে ওথেল্লোনা লুহোংদুনা লৌখিবা,
তৌ' ওস্ত্রী ভেনীছগী ওক্কবী অদু ওইবরোই নীংগুবে।
(খোংথাং লেংলা) হৈ নুপী,
নংগী নাগৌদি সেন্ট পিটাবগী গা হেক ওনাবা
নবক্কী থোঙ শওবনি। (ইমিলিয়া অমুক হন্না চংলকই)
নঙ্, নঙ্ লাকলে, ফবে।
ঐখোয়গী ঙাঙনগদবা বাসু লোইবে
সে, পৈশা অসি নঙগী অরামন,
ঐনা নঙোন্দা হায়জবি,
খব লোনশিনবীযু থোঙ্ অসি, অদুগা -
মী শঙহনবিগনু ঐখোযগী অবোনব'সে।
(ওথেল্লো চংখিবা)

ইমিলিয়া - ওস্থোকপানি, নুপা অসিনা খল্লিব'সি কবিনো ?
কমদৌবিবগে, ইবেম্মা ? কমদৌবিবগে ঐগী পুকচেল
ওপ্লবী ইবেম্মা ?

দেজদিমনা - অশংনা হায়ববদা,
অংখায় অমা তুম্ব'দু ঙাযবে ঐ।

ইমিলিয়া - পৃকফনী ইবেম্মা,
কাবদৌবগে ঐগী ইবুংঙো'সিবু ?

দেজদিমনা - কনাবু ?

ইমিলিয়া - কনিনোনে, ঐবু ইবুংঙোবুনিনে, ইবেম্মা।

দেজদিমনা - কনানো নঙগী ইবুংঙো হায়বদি ?

ইমিলিয়া - নঙগী নপুংঙো ওইরিবা মহাক অদুনিনে,
নুংশিবী ইবেম্মা।

দেজদিমনা - ঐগী কনা'মত্তা লৈজদ্রে ঃ
ঐঙোন্দা খা অমুক ঙাঙলক্রগনু, ইমিলিয়া ;
কপ্পসু ঙমদবে ঐহাক, পাউখুমসু লৈত্রে ঐঙোন্দা,
মাঙগী শিঙ্গবকপা পিনা ফোংদোকপা নত্তনা;
ঐনা হায়জবি,
ঐগী লুহোংবা নুমিত্তা কৃপাখবা ফি অদু
থাবিবমউ ঙসিদি ঐগী ফমুং মথক্তা, কাউগনুকো;
অদুগা কৌবিবকউ অমুক্তা নঙগী নুপাবুসু মফম'সিদা।

ইমিলিয়া - ডংশংনমক্, পুমহোং হোংলম্লে। (থোকখবা)

দেজদিমনা - মানা চৎলিবা অসি ঐঙোন্দা চপচাববা লমচৎনি।
ঐগী কবিসু লৈতবা ইবান্দা
ওইদবা ঙাক্তা থঙজিন্দুনা মানা শার্উবিবসে,
কবম্মা লঙজবা লৈত্রবনো ঐহাক্না ?
(ইয়াগগা লোয়ননা ইমিলিয়া চঙলকই)

ইয়াগ ঈকাইখুম্নবী ইবেম্মা, কান তাকপিগদবা ?
কবম কবম তৌনবিবগে ?

দেজদিমনা হায়কম শঙ্গদবে ঐহাক।
পাক্লিবা অঙাংশিং ব খোৎনা নৌনা

হৈনবা তম্ব ওঝাশিংনা
অবাযবা প্রমাণ খুদম্মচিংবা পীদুনা ঃ
ওইবমগনি মহাক্কসু অদুম্মা চৌবিবা,
মবমদি, তশেংনা হায়ববদা
ফংলক্লি মীচৈ কনাগুম্বগী ঐগী পুন্সি অসিদা।

ইয়াগ - কৈদৌনবগে ইবেম্মা ?

ইমিলিয়া - ওস্থোকপানি ইয়াগ,
ওক্তবাঁনি হায়বগে মহাকপু ঐগী ইবুংঙোনা,
কনাগা মেম্মইনাসু খাঙবা ঙম্লবোইদৌবা
তাথীবা ঝাঙাং, অযাকপা খোনফম ঙাক্কা
শাজিন্নবীবে মঙোন্দা।

দেজদিমনা হায়বা মাম অদুমক ওইনব্রনে ঐবু, ইয়াগ ?

ইয়াগ কবম্না মিংলা চঙখোনবা ইবেম্মা ?

দেজদিমনা ইমিলিয়া। ঈগ্নাঙো পনাবিবীদু,
ঐসি মদ ওইবে হায়নি ঐগী ইবুংঙোনা।

ইমিলিয়া মহাক্না ঐগা ইবেম্মবু ওক্তবী হায়বে।
লম্পীগী চাকনিবা মক্কসু যু ঙাওবগা,
শিজিন্নবোই অসুম্বা খোন্দাদি মাগী নুপীমক্কসু।

ইয়াগ কনিগীনা মহাক্না অদুম্মা হায়বিবা ?

দেজদিমনা ঐদ কানমত্তা খঙদে; অদুবু
মাগা হায়নবা অদুম্মক্তি এদি ওইদ্রে হায়বা খঙই।

ইয়াগ কপকনু, কপকনু। ওস্থোকপা ন্যামৎ হায়নদনি।

ইমিলিয়া মাকুকাংনবা নুপা কয়ানু ভুন্দোকলম্না, ঐগী ইবেম্মানা,
মপা, মকুপ মপাং অমসুং মাংবাকপু থাদোক্লম্লা

ওক্তবী মিংথোল ফংনবরা ?
অসিদগু কপলোইদনা কনানো ?

দেজদিমনা - মদু ঐগী ইবাইনক্ থাবননি।

ইয়াগ - নোবোক্তো তাবা ওইসনু মহাক মদগীদমক ?
করম্বা ঈগিন্দগী লাক্লিবনো,
অসুম্বা অঙাওবা বাখল'সি মঙান্দা ?

দেজদিমনা — খঙদে, ঈশ্বরদনা খঙগনি।

ইমিলিয়া শান্দোক্লবা মঙবা কদনাম অসি,
লোকপদগী যৎলক্লবা কনাগুম্বা,
মতমচল্লদা মীগী মাঙনবতা শিল্লবা থুবানবা
তাং তৌবা লৌনম্বা মীনাই মচা অমনা,
ফম অমতং ফংনবা হাযদনা
লোর্নকুনা শান্দোনবগু তেক-নাৎলমদ্রবাদ শিঙ্গগে ;
ঐনা হায়বির'সি শোযববা, লৈগ্রবোই ঐ।

ইয়াগ কযাদা তূক্লচগ্রবা ?
মদুগুম্বা মী লৈবা তৌনদে: মদ ওইথোক্তবনি।

দেজদিমনা লৈবম্বা থোক্লবসু ঈশ্বরনা ঙাকপসনু মহাকপু।

ইমিলিয়া লৌব কোক্লোমলা কনাবিগদবা মঙাই ?
নাবোক্তগা শুক কা কাবদোইদবনি মহাক্তি ?
কবিগানো মহাক্তা ঐগী ইবেম্মবু ওক্তবীনি হায়বিবা ?
কবম্বা মফমদা, কবম্বা মতমদা, মতৌকবম্বা,
কনাগা লোযননা লৈমিয়াকউ হায়র'গে ঐগী ইবেম্মনা ?
ওইবা যাবা বাবা মসাবা ?
কনাগম্বা এমথীনা যৎক্রবা দাক,
লকনাম্ব শাক্লবা ওনানবা, শা ঙাংম্বা অমনা

নমথাক তৌবির্বানি 'মূব' অসিবু।
হে ঈশ্বব ! মশক খঙহনবিবো মীয়ামদা,
অদুস্বা তুক্কচনবগী মশক ওইববা মীওই অদু।
পূকচেলশেংবা মীপূম খুদিংমক্তা,
মনমতৎন ফূনবা শগোল শাজৈনা,
মফি মবোল 'মত্তা য়াওহন্দনা,
কোর্যচিং চিংদুনা পুনবা ডাকু'দুবু
পৃথীবীগী চিদাই অমদগী চিদাই অমা তান্না !

ইয়াগ – তপ্না খাঙউ, মপান্দা তানি।

ইমিলিয়া – তুক্কচৈ মখোযদু !
অসিগুম্বা কনাগুম্বা মী অমনা,
মথক মখা ওলহল্লে নখোযগী বৃদ্ধি অদু,
অদুগা চিংনবা পোকহল্লে নখোন্দা,
'মূব' গা ঐগগী মবী অসিদসু।

ইয়াগ – নং অসে নকোক্ য়াওদবীনি, চৎখ্রো চৎলো।

দেজদিমনা – পূকচেলফববা ইয়াগ, কবিতৌ হাযবগে ঐবু,
ঐগী ইবুংঙোনা মীৎয়েং তাবিবক্লবা অমুকহন্না ;
পূকফনা মকপ, খব চৎপিব নঙনা মাগী মনাক্তা,
অমম অঙান'সি য়েংদনা বাশক্লিব'র্সিনি ঐনা,
খঙজদে ঐদি কবম্না মাঙখ্রিবলো খঙহৌদনা
মাগী নুংশিবদো।
খুকউ লৈতাদুনা বাশক্লি ঐনা মফমসিদা,
কবিঙম্বা মতমদা ঐনা
লংশক্লগা মাগী নুংশিবা অদুবু,
অনোৎপা নাখন অমত্তং খনগ্রবা,
অবানবা থবক অমত্তং তৌখ্রবা, নাএগা
এগা মাং, নাকোং অমসুং ইন্দ্রে অমত্তা

অতোপ্পা মওংদা নুংঙাইবা থিরম্লবা ;
নত্রগা, চাকনিবী অমা ওইবা তারবসু
মানা ঐবু হুন্দোকপিদুনা –
মমাংঙৈদগী হৌনা নুঙশিজরকপা,
তুংদসু অদুম্মক্ নুংশিরগদবা ঐগী নুংশিবা –
খজিক্কং ময়েং তারবা মদুনা,
মাঙখ্রসনু নুংঙাই' ফংদনা পুন্সিসিদা !
থোকহনবা য়াই ফত্তবা কয়াসু
মহাক্কী অশাউবনা ঐঙোন্দা, অদুবু
থবায় মাঙখ্রবসু মাগী তমথীবা থবক্লা,
মকশিল্লোই কৈদৌঙেদসু ঐগী নুংশিবদি !
পনবা ঙমজদে ঐনা ওক্তবী হায়বা য়াহেদো ঃ
পল্লুবতদা হৌজিক লৈফম খঙদ্রে ইশাসে হঙ্গোইজবনা।
পৃথিবী'সিদা লৈরিবা সনা-লুপা ময়াম অসিগী
মীহৌবা উত্তুনসু ঐঙোন্দা
ওইথোক্তবনি তৌবমগনি নীংবা ঐনা
অথীবা মিংথোন'সিগী মতিক চাবা থবক অদু।

ইয়াগ – ঐনা হায়জবি ইবেম্মা, য়াবিগনু ;
মসি মাগী ঙহাক্কী অঙাওবা য়াথম্নি,
লুববা লৈবাক্কী থবক্লা খোয়শাওহন্দুনা
মহাক্লা নঙোন্দা চৈবনি।

দেজদিমনা – অতৈ অতোপ্পা মবম অমা নৎলমদ্রবদি –

ইয়াগ – ঐনা হায়জরি'সিনি, অতৈনা নত্তে।
(বেঙ্কুন মখোল তাবা)
তাউ, খোংলিবা অসিনা ঐখোয়বু
চাকলেন মতম য়ৌরে তাক্লি !
ভেনীছদগী লাকপা পাউপুবশিং অদুসু

চাক ঙাইদুনা লৈবে লোইনা।
চঙলসি, কপ্পগনু অমুক, পুন্নমক কবিসু কায়বোই।
(দেজদিমনা, ইমিলিয়া থোকখিবা; অমসুং রোডেরিগ চঙলকই)
কবি তৌববগে, রোডেরিগ ?

রোডেরিগ — নঙনা ঐগী ফনবা অমত্তা হোৎনবিদ্রমাল্লে।

ইয়াগ - কবি অকাযবা যাওখ্রবগে ?

রোডেরিগ — নুমিৎ খুদিংগী নঙনা ঐবু, ইয়াগ,
কবিনো'মা নত্রগা অমা হায়জিন্দুনা থাদোকই,
নত্রগা খুদোংচাবা পীবগী মহত্তা ঐঙোন্দা
খুদোংচাবা পুন্নমক, য়েথত্তুনা থমজিনবদুম
মানশিল্লকলে হৌজিক্তি;
থাওদুনা লৈববোই অমুক হন্না, নত্রগা
ঐনা পঙবদগী অৱাবা ফংখিবা
অদুগীদমক খক লেম্না তোকলোই।

ইয়াগ — রোডেরিগ, ঐনা হায়ব'সি তাগদ্র নঙ ?

রোডেরিগ — তশেংবমক, নঙনা হায়ব'সে য়াম্না তাবে,
চীনগা খুৎকা অমুক্তা মাম্নদে নঙসে।

ইয়াগ — নঙনা ঐবু যাম্না চুমদবা ইবান পিশিল্লে।

রোডেরিগ — অশেংবা অদুদা হায়বনি।
লোইশ্রে লৈজবম্না ঐগী ইরন-ইথুম পৃম্না;
দেজদিমনাদা পীক'নি হায়'না,
নঙনা ঐঙোন্দগী লৌখিবা মুক্তাশিং,
মদুগী তংখাই অমত্তং পীবদা,
মপৃকচেন ওনগনি লম্বোইবী অমফাওবা ঃ

নঙনা ঐঙোন্দা হায়জিল্লি,
মুক্তাশিংদো দেজ্জদিমনাদা পীখবে,
শোযদনা মহাক্কা চান্নবা, নুংশিবা উৎলক্লনি,
অদুবু ঙসি ফাওবদা কবিমত্তা উবা ফংদ
অদুগুম্বা খুদম অমত্তা।

ইয়াগ — ফজে; মখা হায়থৌ; যাম্না ফর্জাব।

রোডেরিগ - যাম্না ফজবি ! মখা হায়থৌ !!
মখা হায়বা ওল্লবোইনে, নীপা,
ফবদি লায়বদনা 'সিদগীদি
মওং অমা যাম্না চাবক্লবোই খল্লি,
অদুগা হৌজিক্তি শঙলক্লে ঐসু,
নঙনা ঐবু নমথাক তৌবন্নে হায়ব'সে।

ইয়াগ — যাম্না ফবেনে !

রোডেরিগ — ঐনা হায়বি'সিনি, যাম্না ফৎত্রবনি।
ঐ ইশানা তাকথোক্লগনি দেজ্জদিমনাদা
ঐ কনানো হায়ব'দু ঃ
ঐগী মনি মুক্তা অদুতংবু হনবিবক্লবদি,
মাবু তান্নবা তোক্তুনা, লাল্লে হায়জগনি মঙোন্দা[1]
কবিগুম্বা হল্লক্রুবা ঐগী মনি মুক্তা অদু
মসিমদি খঙউ, নঙনা শিংগদবনি।

ইয়াগ — ওক্লে তোকও, যাম্না হেল্লে নঙনা ঙাওলিব'সি।

রোডেরিগ - মানি, অদুবু ঐনা থবক ওইনা পাঙথোক্লোইদৌবদি
অমত্তা হার্যাখদে।

ইয়াগ — উম, নঙ নাবিল লৈ হায়ব'সি

১। দেজ্জদিমনা

হৌজিক্তি খণ্ডলে অদুগা মিকুপ'সিদগী হৌনা,
নঙগী মরমদা ঐনা খল্লব্রা পুমহোং-হোংলে,
য়াম্না হেন্না ফনা খল্লে নঙবু হান্নদগী।
কদায় নখূৎ শোকে, রোডেরিগ :
চুমই নঙনা ঐঙোন্দা ইরান পীবা,
অদুম ওইনমক, ঐনা হায়জরি –
নঙগী থবক পুম্না য়াম্না পূকচেলশেংনা
তৌবনি ঐদি।

রোডেরিগ – মদু মানদে।

ইয়াগ – চুমই, মদু মানদে হায়বা ঐসু য়াই, অদুনা
লান্দে নঙনা চিংনরিবা অদু।
অদুবু রোডেরিগ, তশেংনমক নঙনা
নবিল লৈরবদি – লৈ হায়বসিসু
হান্নদগী হৌজিক্তা হেন্না নীংথীনা খণ্ডলে –
নঙগী নথৌনা, নপাঙ্গল অমসুং অয়িনকনবা
পুম্নমক অদু উৎলো ঙসি অহিং :
হয়েং অহিংবু দেজদিমনানা নঙগী ওইদ্রবদি
অবোনবা লৌনস্না পাম্বে শিজিন্নদুনা
হাৎলু নঙনা ঐবু বিশ্বাসঘাটক অমগুম্না।

রোডেরিগ – ফরে, কবিনো হায়বো ;
ওইবা য়াগদ্রা য়েংসি।

ইয়াগ – অঙম্বা, থোইদোকপা রাজদূত অমা থুংলবে ভেনীছদগী,
কেছিওবু ওথেল্লোগী মহুত্তা হাপলম্নবা শক্তি পুদুনা।

রোডেরিগ - মদুবু শোয়দ্রববা। অদুদি –
ওথেল্লোগা দেজদিমনাগা হনগ্রগনি ভেনীছদা।

ইয়াগ – হুম নত্তে, নীংথীববী দেজদিমনা পুদুনা,

মোরিটানিয়াদা চৎলগনি মহাক,
কবিগুম্না অকবা মবম অমনা মাবু পম্বহন্দ্রবদি।
মদুগীদর্মক্তি কৌছিওবু হেক লৈহন্দবনা
খ্বাইদগী ফবা পান্থে ওইগনি।

রোডেরিগ - কেছিওবু লৈহন্দবা হায়বগী অর্থ কবিনো ?

ইয়াগ - কবিনো, মাগী থোপ অসি য়ৈথায়দুনা
মহাক্তা ওথেল্লোগী মহুৎ শিনবা ঙমহন্দ্রবদি।

রোডেরিগ - মদুগী থবক অদু ঐবু তৌ - অসি নত্রা ?

ইয়াগ - মানি, নশাগী কাননবা অমসুং তৌফমথোকপা
থবক্তু তৌনবা নঙগী থৌনা লৈববদি।
ঙসি অহিং চাক চাকগনি মহাক,
ওক্তবী অমগীদা; মফমদুদা চত্তুনা
ঐ মাগা উন্নকগনি ঃ
খঙর্জদ্রি মহাক্তি হৌজিকফাওবা
থস্বাল-শাৎলবা মহাক্কী মবায়বক্,
সাইপ্রসকী গভর্ণব ওইবে হায়বসি।
নঙনা ঙাইদুনা লৈববদি
মহাক্তা মফমদুদগী হল্লকপদা -
ঐনা শিনগনি মহাক হল্লকনবা
নোংযাই অমসুং মতুং পুং অমগী মনূংদা -
লায়না হাৎপা যাবে মহাকপু।
ঐনা নত্তেং পাংগনি ননাক্তা লৈদুনা
শোয়দ্রবনি মহাক শিদুনা ভাবা ঐখোয'নিগী মবক্তা;
লাকও ঙকচাননা লেপ্তুনা লৈবগনু,
চৎসি ঐগা লোযননা;
ঐনা নঙোন্দা উৎকনি, মহাক শিবা অসি
কয়া যাম্না তঙাইফদবনো হায়বা,

নঙসু শোয়দনা খনগনি মদুদা
মাবু হাৎপনা নঙগী নথৌনি হায়না।
হৌজিক চাকচাবা মতমসু ঙসাইনা ওইখবে,
অহিং অসিসু থেঙজিল্লকলে ঃ
হোৎনকুবসি থবক অদু পাঙথোক্লবা থীন্দনা।

রোডেরিগ — নঙনা হাযবিবা ব্রাখলসিনা,
মফবে হাযবগী মবম খবসু তানীংই।

ইয়াগ — ঐনা মবমদু হাযবগা
শোযদনা থাজগনি নঙ।
(থোকমিল্লখিবা)

মরিশুবা অঙ্ক ঃ

অহুমশুবা উৎপা

মফম ঃ লানবন মনুঙদা অতোপ্পা কা অমা।

(ওথেল্লো, লোডোভিকো, দেজদিমনা, ইমিলিয়া অমসুং অতোপ্পা মনাইশিং চঙলকই।)

লোডোভিকো -- ঐনা হায়জরি, অঙম্বা
বাননবনি অমুক লেঙথোকপিরক্রুবসু।

ওথেল্লো – এঃ য়াগনি ;
অম্বাইফাওবা ওহাক চংথোকপা অসিনা
ঐঙোন্দা নুংঙাইজে।

লোডোভিকো – *(দেজদিমনাদা)* চংচবগে, ঈকাইখুম্নববী ইবেম্মা,
নোল্লুকপগা লোযননা থাগৎচবি নহাকপু।

দেজদিমনা – লেঙবিরক্লিসি ঐখোয়গী নুংঙাইজবনি।

ওথেল্লো – অঙম্বা লেঙ্ঙসি অম্বাইফাওদং চংথোকলুসি;
– ও, দেজদিমনা –

দেজদিমনা – ইবুংঙো করি তাকপিগদবা ?

ওথেল্লো – হৌজিকমক্ ভূমলম্লো নহাক্;
ঐ থুনা হল্লকর্কনি;

নঙগী ননাই নূপী অদু থাদোকখ্রো;
শোয়বা যাদে ঐনা হায়বিবশিংসে।

দেজদিমনা - শোযজবোই ইবুংঙো।
(ওথেল্লো, লোডোভিকো, মনাইশিং থোকখি)

ইমিলিয়া - কবমতৌবিবগে হৌজিক্লা ?
মহাক খব ঈংথনা উবে হান্নদগীদি।

দেজদিমনা - হৌজিকমক হল্লকর্কনি হাযবমই মহাক্লা,
অদুগা ঐবু তূমলল্লো অমসুং
নঙবু থাদোকখো হায়বমই।

ইমিলিয়া - ঐবুসু থাদোকখো হায়বা !

দেজদিমনা - মসি মাগী যাথংনি, অদুনা
পূকফবী ইমিলিয়া, কদায় ঐগী
তূম্বদা শেৎনবা ফি অদু পীয়ু
অদুগা নঙ চৎখবো;
হৌজিক ঐখোয়না শাউহনবা চুমদে মাবু।

ইমিলিয়া - নঙনা মসি নূপা'সিগা শুকথেং থেংনবমদ্রবদিকো।

দেজদিমনা - অদুবু ঐগী ব্রাখন্দি মদু নত্তে।
ঐনা মাবু নুংশিজকবা মক্কনা
মহাক্কী মঙক কনবা, অশাউবা শকফম,
মানা ঐবু ওৎপা খিবিক্তো
কবিসু ব্রাবৌদে ঐনা,
খল্লি, থৌজাল হৈবা উৎপিবা ওইনদুম।
ঐনা হাযজবি, ঐগী ফি হোংনবা থৌবাং তৌবিবো।

ইমিলিয়া - ইবেম্মনা তাকপিবা মতুংইন্না
থাজবল্লবনি ফমুংথক্তা ফি` অদুমক।

১। দেজদিমনানা লুহোংবা নুমিত্তা থাখিবা ফি।

দেজদিমনা — য়াম্না ফরে।
করিগুম্বা ঐনা শিবা থোক্লবদি নঙোন্দগী হায়া,
ঐনা হায়জরি, কৃপাশিনবিয়ুকো ফি অদুনা
ঐগী অশিবা হকচাং অদু।

ইমিলিয়া — তোকও, তোকও, ৱারেম ঙাক্তা ঙাঙদনা লৈরে।

দেজদিমনা — ঐখোয় ইমাগী লৈরমই
বারবারা কৌবী মনাইনূপী অমা ঃ
নুংশিনজরমই মহাক্তু কনাগুম্বা নূপা অমগা,
নূপা অদু ঙাওরক্লুনা
চংখিরম্মী মহাকপু হন্দোক্লুনা;
'উইলো'[1] হায়বা ঈশৈ অমা,
হেক হেক শক্লমই মহাক্না;
য়াম্না লিরবনি ঈশৈদু, অদুবু
চপচানা ফোংদোকই মদুনা
মাগী ফংত্রবা মরায়বক্তু,
ঈশৈ অদু শক্লা শক্লা শিখি মহাকসু।
ঙসি অহিংদি করিননো, ইমিলিয়া
নীংশিংদুনতা লৈবে মাগী ঈশৈ'দু।
লাইবক থীরবী বারবাবাগী মত্তৌগুম্না
ঐসু ঙসিদি, কোক অসি ফমুংদগী য়াম্বদুনা
শক্লবা ঙমদ্রে তেংথা ঈশৈ অদু;
তশেংবমক, কয়াদা পঙথ্রবা ঐখোয়গী ৱাখলসে!
শক্লি উইলো, উইলো, উইলো —
"ঐনা নুংশিরবদি নূপী মযামবু
নুংশিনবা য়ারে নঙসু নূপা মযামগা" —
(ইমিলিয়াদা) ফরে, নঙ চংখরো।
মীৎ অসি চোংখরে ঙসিদি,

১। Willow — উ পাম্বী মতা মখল অমনি; মসিনা নুংশি কায়ন মৈচাক ফংলববু খঙনৈ।

মসিবু কপকদৌগী খুদমলা ?

ইমিলিয়া — কবিমত্তা নত্তে।

দেজদিমনা — ঐনা তাবদি অদুম তৌই হায়।
ও, নূপা ... নূপা হায়বা জাৎসে !
হায়যু ইমিলিয়া, নঙবু তশেংনা থাজব্রা,
মপূবোইববু অসুম্না নমথাক তৌবী নূপী লৈব্রা ?

ইমিলিয়া — খবদি লৈ, মদুদা চীংননীংঙাই লৈতে।

দেজদিমনা — সংসাব পূম্বসি নঙগী ওইনি হায়ববদি
অসিগুম্বা থবক তৌগদ্রা নঙবু ?

ইমিলিয়া — কবিনো, নঙবু তৌবোইদ্রা ?

দেজদিমনা — অঙানবসিনা শাক্ষী ! কৈদৌঙৈদা তৌবোই।

ইমিলিয়া — চুমই, অঙানবদদি ঐসু তৌবোই ; অদুবু
অমম্বা মী উদবদদি কবিসু কায়দে।

দেজদিমনা — সংসাব পূম্বসি নঙগী ওইনি হায়ববদি
তশেংনমক নঙবু থবকসি তৌগদ্রনে ?

ইমিলিয়া — সংসাব অসিদি চাউথ্রবা পোৎশকনি,
পীক্লবা পাপ অমগীদমক্তি মসি
মতিক চামল্লবা মমলনি।

দেজদিমনা — তশেংনা হায়রবদা,
নঙনা মদু কৈদৌঙৈদা তৌবোই খল্লি।

ইমিলিয়া — অওইবদা হায়বনি, ঐদি মদু তৌগনি খল্লি,
অদুগা লোইবগা তৌদে হায়না চেনগনি।
মেবীনা শাক্ষী, অসুম্বা থবক অসি
খক্ তৌরোই ঐদি, মমল য়াওদবা খুদোপ অমগী

নত্রগা ফি মতৎ অমগী
নত্রগা গাউন[১], পেটিকোৎ[২] অমসুং টুপী অমগী
নত্রগা পৈশা খরগী দমক্তি।
অদুবু পৃথিবী'সিমা লোইনা পীগে হায়রবদি
করম্বা নুপীনো ওক্তবা লমচৎ চৎনীংলোইদবা
মাগী নুপাবু নীংথৌ ওইহন্নবা ?
লাইবক য়েংগনি ঐদি
পুল্সি'সিমা নোরোক্তা লৈবা তারবসু।

দেজদিমনা – পৃথিবী অসিমা লোইনা ফংগনি হায়রবদসু
অদুম্বা পাপকী থবক অদু
তৌগে হায়না খজিক্তা খনব্রবা ঐনা
পুল্সি চুপ্পা নোরোক্তা তাবা ওইগনি।

ইমিলিয়া – পাপ হায়বসিমক্
পৃথিবীসিগী মনুংদা থোকপা ওাক্তনি;
পৃথিবী পুম্বা'সিবু নঙগী ওইজরবদি
নশাগী পৃথিবী মনুংদা লঙজবা পাপনি,
ঈরায় লায়না কোকহনবা য়াই নঙনা।

দেজদিমনা – অদুগুম্বা নুপী লৈরমগনি হায়বা থাজদে।

ইমিলিয়া – লৈরিবনি কোঙ্গায় অমা,
লৈরি কয়ামকম অমসু সংসার'সিদা,
ওইজবা তাল্লি মথোয়না পাপগী থবক তৌদুনা।
অদুবু ঐনা থাজে,
নুপাশিংগী মরাম্নি মসি
মাগী নুপীনা মপূক শেংলক্তবদি।
কবিগুম্বদা মথোয়না, মাগী নুপীদা
তৌফম থোকপা মথৌ তৌদে,

১। Gown ২। Petticoat

মবী লৈনৈ অতোপ্পা নূপীগা,
খৎনবা হৌঈ কল্লক-খম্বনবদগী,
চৎনীংবা মফমদা চৎহন্দে ঐখোযবু,
ফূবা ফাওবা ফূই, নত্রগা ককথৈ
থাগী খবচ খব পীবদু ফাওবা।
কবিনো, ঐখোয় নুপীসু শাউবা হৈ
মহৌশানা অখোৎপা পূকচেল চেল্লগসু
লম্মন খুমনীংবগী পূকচেল খবদি ময়াওবি ঐখোয়দসু।
নীপা খূদিংমক্কা খঙগদবনি মসি,
মখোযগী নূপীশিংসু মখোয়গুম্না,
মশাগী বুদ্ধি য়াওজবিবনি;
মনম নম্বা হৈবিবনি, উবা ঙমলিবনি
অশিনবা, অথূম্বা মহাও খঙলিবনি
মখোয় নূপাশিংগী মতৌগুম্না।
কবি অর্থনো, মখোয়না ঐখোযবু হন্দোক্লগা
অতোপ্পা নূপী অমদা মিতাম্রিব'দু ?
য়াম্না নুংঙাইবা কূম্মৈনি নীংবরা মদুবু ?
অচুম্বনি, য়াম্না নুংঙাইবা কূম্মৈনি; অদুবু
কল্লবা পূক্লিংগী অপাম্বা অমনা
লমজিংদুনা তৌকববা ? ওইবমগনি নীংই মদুসু।
অবানবা থবক তৌবা ঙায়বসি
মীওইবগী হৌনশাবা ? মানি মসিসু অচুম্বনি ;
অদুগা ঐখোয় নূপীগীসু নূপাগুম্না অপাম্বা
নুংশিবা অমসুং অশোয়বা কয়া লৈফম থোক্তববা ?
মবম অসিনা, নীংথীবা লমচৎ চৎফম থোকই
ঐখোযদা নীপানা।
নত্রবদি মসিমদি কাউবোইদবনি,
মখোয়গী অবানবা থবকনা,
তম্বিবনি ঐখোয়বুসু নত্তবা লমচৎ চৎপা।

দেজদিমনা — নঙস্ হল্লো, কায়নরসি হৌজিক্তি;
পিনবিবা ওইসনু ঈশ্বরনা অসুম্বা ঝাখল ঐঙোন্দা,
ফত্তবগী মহুৎ ফত্তবনা লম্মনশিংবা তোক্নুনা,
অৱাবা থাগুদুনা প্রায়শ্চিত তৌবা ঙমজনবা
ঐনা তৌখিবা পাপশিং অদুগীদমক।

মঙাশুবা অঙ্ক ঃ

অহানবা উৎপা

মফম ঃ সাইপ্রস, লম্বী।

(ইযাগ, রোডেবিগ চঙলকই।)

ইয়াগ — 'সিদা শঙ্ অসিগী মকমদা লেপ্পু;
মহাক সোমদা লাক্কনি ঃ থৌববা নঙগী
থাঙশাং অদু শত্তোক্কুনা পাযযু
অদুগা থল্লু মঙোন্দা ঃ থীল্লগনু, সে,
কিগনু কবিমন্তা ; ঐ ননাক্তা লৈগনি ঃ
মসিনা ঐখোযগী ইবাযবক শেমজবা অমা
নত্রগা ঐখোয়বু পুম্মাঙ মাঙহনবা অমা ঃ
মসি খন্দুনা নীংহন্নবা যাদে
থবক অসি পাঙথোকপদা।

রোডেবিগ — খব নক্লা লৈযু ইনাক্তা ঃ থবক'সি
পাঙথোকপা ঙমদববা খঙদে।

ইয়াগ — সে, নঙগী নতুং মক্তদা লৈবে ঃ
নবিন পাল্লু অদুগা চোর্কশিন্না লুমদুনা লৈযু।
(চৎখিবা)

রোডেরিগ — তৌগদৌবিবা থবক অসি
পঙকন কন্না পাম্ব নত্তে ঐদি, অদুবু

থাজবা যাবা মবম কয়া পীবি ইযাগনা ঃ
মানা হায়, মসিদি কবিসু লৈতবনি,
সংসাবসিদগী মী অমা চৎখিবদনি ঃ
হে ঐগী থাওশাং ! নঙগী নথৌ তৌবো ;
ঙসি মহাক শিদবা যাদ্রবনি।

ইয়াগ – কান্নদ্রবা মীবেম'সিগী থম্মোইদা মৈ থাবে ঐনা,
শাউবা হৌবক্লে মহাক কেছিওবু।
হৌজিক মগাক্লবু কেছিও হাৎলবসু, নত্রগা
কেছিওনবু মহাক হাৎলবসু, নত্রগা
মখোয অনিমক্ শিমিন্নজগ্রবসু,
মবম খুদিংমক্তা ঐগীদি তোংজর্বনি।
বোডেবিগনা হিংবা থোক্লবদি,
দেজ্জদিমনাদা খুদোল ওইনা পিকগে হায়না
ঐনা মঙোন্দগী নমথাক্ তৌদুনা লৌকবা
সনা-লুপা, মনি-মুক্তা খিবিক্লো,
হনবিবক্লো হায়র্গনি, মদুগী অযাম্বা শর্কত্তি।
মসি থোকহনবা যাদ্রে।
কেছিওনা হিংহৌবা থোক্লগসু
মাগী লংলবা পুন্সিগা চাংদম্নকনদা
হেন্না মশক থীতল্লর্গনি ঐগী পুন্সি অসি;
অদুগীসু মথক্তা, তাকথোর্কাখবা য়াই 'মূব' না
ঐগী অশেংবা মচুসি মঙোন্দা ঃ
হুম, নত্তে মাসু শিদবা যাদ্রে।
অদুবু ঐ ঙহাক ভূমিন লৈখিগে;
মহাক লাকপা মখোন তাবে।
(কেছিও চঙলকপা)

রোডেরিগ – ঐ মাগী খোঙথাং খঙই ;
মসি মহাক্কি শোয়দ্রে — হুরানবা, নঙদা শিরো।

(কেছিওদা থাঙনা থিনবা)

কেছিও — থিল্লক্লিবা থাঙ্ অদু তশেংনমক
শাথীনা শোক্লমগদবনি ঐঙোন্দা –
ঐনা লিংলিবা য়োংকী ফুরিৎ অসিনা
হেন্না কল্লমদ্রবদি নঙনা নীংলিবা অদুদগী ঃ
হৌজিক্তি চাং য়েংবা তারে, কয়া কনবনো
হায়বা নঙগী ফুরিৎ অদুনা।
(থাং শৎপা, হাইনবা রোডেরিগ শোক্লুনা তুখিবা)

রোডেরিগ — ও, ঐবু হাৎলে!
(ইয়াগনা তুংলোমদগী লাক্লুনা কেছিওগী মখোঙদা থাঙনা য়াল্লমলগা অমম্বদা মাঙখিবা)

কেছিও — ঐ পুন্সিসিমগী খোঙ তেকপা হায়বদু ওইরে!
হো কনা কনা লৈবগে? মীহাৎলে! মীহাৎলে!!
(তুথখিবা)
(ওথেল্লো চঙলকই)

ওথেল্লো — কেছিওগী খোঞ্জেলনি;
ইয়াগনা মাগী থবক অদু পাঙথোক্লে।

রোডেরিগ — ঐ থবায় মাঙলে ঙসিদি
লৌনম্বা ডাকু অমা ওইরুবনা।

ওথেল্লো — মানি, নঙ মদুমকনি।

কেছিও — হো কনা লৈবগে! মৈ অমত্তা পুরকউ!
ডাক্তর অমত্তা কৌবিরকউ!

ওথেল্লো — শোয়দ্রে মহাক্লি - ও, থৌনা ফরবা ইয়াগ,
পৃকচেল শেংবা, অচুম্বা ঙাঙবা,
নঙগী মরূপ অসিবু মীনা লাকচবিবদা

কযাদা নথায় য়াওনা হোৎনবিরিবা !
মসিনা খূদম ওইনা উত্তুনা তম্বিরে ঐবু ঃ
পূকচেল শেংদবী নূপী, শিদুনা তাবে নঙগী নুংশিবদি,
নকশিল্লকলবনি নঙগী অবোইবা নুমিৎসু,
ওক্তবী নূপী, লৈবমউ, ঐ লাক্লগনি হৌজিক।
মূথৎখবে ঐগী থম্মোইনুংদগী
পূক্লিং শুমহৎলবা নঙগী শকফম,
নীংথীরবা নঙগী মিৎস্না;
ফৎত্রবা পাপকী থবক্লা মাংথোক্লবা
নঙগী ফম্নুং অদু ঙসিদি
পূমলুপ লূপ্লগনি পাপ চেল্লবা নঙগী ঈতনা।
(থোকখিবা)
(লোডোভিকো অমসুং গ্রেসিয়ানো চঙলকই)

কেছিও – হো কনানো ! থোঙঙাকপা অমত্তা লৈতববা ?
কনামত্তা চত্তববা মফম'সিন্নাইদা ?
মী হাৎলে ! মী হাৎলে !!

গ্রেসিয়ানো – কনাগুম্বা অমা অব্বাবা তাবে;
লাউর্লক্লবা খোঞ্জেল অসি যাম্না শোক্লা তায়।

কেছিও – হো কনা লৈবগে !

লোডোভিকো – তাও !

রোডেরিগ – ও ফৎত্রবা ডাকু !

লোডোভিকো – নাহেবা অসি অনি অহুম শুনা তাবি ঃ
অমম্বা লৈচিন থাংবা অহিংগা ওইবনে;
কনাগুম্বনা শাজিন্নবা ওইবম্বসু যাই খোঞ্জেল অসি
ঐ'থোয় মী খব য়ামদনদি
মসিগী মনাক্তা চঙশিল্লুবা ফত্তে নীংই।

রোডেরিগ — কনামত্তা লাক্ত্রবরা ? অদুদি —
ঈ থোক্তনা অসুম শিবা তাবে ঐ।

লোডোভিকো — তাও !
(ইয়াগ মখুত্তা মৈবা পাযদুনা চঙলকই)

গ্রেসিয়ানো — 'সোমদা কনাগুম্বা মফি মবোন
নীংথীনা যা ওদবা নীপা অমা
মখুত্তা খুৎলাই অমসুং মৈবা পায়দুনা লাক্লে।

ইয়াগ — কনানো অদুদা ? 'মী হাৎলে' হায়না
লাউথিবা খোঞ্জেল অদু কদোমদনো ?

লোডোভিকো — ঐখোয়দি খঙদে।

ইয়াগ — লাউখিবা অমা তাশিদববা নখোয়বু ?

কেছিও — সোমদনি, সোমদনি ! ঐবু অমুক্তা মতেং পাংবিয়ু !

ইয়াগ — কবি তৌববগে ?

গ্রেসিয়ানো — মাসি ওথেল্লোগী ফীবাল-যৌগল অদু
ওইবমগনি নীংই।

লোডোভিকো — মানি মহাকনি; য়াম্না থৌনা ফবা নীপানি।

ইয়াগ — কনানো মফম অসিদা অদুক অশোকপা
খোঞ্জেলদা লাউখিবা অদু ?

কেছিও — ইয়াগ ? ও, ডাকুশিংনা য়ৈথুবল্লে ঐবু,
পুন্সি'সিমগী লেঙবা শুম্নবোই !
ঐবু খব মতেং পাংবিয়ু !

ইয়াগ — করি মতৌনো, লেফটেনেন্ট;
করম্বা ফৎত্রবা ডাকুশিংনা তৌরম্লিখনো ?

কেছিও – মথোয়গী মরক্তগী অমদি, মনাক অসিবাইদা
লৈরমখিগনি নীংই; চেনবা ওমদ্রবনি।

ইয়াগ – ও লৌনম্বা ডাকু !
(লোডোভিকো অমসুং গ্রেসিয়ানোদা)
কনা কনানো অদুদা লৈবিবা ?
সোমদা অমুক্তা লাকপিয়ু, মতেং খব পাংবিয়ু।

রোডেরিগ – ও ঐবু অসিদা মতেং খব পাংবিয়ু !

কেছিও – লাউবিবা অসিসু মযাম অদুগী মবক্তা অমনি।

ইয়াগ – ও, তমথীবা মীনাই ! ফত্রবা ডাকু !
(রোডেরিগদা থাংনা থিনবা)

রোডেরিগ – ও, তৃক্কচববা ইয়াগ ! থম্মোই পান্দবা হুই !

ইয়াগ – অমম্বদা লুপ্লগা মীবু হাৎপা !
কদাইদা চৎখ্রে তৃক্কচরবা হুবানবশিং অদু ?
পূমচিক চীকখ্রে সহব অসি !
হো মী হাৎলে ! মী হাৎলে !!
কনা কনানো নখোযবু অদুদা ?
অফবা মীতাবা নত্রগা ফত্তবা মীবা ?

লোডোভিকো – নঙনা ঐখোয়গী শক উবগা
অফববা ফত্তববা লেপউ।

ইয়াগ – পূকচেল চাউরবা লোডোভিকো ?

লোডোভিকো – মানি অঙম্বা।

ইয়াগ – ঐবু ঙাকপিয়ু নিজবি।
মফমসিদা কেছিও শোক্লুনা লৈবে
ডাকুশিংগী মখুত্তা।

গ্রেসিয়ানো — কেছিও !

ইয়াগ — কৈদৌবে, ঐগী নুংশিববা ইযামবা !

কেছিও — ঐগী খোঙ অসি মতৎ অনিথোক্লা কবথৎস্রে।

ইয়াগ — মেবী ! ঈশ্বরনা মদু থোকহন্দবা ওইসনু !
মৈ পুবকউ, ভদ্রলোকশিং ঃ
অশোকপা অসি ঐগী ফুবিৎ অসিনা পুনশিনগে।
(বিয়াঙ্কা চঙলকই)

বিয়াঙ্কা — হো কবি তৌববগে ? কনানো লাউখিব'দু ?

ইয়াগ — কনানো বা ঙাঙলিবসি ?

বিয়াঙ্কা — ও, ঐগী নুংশিববা কেছিও !
ও, কেছিও, কেছিও, কেছিও !

ইয়াগ — অফাওবী ওক্তবী নুপী !
কেছিও নঙ খঙবা শত্রু কনা কনানো,
নঙবু অসুম্না শোকহল্লম্বা মীশকশিংদু ?

কেছিও — ঐ কবিমত্তা খঙদে।

গ্রেসিয়ানো — নঙগী ফিভম অসি উবদা ঐ য়াম্না নুংঙাইত্রে ঃ
ঐ নঙবু থিবকপনি।

ইয়াগ — কনানো, ফি মচেৎ অমত্তা পিয়ু।
অদুগা চৌকি অমা পামই
মহাকপু মফম'সিদগী নীংথীনা পুখিবা য়ানবা।

বিয়াঙ্কা — ওহোকপনি মহাক বাহুথবে !
ও, কেছিও, কেছিও, কেছিও !

ইয়াগ — ভদ্রলোক পুম্নমক, তুক্কচববা জীব অসিসু
কেছিওবু শোকহল্লম্বা ময়াম অদুগী মরক্তগী অমা

ওইরমগনি হায়না নীংই।
ঙহাক্তং খাঙউ, পুকফবা কেছিও ঃ
লাকও, লাকও, মৈ অমা পীয়ু ঐঙোন্দা।
(শিদুনা তাববা বোডেবিগবু)
নখোয়বু নূপা অসি মশক খঙত্রা খঙদত্রা ?
ইস, ঐগী মরুপ, ঐগী নুংশিববা ইবৈবাক মচা
রোডেবিগ ! নত্তমাল্লে ঃ — মানি শোযদ্রে ঃ —
হে ঈশ্বর ! বোডেবিগনি !

গ্রেসিয়ানো — কবি, ভেনীছগী !

ইয়াগ — মানি মহাকনি; অঙম্বা, নঙ মাবু খঙত্রা ?

গ্রেসিয়ানো — ঐবু খঙত্রা হায়বা ! খঙইনে কবিনো।

ইয়াগ — ইকাইখুন্নববা অঙম্বা গ্রেসিযানো ?
ঐবু ঙাকপিযু হায়জবি ;
অসুম্বা তমথিববা থৌদোকার্শিং অসিনা নমহৎখিবনা
নখোয়বু তবাম তবাম কৌহৌদবে।

গ্রেসিয়ানো — নঙগা উন্নবা অসিদা ঐ নুংঙাইবে।

ইয়াগ — ক'মদৌববগে কেছিও ? হো চৌকি অমত্তা,
চৌকি অমত্তা !

গ্রেসিয়ানো — বোডেবিগ ! মসিবু ?

ইয়াগ — মহাক্কি, মহাক্কি, শোয়দ্রবনি।
(চৌকি অমা পুশিল্লকই)
ও, ফবেদা, 'সিদা পুবকউ চৌকি অদু ঃ
থৌজাল হৈবা নখোয খবনা
চেকশিন্না পুবিযু মহাকপু মফম 'সিদগী ;
ঐ চত্নুনা জেনাবলগী ডাক্তর অদু কৌকখিগে।

(বিয়াঙ্কাদা)
অদুগা নূপী, নঙদি মবক অসিদা যাওবিববনু;
কেছিও, মফম 'সিদা শিদুনা তাবিবা নিপা অসি
ঐগীদি চান্নববা মকপনি ঃ
কবি নুংঙাইনদবা লৈ নখোয'নি ?

কেছিও — কবিমত্তা লৈতে, অদুগা মশকসু খঙদে নুপা 'সি

ইয়াগ — *(বিযাঙ্কাদা)* কবি, তাইফেৎ তাইববা নঙ্ ?
ও, নুংশিৎ যৈদনবা মনুংদা খব পুশিনবীযু মাবু ঃ
(কে'ছিও অমসুং বোডেবিগ পুথোকখিবা)
ঙহাক্কা লৈবিখো মফম 'সিদা
পুকচেন ফববা ভদ্রলোক পুম্বা
(বিযাঙ্কাদা) নুপী, নঙ তাইফেৎ তাইববা ?
(মীযামদা) নখোযসু উদ্রা মাগী মমিৎ অসি তাই'ফৎ তাইবা ?
(বিযাঙ্কাদা) নত্তু, অদুম্না যেংলবদি যাম্না থুনা খঙলগনি পুম্নমক,
(মীযামদা) মুম্না যেংশিনবীযু মহাকপু, যেংশিনবীযু,
ঐনা হায়জবি, উবিবেদনা ইঙোশিং পম্বা ?
মবাল লৈ হাযবসিদি ব্রা ঙাঙদ্রবসু
মতোম্মতা অমদুম্মক উৎচবকপনি মশানা।
(ইমিলিযা চংলকই)

ইমিলিয়া — ওহোকপনি, কবিদৌববগে ?
হো, কবি তৌববগে, নীপা ?

ইয়াগ — কেছিওবু মফম'সিদা অমম্বদা যৈথুবম্লে
বোডেবিগ অমসুং মাগী মকপশিংনা,
মখোযশিং অদু হৌজিক্তি চেংখ্রে লোইনা ঃ
মহাক[১] শিবদি শিহৌদ্রে অদুবু বোর্ডেবিগদি শিবে।

১। কেছিও

ইমিলিয়া — ওহ্লোকপনি পৃকফবা ভদ্রলোক ! *(বোডেবিগবু)*
ওহ্লোকপনি পৃকফবা কেছিও !

ইয়াগ — মসিনি ওক্তবী নুপী সঙ্গ তৌবগী মঁহ্ৎ ঃ
ঐনা হায়জবি, ইমিলিয়া. চৎলু কেছিওদা হৎলু,
মহাক কদাইদা চাক চাকবগে ওসি এহিং।
(বিয়াঙ্কাদা) কবি, মসি তাবদা নশা অদু নীঙ্কবা ?

বিয়াঙ্ক — ঐগী যুমদা চাখি মহাক; অদুবু
মদুগীদমক নীকপদি নত্তে ঐগী হকচাং অসে।

ইয়াগ — কবি, মহাক নঙগীদা ... যবা ?
অদুদি লাউ, নঙ এগা চৎসি।

ইমিলিয়া — তুক্কচৈদা ! ইকাইবা খঙ বা ওক্তবী !

বিয়াঙ্কা - ঐ ওক্তবী নত্তে ; ঐবু অসুম্না ইকাইবা পীবিবা
নঙমুক পৃকচেল শেংলবীনি ঐস্ ... সিসিদা।

ইমিলিয়া — কবি, ঐমুক হাযবা ! তুক্কচৈদা তৌ ওহ্বী !

ইয়াগ - থৌজাল হৈববা ভদ্রলোক পম্না, চৎসি
মবাযবক থীববা কেছি ওগী অশোকপদ্
হিদাক তৌবা যেংলসি।
(বিয়াঙ্কাদা) লাকও নুপী,
খব হেন্না থাজবা যাদা বাবী অমা লিববো।
ইমিলিয়া, চেল্লু নঙনা লানবনা মনুংদা
তম্লু খোক্লিবা থৌদোকপা ঐগী ইবুংঙো অমসুং ইবেম্মদা ঃ
চৎপিগদ্রা নঙ ? ঐনা হাযজবি।
(মথংদা ...) অহিং অসিনি
ঐগী ইবাহবকসি শেমজবা অমা নত্রগা
ঐবু পুম্মাং মাঙহনবা অমা।
(থোকখিবা)

মঙাশুবা অঙ্ক ঃ

অনিশুবা উৎপা

মফম ঃ লানবন মনুংদা কা অমা

(দেজদিমনা কমুংদা তৃপ্রি; মৈরা অমা চাকলি ঃ ওখেম্লো চঙলকই।)

ওখেম্লো — মদুগী মবমগীনি, মদুগী দমক্তনি,
হে ঐগী থবায়, ঐগী পুন্সি !
পৃকচেল মক্রবী থবানমিচাকশিং !
পনবা ঙমদ্রে নখোযগী নমাঙদা
ঐগী ঈচিনসিনা মদুগী 'মরম অদু',
অদুবু — 'মদুগীদমক্তনি' !!
লৌবা তাববসু মাগী মথবায় ঙসি ঐনা,
তাহল্লোই মমি অমা ফাওবা —
উনদগী হেন্না ঙৌববা, নুংঙৌগী মৃত্তিদগী
হেন্না নাল্লবা মাগী উনশা অসিদা;
অদুম ওইনমক, শিদবা য়াদ্রে মহাক ঙসিদি শোয়দনা
নত্রবদি মাঙহল্লগনি মহাক্না
নুপা কয়া কয়াবু মতুংদা।
মুথংলগে মৈবা অসি, *(চাকলিবা মৈরা অদুবু)*
অদুদগী মুথংকনি মৈবা অসিসু ; *(দেজদিমনাবু)*
মুথংলবসু নঙবু ঐনা, হে মৈরা !

য়াগনি অমুক হন্না চুখৎপা নঙসে,
নীংঙম্মক্তবদি ঐনা। অদুবু মুথৎলবদি –
শকহেনবী, লিন্দাউবী চঙখোন্না শেমলক্লবী
নহাক্কী পুন্সিগী মৈরাদি, খঙদ্রে –
কদায়দগী লৌরুগবা অমুক হন্না চমখৎনবা,
অদুম্বা প্রোমেথ্যুজগী[1] মৈরা ॥
হেক্তোক্লবদি, ফুগায়না শাৎলিবা গুলাব অসিবু ঐনা
লৈমন চল্লগনি শোয়দনা,
ঙম্লরোই তেকখৎহনবা অমুকহন্না ঃ
অদুনা, শাৎলিঁঙ লৈরাংনা পাম্বীদা,
নমহৌখিগে পেন্না মহাক্কী নুংশিবা মনম।
(ওথেল্লোনা নোম্বরকই অমসুং তুম্লিবী দেজ্‌দিমনাবু চুপই)।
আঃ কয়াদা নুংশিখ্রবা !
কয়াদা থম্মোই ঈংখ্রবা মাগী নুংশা স্বর –
ওইহনগদৌরিবরা মসিনা পন্,
ঐনা পাঙথোক্কে নীংলিবা অচুম্বা থবক 'সিগী।
অদুবু, অমুক্তংগা ... অমুক্তংগা ॥ *(হন্না হন্না চুপ্তুনা)*
হাৎলবসু ঐনা নঙবু,
নীংথীববদি নঙগী অশিবা হকচাংনা অসুম্না,
নুংশিগনি ঐনা নঙবু অদুম্মক।
অমুক্তংগা ... অমুক্তংগা ... অরোইবা ওইনা মসিনা।
অসুক নুংশিবা অসিনা অদুক তমথিবা !
ও, কপ্তুবা ঙমদ্রে ঐহাক। অদুবু –
শিম্ভরিবা পিবাংসে ঙসি ঐনা,

১। প্রোমেথ্যুজগী মৈরা = Promethean heat. Greek mythology গী বারীদা Promethuse হায়বা নুপা অসিনা স্বর্গদগী মৈরা অমা হুদুনা পুরকই। মৈ অসিনা শোকপদা শিরবা মীসু হিংগৎলি। মৈ অসি Promethuse না তাইবং মীদা য়েল্লি, তাইবং মীসু শিবা হায়বসি নাইদনবা। মদুগীদমক শাউদুনা সোবারেন্না Promethuse বু Caucasus চিংজাও মথক্তা য়োল্লিং চণ্ডুনা থমখি অমসুং মাগী থম্মোই অদু লঙজাদা পিজবমই। মমৈথংদা Hercules লাক্তুনা Promethuse বু থাদোকখি।

নুংশি খঙদবা মীনম্বা পিবাংনি।
অৱাব'সে ঙসি ঐগী,
লাইবৈপাককি ওইবা শেংলবা অৱাবনি ;
পিগদৌবি মসিনা অকনবা দণ্ডি,
নুংশিজবী মহাকপু।
ও, মহাক মিকপ্ থোক্লে।

দেজদিমনা — কনানো ? ওথেল্লো ?

ওথেল্লো — উম, দেজদিমনা।

দেজদিমনা — চেপ্লিখিবোইদ্রা, ইবুংঙো ?

ওথেল্লো — ঙসিগী নঙগী তুমলমদাইগী
লাইশোন শোনবা লোইখ্রববা দেজদিমনা ?

দেজদিমনা — লোইজখ্রে, ইবুংঙো।

ওথেল্লো — লঙজখিবা নবানগী মবমদা নঙনা,
ঙাকপীযু নিজখিদবা যাওববদি
ঈশ্বরগী মফমদা কবিগুম্বা ;
নিহৌবো হৌজিকমক থীন্দনা।

দেজদিমনা — কবিনো ইবুংঙো তাকপিবিবা 'দুবু ?

ওথেল্লো — কান্নদে —
ঐনা হাযবিবসিদা তৌ; কুইগনু —
ঐ অম্বাইদা থৈদোক্লে ঃ শেমশাবা লোইদ্রিঙৈ
লৌবোই ঐনা নঙগী নখ্বাই; লৌবোই।
ঈশ্বরনা ঙাকপিসনু —
ঐনা নঙগী আত্মাবু হাৎলোই।

দেজদিমনা — হাৎপগী ৱা হায়বিবিবা।

ওথেল্লো – উম, মানি।

দেজদিমনা – অদুদি হে ঈশ্বর! ঐবু থৌজাজবিয়ু।

ওথেল্লো – থৌজানবিসনু, – থৱায় য়াওনা ঐনসু নিবিবি।

দেজদিমনা – ইবুংঙোনা অসুম্না নিবিরবনিনা,
খঙ্গি ঐবুদি হাৎপিবোই হায়না।

ওথেল্লো – হাঃ *(লাউবা)*

দেজদিমনা – অদুবু কিবি নহাকপু ঐনা,
পোথাফম লৈবক্তুবদি অদুম্না নঙগী নম্বিৎ অনিনা,
ওইবকই নহাকসে হেন্না তমথিবা।
তৌইগুম্বসুং, লৈতবনা লঙজকবা ইবাল,
খঙজদে ঐনা, কবিগীনো অসুম্না কিবিবা;
অদুম ওইনমক ফাওবি ঐগী থম্মোইদা অকিবা।

ওথেল্লো - নীংশিংউ, নঙনা লঙজখিবা নঙগী নপাপ।

দেজদিমনা - ঐগী ইপাপ! ঐগী ইপাপ হায়ববু –
"ঐনা নঙবু নুংশিজবা"।

ওথেল্লো – মানি, মদুগীদমক্তনি শিগদৌবিবসু নহাক্না।

দেজদিমনা – ওইথোক্তবা মীশিনি
নুংশিবগী মখুত্তা থৱায মাঙবদি।
হিঃ করিগী চীক্লিবা অদুম্না নঙগী নচিম্বান?
থম্মোইগী ফৎত্রবা ৱাখনগী ইথিম্না,
নীকহল্লে নহাক্কী হকচাংদো;
– তমথিরবা খৃদমনি মদু।
অদুম ওইনমক ঐনা থাজে, ঐনা থাজে
তমথিববা থবক্তো ঐঙোন্দদি থোক্লোই।

ওথেল্লো	—	ওক্রে তূমিন লৈয়ু। *(কন্না লাউবা)*
দেজদিমনা	—	লৈরগে, অদুবু কৈদৌরবগে ?
ওথেল্লো	—	ঐনা লুনা তৌজবা, নঙোন্দা পীখিবা কমাল — পীথোকখ্রে নহাক্না কেছিওদা।
দেজদিমনা	—	ওইথোক্তবনি, হায়জবি ঐনা ব্রাশক্তুনা, ওইথোক্তবা ব্রানি মদু। হংনসি মাবু কৌরগা।
ওথেল্লো	—	শকহেনবী, চেকশিল্লু ! উৎলগনু অমুক হন্না লৌনম্ব'দু। হিপ্লবনি নহাক অশিবগী ফমুংথক্তা।
দেজদিমনা	—	অচুম্বনি, অদুবু — নত্রিদনা হৌজিকমক শিগদৌবদি ?
ওথেল্লো	—	মানি, হৌজিকমক। যাজহৌরো নহাক্কী নবান অসি, চেন্দুনসু নঙনা ফনা, লান্দে হায়না ব্রাশক্তুনা, ঙম্নবোই মা ঙহনবা কৈদৌঙেদসু ঐগী থম্মাইদা লেপখ্রবা, নঙ নবান লৈবে হায়ব'সে নঙ শোযদনা শিবা তাববনি।
দেজদিমনা	—	অদুদি হে ঈশ্বব ! নঙনা ঐবু থৌজানবিয়ু।
ওথেল্লো	—	ঐনসু নিবি, থৌজানবিসনু।
দেজদিমনা	—	অদুগা থৌজানবিয়ু নহাক্নসু ঐবু,

লঙজখিদ্রি ঐনা নঙোন্দা,
করিগুম্বা ইবাল অমত্তা ঙসি ফাওবা ঃ
নুংশিরুদে কেছিওবু –
ঈশ্বরনা য়াবা ইচম চম্বা
নুংশিফম থোকপদগী হেন্দোক্কুনা;
পীরুদে মঙোন্দা করিগুম্বা খুদোন অমত্তা

ওথেল্লো – ঈশ্বরনা শাক্ষীনি,
কমাল অদু ঐহাক্কী, উবক্লবনি ঐহাক্লা
মাগী মখুত্তা পায়ঃইবা;
ও ! লমচৎ নাইদবী নূপী !
তাশোন্না থিল্লে নঙনা ঐগী থম্মোইদা,
অদুগা পাঙথোক্কে থৌবাংবা ঐনা
মহাযজ্ঞ অসিবু নহাক্লা,
ওইহনগে হোৎনবি মীহাৎপগী থবক।
উবক্লবনি ইমিৎমক্লা কমাল অদু।

দেজদিমনা উবক্লবা ! অদদি -
ওইবল্লনি খুল্লকপা মহাক্লা;
পীখিদে ঐদি মঙোন্দা কবিগুম্বদস্।
অমুক্তা কৌবয়ু মহাকপু অসিদা,
হায়দোকহনসি মহাকপু অচুম্বদু।

ওথেল্লো – হায়দোক্কে মহাক মশামক্লা।

দেজদিমনা – কবি হায়দোক্লবা, ইবুংঙো ?

ওথেল্লো - মহাক্লা নঙগী খুজেং পায়খ্রে।

দেজদিমনা - কবম্না ! ঈশানা য়ানা ! !

ওথেল্লো – উম !

দেজদিমনা — মহাক্না অদুম্না খক হায়বা ঙল্লোই।

ওথেল্লো — চুমই, হৌজিক্তি ঙম্নরোই,
মহাক্কী মচীন মেনখ্রে।
পূকচেল শেংলবা ইয়াগদা
মহাকপু হাংনবা শিন্নখ্রে।

দেজদিমনা — করি! মহাক শিরবা ?!
ও! ... ... ঐনা চিংনবম্বদুমক থোকলে।

ওথেল্লো — মাগী শম্বুম খুদিংমক্না,
ওইরবসু মথবাই অমমম,
কল্লবা ঐগী লম্মন খুমনিংবসিনা,
ঙমগনি মাঙহনবা ইরাই লায়না
মথবাই পুম্ব'দো মহাক্কী।

দেজদিমনা — ওম্থোকপনি —
পিশিনবিবে মহাকপু নত্তবা মবাল,
(অদুগা) ঐবুসু মাঙহনবীরে।

ওথেল্লো — চংখ্রো চংলো, লমচং নাইদবী নুপী! *(লাউবা)*
মাগীদমকসু নঙনা
কপ্পা ঙমই ঐগী ইমাঙমত্তদা।

দেজদিমনা — তাম্থোকপীয়ু ইবুংঙো — ননাই নুপীবু
দেশ বাংম লান্না তাম্থোকপীয়ু।
(অদুবু) হাংপদদি হাংপীগনু।

ওথেল্লো — ওক্তবী নুপী! হিপথৌ।

দেজদিমনা — হাংপা তাববসু ঐবু,
হাংপীয়ু হয়েং নোং ঙাল্লকপদা,
লৈজখিগে ঙসি অহিংতদি।

ওথেল্লো – য়ারোই !
খঙউ, অপনবা পীগে হোৎনরবদি,
নংনা ঐবু ... ... ।

দেজদিমনা – অদুদি পুংখায় অমত্তংদদি ঙাইবিখো।

ওথেল্লো – হৌগ্রবা থবক অমুক পন্থবা য়াররোই।

দেজদিমনা – ঈশ্বরদা খুরুমজনবা মতমদদি ... ।

ওথেল্লো – মতম লৈত্রে। *(দেজদিমনাগী মখৌবি মেৎপা)*
(মপান্দগী ইমিলিয়া লাউবকই)

ইমিলিয়া – অঙম্বা !
তাবিরিব্রা অঙম্বা, তাবিবিব্রা ?
থোঙ অমুক্তা হাংদোকপীযু।

ওথেল্লো – নিল্লিবসি করিনো ? শিদ্রিবা ?
পূমশি শিদ্রি। ঐনা পামই
নঙ মপূং ফানা শিবা।
মবমদি –
থৌজালহৈ ঐহাকসে মিনুংশি খঙজদ্রবসু,
লৈহল্লরোই অনাবা চৈনাখোল
মতম কুইনা নঙোন্দা, অদুনা ... অদুনা ...
(দেজদিমনাগী মখৌবি মেৎপা লোইবগা, ফৈজুপনা মাগী মমায অদু কুপশিনবা)

ইমিলিয়া – *(মপান্দগী)* কৈদৌরবগে অঙম্বা,
থোঙ অমুক্তা হাংদোকপিয়ু;
থোঙ অমুক্তা হাংদোকপিয়ুনে, অঙম্বা।

ওথেল্লো – কনানো ?

ইমিলিয়া – *(মপান্দগী)* পুকচলে চাউরবা অঙম্বা !

অরুবা য়াফম অমত্তা হঙ্গৎচগে,
থোগু অমুক্তা হাংদোকপিয়ু।

ওথেল্লো — (মথন্ত) মানি মসি ইমিলিয়ানি।
উম, ঐনা শোয়দনা হাংদোকনি ঃ
মহাক[1] শিরে!
মহাক্না[2] লাক্লিবসি, ওইবমগনি পুবকপা
কেছিও শিবগী পাউ।
থোঞ্জেল অদু অসিদনি *(দেজদিমনাদা থিন্দুনা)*
হাঃ হাঃ হাঃ লেঙদ্রে হৌজিক্তি
মোংফমদা লৈবগুম্না লেঙদ্রে।
চঙহল্লসিবা মাবু[৩] ? মদুবু ফগদ্রা ?
হুম, মহাক অমুক লেঙবগুম তৌবমাল্লে;
নত্ত্রে, লেঙদে। হৌজিক কবি তৌনি ঐ ?
চঙলক্লবদি মহাক্না,
য়াবী শাবনি শোযদনা ঐগী নূপীদা;
ঐগী নূপী ?। কবস্না নূপী ?
ঐগীদি নূপী লৈত্রে;
ও! তম্মথিববা থেনফমনি! খাঙবদা য়াবে!!
নুমিৎ থা অনিমকসে ঐগী মীৎ'সিদা,
মমশিনখ্রে গ্রহণ তৌবগুম্না,
মিপাই চাউববী পৃথিবীসু
কায়গুমলে মচেৎ মচেৎ,
খঙহৌদনা হোংলকপা মওংসিদা

ইমিলিয়া — খুকমদুনা হায়জবি ঐনা,
পৃকচেল চাউববা অঙস্না!
কবিগুম্না অমত্তা হঙ্গৎচগে ননাই ঐ।

১। দেজদিমনা ২/৩। ইমিলিয়া

ওথেল্লো — ও, কাউথোক্লুবে ঐদি নঙবু;
চঙলকউ ইমিলিয়া ঃ
ঙাইখো, ঙাইখো ঙহাক্তা,
হাইথখিগে কাঙখল'সে ঐ।
কদোমদনো নঙবু ? *(থোঙ হাংদোকপা ইমিলিয়া চঙলকই)*
নঙ কৈদৌরবগে হৌজিক ?

ইমিলিয়া — পুক্‌চেল চাউববা অঙম্বা !
চুমদবা, তমথীবা মীহাৎ অমা,
হাৎলমলে মফম অসিদা।

ওথেল্লো — করি ? হৌজিক ?

ইমিলিয়া — হৌজিক্তনি অঙম্বা !

ওথেল্লো — *(কেছিও শিংলোই নাইদুনা)*
মদু থাজ মাগী মবাগ্নি;
চৎলুবা মবম্না মহাক্লা
মশাগী খোংচৎ কয়না,
পৃথিবীগী মনাক্তা তেম্না নকশিন্না,
ত্রাওহল্লে নুপা পুম্নমক মহাক্লা।

ইমিলিয়া - অঙম্বা !
বোংডেবিগ কৌবা ভেনীছগী পাথং অমা,
হাৎলল্লে ওাস কেছিওনা।

ওথেল্লো — বোডেবিগ হাৎলবা ! কেছিও হাৎলবা !

ইমিলিয়া — নত্তে অঙম্বা, কেছিওবুদি হাত্তে।

ওথেল্লো - করি ! কেছিওদি শিদ্রে ? অদুদি —
সুব কায়বে হাৎলিবা মীহাৎ অদু।
লম্বান মখুম অদু ঐনা পামজবা,

ওইবে ঙসিদি অকায়বা খোঙ্গাং।

দেজদিমনা — ও ! লাল্লে, মবম চাদনা হাৎপিবে।

ইমিলিয়া — ইস ! কবিগী অৱা মীকপখোন্নো অসে ?

ওথেল্লো — অসে ! কবিনো হাযবা ?

(দেজদিমনানা নাহেবা খোঞ্জেল)

ইমিলিয়া — হি ঃ মসিদি —

ঐগী ইবেম্মগী খোঞ্জেলনিনা !

হো, কনা কনা লৈবগে ?

সোমদা খবা চংলকউ।

ইবেম্মা, অমুক্তগা ঙাওখো।

নুংশিজববী ঐগী ইবেম্মা।

অমুক্তগা *(ৱা)* ঙাওখো।

দেজদিমনা — মবান লৈতবা মীশিদা,

শিবেদো ঐহাক।

ইমিলিয়া — তমথিববা থবকসে অসুম্বা,

কনানা তৌবমলিবনো ?

দেজদিমনা — কনানসু নত্তে, ইথন্তনানি,

বিদায, ইর্মিলিয়া, বিদায় !

নুংশিথোইববা ঐহাক্কী ইবুংঙোদা,

নীংশিংবীযুকো ঐবু ; ও, বিদায়,

... বি ... দা ... য় ... ।

ওথেল্লো — কনানা, কবম্না, মাবু হাৎলিবা ?

ইমিলিয়া — অৱাবনি ! কনানা খঙবা ঙমগনি।

ওথেল্লো — তাপ্রেদনা নঙসু মহাক্না হাযবদো ;

ঐনদি নত্তে হায়বা —

ইমিলিয়া — মহাক্লা অদুম্মা হায়খি;
ঐনসু অদুম্মা অচুম্ব'দুদা তমগনি।

ওথেল্লো — *(দেজদিমনাদা)*
মহাক অসে মীনম্বা গুংবগীদমক,
চৎখ্রবনি নরক্তা —।
মহাকপু হাৎপদি ঐনি ... ।

ইমিলিয়া — মীনম্বা অদুমক্লা থোইনদুম
ওইহনখ্রে মহাকপু স্বগগী লাইবেম্বী।
অদুগা নঙবুনা,
হেন্না তুক্কচরবা নোরোক্কী সোইতান।

ওথেল্লো — মহাক অপঙ-লাংদা থুরুদুনা.
ওক্তবী ওইখ্রবনি।

ইমিলিয়া — মাবু নত্তবা লমচৎ চৎলি হাযবিবা
নহাকসে সোরেলনি।

ওথেল্লো — মাদি ঈশিংগুম্না পল্লেপফম লৈতে।

ইমিলিয়া — *(অদুগা)* মাবু মবুক শেংদে হাযবিবা নঙসু
মৈগুম্না অফফত্তা মশক খঙদ্রে।
আঃ মহাক্তি স্বগগী অচুম্বনি।

ওথেল্লো — ওইরুরে মহাক কেছিওগী;
হংউ থাজদ্রগা নপুবোইবদা নঙগী;
ঙসি ঐনা পাঙথোক্লিবা
অয়ৌবী থবক অসে;
তৌবম্লবা প্রমাণ ফংদনা,
লৈখ্রগে নরক্কী লৈখাদা পুন্সি 'সিমা।
খঙবানি নঙগী নপুরোইবসু

বাফমসে শিং শিংনা।

ইমিলিয়া — ঐগী ইপুবোইবা ?

ওথেল্লো — উম ! নংগী নুপবোইবা।

ইমিলিয়া — হায়বদি ঐগী ইবেম্মবু,
লুহোংবগী মীপুনদগী নাম্বোকখবে, 'সিবা ?

ওথেল্লো — উম ! কেছিওগী ওইখবে।
মানবু শেপলমদ্রবদি মাগী পুকচেন,
সনা লুপা মণিমুক্তাদনা শাববা,
তোঙানবা পৃথিবী অমা,
পিগে হায়ববদসু মাগী মহুত্তা,
ঈশ্বরনা ঐঙোন্দা —
খন্দোকলমলোই ঐনা মাবু কৈদৌঙৈদসু।

ইমিলিয়া — ঐগী ইপুবোইবনবু !

ওথেল্লো — মানি ! নপুবোইবা অদুমক্রনি,
পাউ অসি ঐঙোন্দা ইয়ান হায়া পীবা।
পুকচেল শেংবা নুপান মহাক্তি,
তুকচৈ মহাক্রা; ফত্রবা থবক্কা
মবি লৈনবা অয়োংপশিং'দু।

ইমিলিয়া — ঐগী ইপুবোইবনবু ?

ওথেল্লো — হয় হন্না হায়বগী
কবি কানৈ নুপী ! হায়বেদনা ঐনা -
নংগী নপুবোইবননি হায়না।

ইমিলিয়া — ইবেম্মা !
ফত্তবা মথৈনা অমত্তা ওইনা,
শরৌ শিনখিবনা পুল্লপ্পা,

ও, অবেম্না ওইহনখ্রেদো নহাক্কী নুংশিবা।
ঐগী ইপুবোইবমক্কসু ঐগী ইবেম্মবু,
লমচৎ চুমদে হায়ববা!

ওথেল্লো — মহাক্কনি নুপী —, ঐনা হায়বিবসিনি;
নঙগী নপুবোইবা অদুমকনি।
নপুবোইবা, অর্থ খংলববা নঙ বাহৈ অসিগী '
ঐগীনা মকপ, নঙগী নপুবোইবা ;
পুকচেল শেংলবা —
শেংলবা ইযাগনা হাযবনি।

ইমিলিয়া — হায়বম্বা থোক্কবদি মহাক্কা অদুম্না,
পুম্বা ওইসনু মাগী আত্মা'দু
থোইদিং মচেৎ অমমম, নোংম-নোংমগী,
ভূক্কচববা নবক্তা।
হায়বম্বা থোক্কবদি মহাক্কা অদুম্না,
মীনমজবে মশানা মশাগী থম্মোইবু।
খঙ্গখি নুংশিগী পম্বেংনী,
পুকফবী ইবেম্মা মহাক্কা;
খ্বাইদগী হঙ্গোইববা মপুবোইবা শা'দুবু '

ওথেল্লো — হাঃ ... ... (যম্না চৌনা লাউবা)

ইমিলিয়া — হেক ঙস্বমখে থীনা তৌ ঐবু;
ওইবগুম নহাক্কা, মহাক্কী মতিক চাদবা নুপা ;
নঙনা ঙসি তৌখ্রিবা থবকসিনা,
ফংলবোই স্বর্গদসু নঙগী মফম।

ওথেল্লো — তুমীন লৈয়ু, মথা অমুক তাবনু।

ইমিলিয়া — নতীক লৈতে নহাক্কী থাজক্কসু;
ঐবু মাঙহনবগী নথৌনা;

ৱাখল লৈতবা অপঙবা !
লৈখোমগুম বুদ্ধি য়াওদবা !
নঙদি মরান লৈরবনি ;
নাচুংবীদে ঐনা নঙগী থাঙশাং অদু,
খঙহনলমখিনি মীপুম তিংনা নঙগী নবান ;
হাৎপা তারবসু ঐবু হন্না হন্না।
হো, কনা কনা লৈবগে ? মীহাৎলে ! মীহাৎলে !!
"মূর" না ঐগী ইবেম্মা হাৎলে !!!
(মোন্টেনো, ইয়াগ, গ্রেসিয়ানো অমসুং ফম্নাইবা অতৈ মনাই মশলগা লোয়ননা চঙলকই)

মোন্টেনো – কবিনো, কৈদৌরবগে জেনেবেল ?

ইমিলিয়া – ও ! নঙ লাকলে ইয়াগ ? নুংঙাইবনি !
হাৎন-শুনবা খুদিংমক তাইনববনি নঙোন্দা।

গ্রেসিয়ানো – কৈদৌনববগে ?

ইমিলিয়া – *(ইয়াগদা)* ফৎত্রবা নিপাসিনা,
তাইনশল্লিবা মীনম্বা পুম্বসে নঙোন্দা
হায়দোকউ মীনম্বা ঙাক্তনি হায়না,
নুপা থোক্লবদি নহাক্লা।
মহাক্কী নুপী লমচৎ চুমদে –
নহাক্লা পাউদমই হায়দুনা
হায়জবা শারি মহাক্লা ;
হায়য়ু, হায়য়ু নঙবু হায়রক্ত্রনে ?
ঐনা খঙই, হাযবম্লোই কবিগুম্বদসু,
হিংচাবা নত্তে নঙদি মাগুম্বা।
হায়বো, হায়রো হায়বনি নহাকপু,
পুঙমদ্রে ঐগী থম্মোইসি।

ইয়াগ — ঐদি, ঐনা খনবদুতা হায়বনি;
মহাক মশানা,
ওইবা য়াবনি, অচুম্বনি খঙলবা
মদুদগী থোইদোকপা অমত্তা
হায়খিবা লৈতে ঐহাক্না।

ইমিলিয়া — অদুবু, ঐগী ইবেম্মা মহাকপু,
মপুক শেংদবা নুপীনি —
হায়রুবরা নঙনা করিগুম্বদা ?

ইয়াগ — হায়খি —।

ইমিলিয়া — অদুদি মীনম্বা ঙাঙলে নঙ,
ঙাঙলে খ্বাইদগী তুক্কচরবা
তমথীবা মীনম্বা অমা।
ঐনা ৱাশক্নুনা হায়রিবসিনি,
মদু ওইদবনি, মীনম্বনি।
ঐগী ইবেম্মবু কেছিওগা —
নত্তবা লমচৎ চৎলে হায়বা !!
নঙনা হায়ববু কেছিওগা হায়বা !!!

ইয়াগ — মানিনে ইবেম্মা, — কেছিওগা !
তুমিন লৈবো, নরৈ অদু ফাজিল্লু।

ইমিলিয়া — লৈবোই — ঙাঙখিনি,
ঙাঙবসিনা ঐগী ইথৌনি,
ঐগী ইবেম্মদি হাত্তোকপীবে
ফমুংথক্তা তাদুনা লৈরে।

মীয়াম পুম্বা — হে ঈশ্বর ! মদু ওইদবা ওইহনবীয়ু।

ইমিলিয়া — *(ইয়াগদা)* অদুগা নঙগী থৌইনশিন্দগী

থোক্লিবনি মীহাৎ অসি।

(মীয়াম ঙক্লা অমগা অমগা য়েংনবা)

ওথেল্লো — নত্তে, ঙকপিগনু, ইবুংঙোশিং,
অচুম্বনি মহাক্লা হায়বিবসি।

গ্রেসিয়ানো — অঙকপা অচুম্বনি !

মোন্টেনো — ইস ! ওইথোক্তবা থবকনি।

ইমিলিয়া — ফৎত্রবা, তমথিনা ফৎত্রবা !!
হৌজিক্তা খঙলকই ঐনা,
হৌজিক্তা ভাব তাবকই ঐ,
খঙঙে
হৌজিক্তা শামিন্ ফংলকলে;
ও! লৌনম্বা থবক।
মতমদুদা ঐনা খঙজবল্লবদিকো অসুম্না !
ও ! থম্মোইসি কায়খিগদৌবে,
ও ! লৌনম্বা ! মীনম্বা !!

ইয়াগ — কবিনো ! ঙাওববা নহাক ?
ঐনা হাযবিবসিনি, চৎখ্রো চৎলো যুমদা।

ইমিলিয়া — পুকচেল চাওববা অঙম্বশিং !
বা খরদংগা হায়জখিগে ঐহাক ;
ইনফম থোকপনি মহাক্কী য়াথংসে,
মাগী নুপী ওইনা ঐহাক্লা,
অদুবু ইল্লবোই ঙসিদি;
ইয়াগ, খঙউ অসিমসু;
হন্দবা ফাওবা য়াবি অমুক হয়া
যুম অদুদা ঐহাক পুন্সিসিমগী।

ওথেল্লো – ও ! ও! ও! *(ফমুংদা তুথখিবা)*

ইমিলিয়া – উম ! অদুনি –
মৈচাক খাওউ মফম'দুদা "মূর"
লাউ খোংদুনা হেক ওস্বর্মখে;
হাংলবনি নওনা তাইবং লক্তগী অথোইবী,
নুংশি থোইরবী, লাঞ্জব্রবীদুবু।

ওথেল্লো – *(হৌগংলক্লুনা)* ও ! নস্তে, নস্তে, মহাক
মরমচং চুমদবীনি।
(গ্রেসিয়ানোদা) ও ! উরুদ্রে নহাকপু খুড়া !
তাদুনা লৈরে নমৌনুপী'সি 'সিদা,
লেপহল্লবনি খুৎসিমক্লা,
মাগী নুংশাম্বর অদু হৌজিক্তা,
ঐ খওই – থবক অসি,
নুংশি হৈতবনি, তমথীবনি হায়বা।

গ্রেসিয়ানো – লাইবক থীরবী দেজদিমনা
ফজ্রেদা নপাবুং লৈখিদবা;
য়াজদবনি মহাক্তি, নওগী লুহোংবা 'দুমক;
নুংঙাইতবনা মরম ওই,
তংখিবনি পুন্সি লংলা, অহল ওইরবা মহাকী।
ওসি মহাক্লা লৈরম্রগা,
থোক্লিবা থৌদোক'সি উরবা,
অঙাওবগুম চংকনি বুদ্ধি পুম্বা চোইদুনা ঃ
কনানা থেম্বা তাদনা
তৌরমগনি আত্মাঘাট শোয়দনা;
কুমখিনিদো নরকী লৈখাদা।

ওথেল্লো – অৱাবনি, থৌদোকসি অৱাবনি,
অদুবু খওই ইয়াগনা তশেংনা,

লীশীংলক হন্না থোকপ্রবনি হায়বা
তুরূচববা থবক, কেছিওগা মাগা ফন্নান্নবা'দু।
যাবি মদু কেছিও মশানসু;
ঐগী নুংশি খুদম ওইনা মঙোন্দা,
পীখিবা পোৎশক্তু ইহান-হান্না,
খুদোন তৌথোকপ্রে মহাক্না অতোপ্পদা।
ইমীৎ মক্না উবক্লে ঐনা,
মাগী মথুক্তা লৈহৌবা'দু।
কুইরবা কমাললনি মদু;
পীবস্বনি ইপানা ঐবু পোকপী ইমাদা ঃ
নুংশি খুদোন ওইনা নুংশিনা।

ইমিলিয়া – হে ঈশ্বর, পাঙ্গনবা ইবুংঙো !

ইয়াগ – তুমীন লৈয়ু, বা ঙাঙগনু।

ইমিলিয়া – হায়দোক্লগনি হৌজিক্তি, হায়দোক্লগনি।
ঐনা তুমিন্না লৈবা ? ওইথোক্তবনি;
থিংঙমদ্রবা নুংশিৎকুম্না হায়দোক্কনি অচুম্ব'দুতা।
লৈথক লৈখা, লৈবোন্নুংদা,
মী, লাই, হিংচাবা খিবিক্না ঙাঙনসনু
থীনা ঐবু; হায়দোক্কনি অচুম্ব'দু।

ইয়াগ – পঙথবনু নুপী ; চৎলো য়ুমদা।

ইমিলিয়া – চৎলোই কৈদৌনুংদসু।
(ইয়াগনা ইমিলিয়াদা থাঙনা থিনগে তৌবা)

গ্রেসিয়ানো – অচ্চা ! নুপীগী মথক্তা থাঙ চীংলিবা ? ইকাইদ্রা ?

ইমিলিয়া – তাও, হে অপঙবা "মূর"।
নঙনা হায়রিবা রুমাল'দুদি ,

খুল্লকপনি ঐনা তারমদুনা ;
পিথোকখিবনি ঐগী নুপাদা ,
মরমদি, য়াম্না কন্না তক্লমই ঐগী নিপাসিনা,
হরাল্লকউ হায়দুনা ঐঙোন্দা হন্না হন্না,
কৈসু লৈতবা পোং অদুবু।

ইয়াগ – হৈ, ওক্তবী নুপী, লমচৎ নাইদবী !

ইমিলিয়া – খুদোন তৌখিবা মদুবু মহাক্না কেছিওদা ?!
ওইথোক্তবনি, ও ! অৱাবনি !
পোংশক্তুদি খুল্লক্তুনা ঐনা
পীথোকপনি ঐগী নুপাদা।

ইয়াগ – লমচৎ নাইদবী, মীনম্বা ঙাক্তনি নঙনা ঙাঙলিবশিংদো।

ইমিলিয়া – ৱাশক্তুনা হায়রিবসিনি;
ঐগীসি মীনম্বা নত্তে, অঙম্বা পূম্নমক !
(ওথেল্লোদা) অ্যান য়াওদবা মীহাৎপা !
অসুক ফবী নুপীসিনা
পঙথ্রবা নঙোন্দা ৱায়-থুংলুবা !

ওথেল্লো – হে, লাই সোরারেন !
লৈত্রবরা নঙগী নোংমৈ-শীংজং অমা ফাওবা
পাপ চেল্লবা[১] অসিবু হাৎননবা;
ও ! মমল য়াম্লবা ডাকু
(ওথেল্লোনা থাঙনা থিনগে হায়না ইয়াগ তম্না হোৎচীনবা, মীয়াম্না ওথেল্লোবু ফাদুনা মখুত্তগী থাঙ মুনবা; ইয়াগনা ইমিলিয়াবু থাঙনা থিল্লক্লগা চেনখিবা)

গ্রেসিয়ানো – এঃ এঃ নুপী অসি তুথরক্লে !
মাগী নুপী হাৎলম্লেনা !

১। মশা মথন্তবু

ইমিলিয়া — মানি অচুম্বনি, ঐবু হাৎলে।
ওঃ ওঃ ওঃ
থাংজিনবীয়ু নখোয়না ঐবু
ইবেম্মা মাগী মনাক্তা।

গ্রেসিয়ানো — চেনখ্রে মহাক্তি হাৎলল্লগা মাগী নুপীবু।

মোন্টেনো — তমথিরবা সোইতাননি মহাকসে;
পায়য়ু "মূর" দগী মুল্লকপা থাওসে;
ঙাকউ মপানগী থোঙদা, চেনহনখিবা য়াদেকো,
মথাই লৌ চেনখিদৌ' শরুক।
ঐসু তান্নরুখিগে ডাকু অদুবু
মবমদি তোল্লবা মীনাই মচানি মহাক।
(মোন্টেনো অমসুং গ্রেসিয়ানো মপান থোকখি)

ওথেল্লো — মাঙখ্রে —
মাঙখ্রে ঐগী শক্তি পুম্বা, লোইনা মাঙখ্রে ;
মুনখ্রে ঐগী খুত্তগী থাঙশাং,
কবিসু লৈতবা মীনা ফাওবা ঃ
মাঙলবদা মীওইবগী অচুম্বা পূকচেন্না,
কবি কান্ননি লৈহৌদুনা —
মান, সম্মান, ইজ্জৎনা;
মাঙখ্রসনু, পুম্মাও মাঙখ্রসনু।

ইমিলিয়া — ইবেম্মা, শকখিবা ঈশৈ'দুনা নহাক্কা,
তাকপনো করি থোক্কনি হায়না তুংদা।
তাও, তাদ্রবরা নঙবু ঐনা কৌরিবসে।
শিরনি ঐসু কাংঙাগুম্না শক্কুনা ঈশৈ —
উইলো, উইলো, উইলো,
"মূব" সতীনি মহাকসে ;
নুংশিবনিনে মহাক্না নঙবু, তমথিরবা 'মূর'।

ঙাঙখিবা ঙসি ঐনা অচুম্ব'দুগী,
ওইজগে শান্তি ফংবা ঐগী আত্মানা,
ঐনা শিরবা তুংদা ;
অচুম্বসি ঙাওনা ঙাঙনা, থাজত্রগে ঐগী থবাইসে *(শিরবা)*

ওথেল্লো – কা অসিগী মনুংদা লৈরি
অতোপ্পা খুৎলাই অমসু ঐগী।
থাঙশাংনি মসি স্পেন[১] দগী পুরকপা
মথৌ শঙলবনি হন্না হন্না ;
এ ! লৈরে অসিদা ঃ
খুড়া ! ঐ মপান্দা অমুক্তা থোরক্কে।

গ্রেসিয়ানো – *(মনুংদগী লাউরকই)*
হোৎনরবদি নঙনা মপান্দা থোরক্লবা,
মাঙজগনি শোয়দনা নহাক;
য়াওদ্রবনি নঙোন্দা খুৎলাই অমত্তা,
শোয়রোই নঙ খুদোংথীবদি।

ওথেল্লো – অদুদি বা ঙাঙনসি অমুক্তা
শক্কা শক্কা উন্নদুনা; চঙলকউ মনুংদা;
(নত্রবদি) খুৎলাই য়াওদ্রবসু ঐগী,
লাকশিনবা ঙমগনি নঙবুদি লায়না।
(গ্রেসিয়ানো চঙলকই)

গ্রেসিয়ানো – হায়য়ু, কৈদৌরে ?

ওথেল্লো – য়েংউ, লৈরে ঐগী খুৎলাই অমা;
অসুক ফবা খুৎলাইদি,
য়ানথিদ্রি সিপাহি অমত্তনা,
ঙসি ফাওবা মাগী মঙ্গাংদা।
লৈরমই 'সিগুম্বা মতম অমা –

১। Spain

পীক্লবা ঐগী পাম্বোম, খৌরবা ঐগী থাওশাং
মখোযগী মতেংতনা
ঙসি নখোয়না পীরিবা অথিংবা পল,
মদুদগী শকক কয়া কয়া হেল্লবা,
নমথেক্তুনা ইপাঙ্গল-ইথৌনাতনা,
লাকখি ঐনা মায় পাক্তুনা
(অদুবু) ও ! কান্নদ্রবা ঐগী নাপল !
তম্বা ঙমগনি কনানা মীগী মরায়ববকপু ?
মাঙখবে হৌজিক্তি অদু'স্বা শক্তি'দু।
পায়ববসু ঐনা অসুম্বা খুংলাইসি, কিগনু নহাক;
মবমদি —
লৈবে অসিদা ঐগী পুন্সিগী পম্বুংফম,
য়ৌবকলে ঐগী যোঙবাইফম
থুংলবে হিথাংফমদা ঙসি —
ঐগী পুন্সি হি অসে।
নীংহন্নববা নহাক কিদুনা ঐহাকপু উবদা ?
উম, কিরে নহাক অবেম্বদা;
থমউ ঙসিদি ওথেল্লোগী মথবাক্তা,
নাপী মকা অমত্তং,
চেনথ্রগদবনি মহাক শোয়দনা;
অদুবু ...... অদুবু কদাইদনো লৈরুগদবা
চেনথ্রগা ওথেল্লোনা ?
(দেজদিমনাদা ওনশিন্দুনা)
অদুগা —
হৌজিক করি মাক্সিবা নঙগী শক্তম্না ?
তমথীববা খেনফমদা পোক্লকলবী নুজাও !
তাইবে, তাইফেং তাইখবে
অদুক নীংথীরবা নঙগী শক্তমদো !

অরোইবা নুমিত্তা হয়েং, নঙগা ঐগা উন্নরবদা,
কাখিনিদো স্বর্গদা নহাক্কী আত্মা'দুদি,
অদুগা – ঐবুদি, 'সিগুম্বা মীৎয়েংসিনা
হৌজিক নহাক্না য়েংলিবা,
ইস্বরক্কনিদো ঐবু স্বর্গদগী;
মতমদুদা –
ওক্কনি তমথীরবা নরক্কী ভূত প্রেতশিংনা,
লানঙমদ্রবা ঐহাক্কী আত্মা'দু।
ঈংগ্রে, ঈংগ্রে, নঙগী হকচাংসে
ঐগী থবাইগী মবেম্মা !
ঈংগ্রেনে নঙগী সতীত্বগী গুণ অদুমুক;
ও ! অভিশাপ ফংলবা মীনাই ! *(মথন্তবু)*
হে তম্ন লাই পুম্নমক !
লাইরেবাকুম নীংথিরবা মফমসিদগী
পুরো ঐবু নখোয়না
ঐগী মতিক চারবা মফম - নোরোক্তা !
হুমদোক্লসনু ঐবু কল্লবা নোং-নুংশিংনা !
চাকহল্লো হকচাংসে কণ্ডক্কী মৈনা !
লংথরো ঐবু বাংলবা চীংদোন্দগী
মহী চেল্লবা মৈগী কোম মনুংদা !
ও, দেজদিমনা ! দেজদিমনা, শিরে !
ও ! ও ! ও !
(চংলকই লোডোভিকো, মোন্টেনো - কেছিওবু চৌকি অমদা থাংদুনা পুরকই, ইয়াগনা বন্দি অমা ওইনা পুশিনলকই)

লোডোভিকো – কদাইদা লৈপ্রে, মরাইবক থীরবা
ফিংলবা নিপা অদো ?

ওথেল্লো – 'সিদা লৈরে ওথেল্লো হায়না
ময়াম্না খঙনরম্বা নিপা অদু।

লোডোভিকো – কদায়, মহ্‌পানবা লিন অদুনা *(ইয়াগবু)*
মহাকপু মফম'সিদা পুশিল্লকউ।

ওথেল্লো – য়েংলিবনি ঐনা নখোঙ অদু
লৈপাক শোকপরা[১] হায়দুনা
তৌইগুম্বসুং ফুঙ্গা বারীনি মদুদি,
ওইরম্লবদি নঙনা তম্ম-লাই অমা,
ঙমলোই ঐনা হাৎপা নঙবু ;
(ইয়াগদা থাঙনা থিনবা)

লোডোভিকো – মুল্লু মঙোন্দগী থাঙ অসে।

ইয়াগ – ঈ থরদি থোক্লে অদুবু শিব-মক্তি শিদ্রি।

ওথেল্লো – মদুগীসু নীংঙমদবা লৈতে ঐ,
হিংহন্নীংই থোইনা নঙবু, মরমদি –
ঐনা খল্লি, শিবা হায়বসি নুংঙাইবনি।

লোডোভিকো – ও ! অদুক ফরম্বা ওথেল্লো নঙসে,
তারবনিকো তুক্কচরবা মীনাই মচা অমগী লাংদা
করিমুক হায়রসিগে নঙোন্দা ?

ওথেল্লো – করিগী চিংনরি, হায়নীংবতা হায়য়ু,
কৌনীংলবসু কৌ ঐবু
ঈকাই খুম্নফম ওইরবা মীহাৎপা হায়না,
মরমদি, নত্তে তুক্কচবদগী ওইথিবা মীহাৎপা,
ওইথিবনি ইজ্জৎ ঙাক্নবা হোৎনবদগী।

লোডোভিকো – ফৎত্রবা থবক্কী শরুক থরদি
য়ারে শা[২] অসিনা, অদুবু –
থৌরাংবরা নখোয়'নিনা কেছিওবু হাৎনবা ?

১। মরমদি তম্ম লাইদি মখোং লৈপাক শোক্তে হায়নে।
২। ইয়াগবু

ওথেল্লো — উম !

কেছিও — নুংশিরবা জেনেরেল !
লণ্ডজখিদে নঙোন্দা ঐনা করিগুম্বা মতমদসু।

ওথেল্লো — থাজরে ঐনা বাফম'দু
হায়জরি নঙনা ঐবু ঙাকপীয়ু ;
তৌইগুম্বসুং, হংবীয়ু অমুক্তা হিংচাবা'সিদা
করিগীনো য়েৎশিনবিরিবা মহাক্লা,
লাং অসিনা ঐগী থৱাই হুকচাংবু ?

ইয়াগ — ঐঙোন্দা হংদুনা কৈদৌনি;
নঙনা খংলি'দু মঙাই।
অসিগী মতুঙদগীদি শুকঙাঙ ঙাঙলরোই ঐ।

লোডোভিকো — করি হায়বা ?
লাইশোন ফাওবা শোল্লরোইদবা ?

গ্রেসিয়ানো — ফবে, অদুনা খ্বাইদগী ফরে।

লোডোভিকো — অথৌবা ! —
খঙদ্রি নহাক্লা হৌজিকফাও,
করি থোকখ্রবগে হায়বা'দু,
কুইবরোই খঙলনি শোয়দনা।
'সিদা লৈরে চিঠি অমা
হাত্তোকপিরম্নবা রোডেরিগগী ফুরিৎখাউদগী;
অদুগা অতোপ্পা অমসু লৈরে 'সিদা
অনিসিগী মরক্তগী অমদা ইরি —
কেছিওবু রোডেরিগনা
শিল্লমলে হাৎনবা খুজিল।

ওথেল্লো — ও ! সোইতান !

কেছিও — খ্বাইদগী তমথীববা, খ্বাইদগী মোৎলবা !

লোডোভিকো — 'সিদা লৈবে —
নীংবা থুংদবগী চিঠি অমসু;
ফংবনি মসি রোডেবিগগী ফুবিংখাউদগী;
ফংত্রবা সোইতান অসিদা পীনবা
হোৎনবম-মাল্লে মহাক্না; অদুবু —
মবক্তা লাক্লুনা ইয়াগনা,
হাত্তোকপিগ্রমাল্লে রোডেবিগবু।

ওথেল্লো — ও ! পৃকচেল পীক্লবা, ডাকু !
হায়য়ু কেছিও, কবন্না ফংবগে নহাক্না,
ঐগী নুপীগী কমাল'দু ?

কেছিও — খুনবনি মদু ঐহাক্না, ঐগী কা-মনুংদগী।
হায়দোকচত্রে ইয়াগনসু হৌজিক্তা,
থোইদোকপা মবম অমগী
মহাক্না নীংবা অদু থুংনবা,
থাদবত্ত্বনি মহাক্না মফমদুদা।

ওথেল্লো — ও ! অপঙবা ! খ্বাইদগী হেন্না পঙলবা !

কেছিও — অসিমসু য়াওবি রোডেবিগগী চিঠিদা,
চৈবি মহাক্না ইয়াগবু,
ইনশিনবগীদমক ঐবু ইকাইবা পীনবা,
অহিং শন্ত্রি তৌবিঙেদা ঐনা,
মদুনা মবম ওইনা, ঐনা ফম তাখিবা,
অদুগা, হৌজিক্তসু —
তাদুনা লৈবস্নদগী অশিবগুম,
রোডেবিগনা ঙাংলকপদগী লংজিন ওইবা য়াফম খবা,
থিল্লমলে থাংনা অমুকসু হন্না, ইয়াগনা,

পূম্নমক্‌সি ইয়াগ'সিতগী খূজিন্নী
রোডেরিগবুসু ইনশিনবনি মানা।

লোডোভিকো – *(ওথেল্লোদা)* থাদোক্লমলো কা অসি নহাক,
চৎলসি ঐখোয়গা লোয়নননা,
লৌথোক্লবনি নঙোন্দা পীরম্বা শক্তি –
লৈবাক ঙাকপগী ভারপুম্বা;
অদুগা শিন্নরবনি নঙগী মহুত্তা, কেছিওদা –
সাইপ্রসগী বায়েল থৌদা।
(ইয়াগদা)
অদুগা মীনাই অসিগীনা –
মতম কুইনা ওন্তুনা মহাকপু,
অবাবা পীদুনা হিংহনবা য়াবা,
লৈবা থোক্লবদি পাম্বে অমা অদুম্বা,
ওইগদবনি মদুনা
মতিক চাবা চৈরাক মহাক্কী;
(ওথেল্লোদা) – অদুগা, নহাকপুনা –
থাংগৎত্রি'ফাও ভেনীছ সরকাবদা,
নঙগী নরালসিগীদমক বাকৎ,
লৈগদবনি নহাক
চোকশিন্না ঙাক্লবা বন্দি অমা ওইনা;
চৎলসি পুরো মহাকপু।

ওথেল্লো – ঙাইবিখো ঙহাক্তা; হায়জগে ঐসু
বা অমা অনিদং চৎত্রিঁঙদা।
ঐনা তৌজখিবা দেশ সেবাশিংদো,
খঙবিরিবনি নখোয়না মদু পূম্বা;
কান্নবা লৈতে অমুক পল্লুদুনা মদু,
হায়জরি ঐহাক্লা নঙোন্দা,

ইখৎপা মতমদা নহাক্কা ভেনীছ সরকারদা,
অসিগুম্বা অৱাবা থৌদোক'সে ঐগী,
চিংখ্ৰীগনু ময়েক অমত্তা;
হেঞ্জিন্নসু ইবিগনু নুংঙাইতবা য়াওনা,
ইবিখো অসুম্না নহাক্না ঃ—
"মহাকসে —
য়াম্নদি পঙজবা অদুবু য়াম্নদি হকচিন্না
নুংশিজরুবা নুপা অমনি।
"মহাকসে —
মহৌশানা কল্লকচাউবদি নচ্চদবা, অদুবু —
ফৎত্রবা কয়াগী লাংদা তাদুনা
ৱাখন চোইরবা নুপা অমনি।
ইবিখো নহাক্না অসুম্না ঃ—
"মাগী জাতি পূম্বদগী
হেন্না মমল য়াম্নবা মুক্তা অমবু
মথুৎনা লাকুনা লংথোকপা
পঙলবা রেড-ইন্দিয়ান অমগুম্বনি হায়না।
"তুকথববা মহাক্কী মিৎ অনিসিনা,
কন্না হায়বসি হৈনদ্রবসু মহৌশানা,
(ভসিদি) আরব লৈবাক্কী গোম পাম্বীনা,
শিছবগুম হিদাকুন্না মমল য়াম্নবা গোম মহি,
কন্না শিছরি অতৎ-অথম লৈত্রবা পিগী ঈবা
ইবিয়ু মসি নঙগী চিঠিদা;
অদুগা হান্নিখো মসিমসু ঃ—
"এলেপ্পো কৌবা মফমদুদা নোংমা,
মিনুংশি খঙদ্রবা, কোয়েৎ চাউনা য়েৎপা
তুর্কি দেশগী মী অমনা,
শাথিনা ফূবিরমই ভেনীছগী প্রজা অমবু,

অমসুং থীনা হন্দুনা ঙাঙলমই
ভেনীছ সরকারবু; মতমদুদা —
মখৌরি মেৎলমই ঐহাক্না
তুরুচরবা হূই অদুগী,
অমসুং থিল্লমই ঐগী থাঙশাং'দুনা,
মতৌ অসুম্না, মহাকপু।"
(অসি হায়দুনা মথন্তা থাঙনা থিল্লবা, ওথেল্লোগী মশাদা মীনা উদবা, অরোনবা থাঙ অমসু য়াওরমই)

লোডোভিকো — ও ! ইমু-নাইমু তানবা পোলোই হায়বদু ওইখরে।

গ্রেসিয়ানো — ঐখোয়না ঙাঙনখ্রিবা পূম্ব'দু
অরেম্বা ওইরে হৌজিক্তি।

ওথেল্লো — *(দেজদিমনাগী অশিবা হকচাংদা)*
হাৎলমদাইগী মমাঙদা চুপখি ঐনা নঙবু ঃ
অসি নত্তনা লৈতে শিনবা পাম্বে ঐগী ঃ
তৌজরবনি আত্মাঘাট শিরগে হায়দুনা ঐ
নঙগী নিংথিববা চিম্বান'দুগীদমক।
(তুথখরে ওথেল্লো দেজদিমনানা হিপলিবা ফম্নুংদা, বা ঙাংখিদবে, স্বর লেপখ্রে, ওথেল্লো শিবে)

কেছিও — মসিমক থোক্কনি চিংনরম্বনি ঐদি;
মরমদি মরিল লৈবা নুপানি মহাক্তি ;
তৌইগুম্বসুং খল্লুরে ঐনা
খুৎলাই য়াওদ্রে হায়না মঙোন্দা।

লোডোভিকো — *(ইয়াগদা)* ও ! তুরুচরবা হূই !
অরাম্বা, বাখলগী লায়না অমসুং
সমুদ্রদগীসু হেন্না তমথীরবা শা !
য়েংউ অৱাবা দৃশ্যসে

তাদুনা লৈবিবা ফমুংসিগী মথক্তা;
নওতগী খুৎশেমনি পুম্নমকসে ;
য়েংলুবতদা পোৎশকশিং'সে,
মমশিনগ্রে মিৎ অনি অসি;
অদুনা –
কুপশিল্লো, উহল্লগনু, ময়ামদা।
গ্রেসিয়ানো!
য়ুম অসিবুনা য়েংশিল্লু নহাক্লা,
লৌশিনদুনা থমলো, মবন মথুম 'পুম্বা
"মূব" অসিগী; মবমদি –
সম্বাথিকাবীনি নওনা।
(কেছিওদা) অদুগা অঙম্বা, গভর্ণব!
তোনখ্রবা শোবেন' অসিবু
কবম্বা মতমদা, কবম্বা মফমদা,
কবম্বা মখলগী দণ্ডি পীগদবনো হায়বদো
লেপলো নহাক্লা।
পীগদবনিকো মহাকপু অকনবা দণ্ডি।
ঐদি –
চৎলগে হৌজিকমক জাহাজ তোংদুনা;
থোকখ্রিবা থৌদোকসে তমথিববা,
তমলুগে সবকাবদা,
অবাবা থম্মোয়গা লোয়ননা॥
(থোকখিবা)

১। ইয়াগ

